শ্রীবলদেব তীর্থ যাত্রা



শ্রীনাওরেম্, নবঘন সিংহ

শ্রীবলদেব তীর্থ যাত্রা

লেখক—শ্রীনাওরেম্ নবঘন সিংহ
কোংপাল কোংখাম লৈকাই, ইম্ফাল।

অকোঙ্‌বা :—
এম, আলেম সিংহ
কোংপাল পোরোমপাৎ, ইম্ফাল।

মমল লুপা—১৩৮০


2690/Man
LIBRARY
CANCHIPU

বাপূজীদা

কচ্ছরি বাপূজী নখোং থম্বালদা।
ভক্তি তৌবস্নু হৈজদে
লৈসি লৈথোনবস্নু হৈজদে
পূজা তৌবস্নু হৈজদে
পূজাগী পোৎলমস্নু থঙজদে
কারনা পেনবি'নিস্নু থঙ্জদে
কৎচনিংবতনা থমোয় শেংনা কচ্ছরবা
লৌবিয়ু লৎনদনা "শ্রীবলদেব তীর্থ যাত্রা।"

প্রকাশক

তাং ১০ | ১১ | ৬৬ ইং

এম, আলেম সিংহ

লেখককী ৱারোল খরা

হৈথোই শিংথোইবা বিজ্ঞতা অমা ওইনা "বলদেব তীর্থ যাত্রা" ইজখিবা নচ্চদে। অৎাং ওইরিবৈদগী তাজখিবা হরি ভক্তি অংথোইবা বলদেবগী মক্তবা চরিত্রবু খঙ্‌ত্রিবা তাত্রিবশিংদা খঙ্‌হনজনিংবা। ১সুং তাহনজনিংবগী লাংতক্লবা অছু কোক্লবা অমদি পুক্সিদা রাখল অছুগী লমন তোল্দনবা ওইনা লাইরিক মচাসি ময়ামগী মফমদা লানথোকচরি। লাইরিক অসি ইবদা শ্রীযুক্ত অথোকপম তোম্বা সিংহ লাইরিক হায়বা ওজা অসিগী মতেং লেখক্লা য়াম্না লৌজখি। মসিগী লমন থৌবিরক্লদবা নৈত্রবসু লেখক্লা লমন তোল্লে খঙ্‌বি। য়াকম অমনা লাইরিক অসি ময়ামগী মমাংদা অনম্বা লাইরিক ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবদা মনিপুর সরকারনা ১৯৬৫ ইং তা লুপা ৪০০ থক মতেং পাংবিখি মসিগীদমক্তা লুংঙাইবা থৌবিমল কোংদোকচরি।

অরোইবদা য়াম্না কন্না ছাপা থৌখিবগী থবক্তা অন্নাবা লৌখিখিবশিংগী মন্নুংদা শ্রীক্ষেত্রিময়ুম কালা সিংহ অমসুং মাল্দিংবম য়লেম্ সিংহ অনি অসিগী মফমদা ঐগী কৃতজ্ঞতা উৎচরি।

লেখক

শ্রীনাওরেম নবঘন সিংহ

কোংপাল কোংখাম লৈকাই

তাং ১০ | ১১ | ৬৬ ইং

ইম্ফাল।

হীরম-লামায়

হীরম			লামায়



শ্রীবলদেব তীর্থ যাত্রা

শ্রীশুকদেব মুনিনা পীবা বাক্তী

বিষ্ণুজনশিংনা শ্রীমদ্ভাগবতপু শ্রীকৃষ্ণগী অংশমক্নি হায়রবদি শ্রীকৃষ্ণগী হকচাংমক্নি হায়রনা লৌনৈ। অতুওম্রবা শ্রীমদ্ভাগবত অতুগী মতুংদা শ্রীবলদেবনা তীর্থ যাত্রা চৎপগী শরুক অমা য়াওরি। য়ামী অসি শ্রীশুকদেব মুনিনা পরিক্ষিত কৌবা নিংথৌগী মকমদা পীদুনা তাহনখি।

ত্রেতা কৌবা যুগ অতুদা শ্রীবলদেবনা শ্রীরামগী মনাও লক্ষ্মন ওইনা পোক্লগা হন্দক দ্বাপুর কৌবা যুগতা শ্রীরামনা শ্রীকৃষ্ণ ওইনা অবতার তৌরগা লক্ষ্মমনা মমাবা ওইনা পোক্লপগী মরম তাকপিয় হায়রনা শুকদেব মুনিনা মকমদা পরিক্ষিত নিংথৌনা হংজখি। অমুকা লক্ষ্মনমা ত্রেতা কৌবা যুগ অতুদা লৌরুং তেম্মা খুৎলাই ওইনা খোনবিখি অতুগা হন্দক দ্বাপুর কৌবা যুগ অসিদনা শ্রীবল-দেব ওইনা অবতার তৌরচনা, য়োৎথক লাজলনা খুৎলাই ওইনা খোনবিরবা ১দি অশংবা থিজোন খোনবিররিবা

অসিগী মরম তাকপিয় হায়না শুকদেব মুনিগী মকমদা পরিক্ষিত মহারাজনা হংজখি।

শ্রীবলদেব অসি স্বয়ং ভগবান শ্রীকৃষ্ণমক্কি অতু-গুম্বা ভগবান কৃষ্ণ অতুনা লীলা কারনগীদমক হায়রুনা ইবুংঙো মাগী অংশ অমনা শ্রীকৃষ্ণগী রূপ ওইনা ধারন তৌখিবি অতুগা অতোপ্পা রূপ অমনা শ্রীবলরাম ওইনা ধারন তৌবিখি হায়না শ্রীশুকদেব মুনিনা পরিক্ষিত নিংথৌগী মকমদা তাকপিখি। শ্রীরামনা ত্রেতা কৌবা যুগতা পিতৃ সত্য পালনগীদমক বনবাস তৌবা মতমদা শ্রীলক্ষমননা অরাবা কয়া খাঙতুনা শ্রীরামগী সেবা তৌজখিবা অতুদা পেল্লতুনা শ্রীরামনা লক্ষমন কৌবা মনাও য়েংলতুনা তাক-পিরকই—

"হে লক্ষমন নহাক্না ঐহাকী সেবা তৌবদা অরাবা য়াম্না নংখ্রে, মতুগী লমন অতু হন্দক ত্রেতা কৌবা যুগ অসিদা ইয়াম্বনা নহাক্কী লমন শিংবা ঙমদ্রে; হয়েং দ্বাপর কৌবা যুগতা নহাক্না ঐহাকা ইয়াম্বা অমুক ওইনা পোকউ অতুগা ঐহাক্না নহাক্কী ননাও ওইনা পোক্লগা অমুক নহাকা সেবা তৌদুনা নহাক্কী লমন অতু শিংলগে।"

শ্রীরামগী য়াথং অতু তারবদা শ্রীনয়ন অনিমক্তদা প্রেমগী ধারা শিঙরতুনা খুৎ অনি জুড় তৌরতুনা শ্রীলক্ষমনা হিক-হিক লাওবা খোজেলনা হায়জরকই,—

"হে রাম! ইবুংঙো ঙসি তাকপিরিবা অদু শাস্ত্র লাকপিরু। ঐহাক্কী ইবুংঙোগী নরাইনি—মংলোক মংলোক খুদিংদা ইবুংঙোগী ঙকাও ওইনা লোকচনা লেপ্লু হৌজিক ফংহনবিয়ু। ঐখোয়া ইবুংঙো নংগী ইয়াম্না ওইনা পোক্লকপদি ইবুংঙো নংগী কমল লচন ওইবা খুয়া থম্বাল অনি অদুগী সেবা তৌবা ফংজদবা অয়ে।"

শ্রীরামনা লক্ষ্মনগী মফমদা অমুক হন্না তাকপিরকই,—

"লক্ষ্মন নংনা হিংবিরিবা পুরুষকুই খাদোকউ মরমদি নহাক ঐহাক অসি অংশ অমত্তনি লীলা কারন-শীলমক হায়রুনা তোংতান তোংতান্না অংশ লেপ্লুনা অবতার তৌরবতনি। নহাক্না তৌবিবা অদুগী লমন অদু ঐহাক্না অমুক শিংথুম্না শক্তিকায় তৌরবদি ঐহাক অদুক অনুসরদু হায়রদি তৌবিমক থওনমগী লেম অমা লৈবা ত্তারে।" লক্ষ্মননা ইয়া মরাপ্রবা অদুদা শ্রীরামনা লক্ষ্মনগী মফমদা ইবুংঙো নহাক্না অমত্ত থম্বাদা লেপ্নুনা লৈবা, শ্রীরাধার গোলোকতা শ্রীকৃষ্ণ ওইনা পোক্লগদবা, শ্রীরাধাগী লোকনা মুক্তি অচুপা জগৎকী অচৎ-চত্তা হায়রুনা লৈরিবা কীর্ত্তন পুরুষক অসিনা লাক-লাকহুনা শিংবা অসিদি ইবুংঙো মপুগী অংশ অচুদগী জগৎকী জীব পুরুষকদু গোক্লকপা, হন্নাক লক্ষ্মননা করনাম ওইনা পোক্লকা মতমদা অমারো শিংবাংবা লেপ্নুনা লোংতুক্ক লাকপ লমাবগদবা মুক্তি শক্তিকায়রবা পুরুষক মথক-শিংবা উহনবি। সরিমিত্র শিংথোক্না তুরাকোন

মুনিগী মকমদা হুন্দক নন্দননা বলরাম ওইনা অবতার তৌরবা মতমদা অশংবা ফিজেৎ থোন্নূনা য়োৎশুক লাঙ্গল পাররবগী মরম তাকপিরবা হায়রময়কই। শুকদেব মুনিনা মথংশিংনা শ্রীরামগী য়াহী লৌদুনা পরিক্ষিত নিংথৌদা তাহল্লি।

প্রতাপ বীরগী ৱারী

তরামন্না য়ক শুবা দ্বাপুর যুগতা সোমক কৌবা নিংথৌ অমা শুকজিহবা লৈবাক্তা পাল্লমী। নিংথৌ অসিগী রূপগুন লৈরবা, শাস্ত্র বিদ্যা য়াম্না হৈরবা প্রতাপ-বীর. হায়না কৌবা রাজপুত্র অমা লৈরম্মী। রাজ কুমার অসি চহি ১৪ রোম শুরক্তে অদুগা সোমক নিংথৌ অসিগী মন্ত্রীগী মচা কৃপসিং হায়না কৌবা প্রতাপবীরগা চহি চপ মাররবা অমসু লৈরম্মী। শ্রীবলদেবনা কৌরব পাণ্ডব অনিগী মহাভারত হায়না কৌবা অকনবা লান অদুদা য়াওনিং-ত্রদুনা অমদি তীর্থ স্নান তৌগে হায়না নিঙলদুনা মথং মথং তীর্থ কয়া স্নান তৌরকই। বলরামনা তীর্থ স্নান তৌরকই হায়বা তাররদুনা সোমক নিংথৌনা শ্রীরামবু মহাকী কোহুদো লৈবিয়ু হায়না নিমন্ত্রণ তৌরম্মী। শ্রীবলরামনা মনাইদুগা কৃপা তৌবিদুনা মতম থরদা শুকজিহবা লৈবাক্তা

লৈবিরছনা মনাইশিংবু ইবুংঙো মহাকী সেবা কংহনবিরম্মী। লৈবাক অসিদা লৈবিছনা শ্রীবলরামনা মনাই প্রতাপবীর ১দি কৃপসিংহ অনিবু ধনুর্ব্বিদ্যানচিংবা অস্ত্র পুন্নমক তম্বীরম্মী। নিংথৌ মচা মন্ত্রী মচা অনিমকপু বিদ্যা মপুং ফানা তম্বীরয়ে হায়রগা শ্রীবলরামনা ময়াম পুন্নমকপুন্থ বিদায় তৌরমছনা অমুক তীর্থ স্নান তৌননবা মথং-মথং লেঙজরে।

নোংমা রাজ-সভাদা মন্ত্রীশিংগা লোইননা সোমক নিংথৌনা লৈরিঙৈ মতমদা কর্ণাটক দেশতগী দূপা অনিথক সিন্ধুসেন নিংথৌগী পাও পুরছনা রাজদ্বারদা থুংলরে। রাজ-দ্বারিনা নিংথৌদা দূত অনি অদু চংহল্লকপা রাগত্রা হায়না হংজরবদা নিংথৌনা চংহল্লকউ হায়ছনা দূতশিংদু রাজ দরবারদা পুশিল্লকই। দূত অনি অদুনা সোমক নিংথৌ উবমক্তা মথুউ লৈপাক ত না খুরমজে। সোমক নিংথৌনা দূত অনি অদুদা হংওকই, "মহাশয় অনিমক করি লৈবাক্তা লৈবিবগে অদুগা ঐত্তাকী লৈবাক অসিদনা করি থবক্কীদমক লাকপিরিবনো?

দূত অনি,—

"মহারাজ ঐখোয় কর্ণাটক দেশতগী সিন্ধুসেন নিংথৌগী পাও পুদুনা লাকচরিবনি।" অসি হায়ছনা দূত অসি অদুনা সিন্ধুসেন নিংথৌনা পীরকপা চিঠি অদু সোমক নিংথৌদা কংথিল্লি। নিংথৌনা চিঠি অদু ফাঙ্কোল্লদুনা পারকই,—

"শুকর্জিহ্ব লৈবাক্কী সৌমক নিংথৌগী মক্কমদা ঐহাক্না অশুম্না খঙহন্নরি—মহারাজগী ইচানুপা প্রতাপ বীর কৌবা অমা লৈ হায়না তাইজে অদুগুম্বা রাজকুমার অদুদা সিন্ধুসেন নিংথৌ ঐগী মৃড়ানী কৌবী রাজ কন্যাবু বিবাহ তৌহনা মহরাজগী সেবা তৌহনগে হায়না খল্লি। ঐহাক্না হায়জরিবা অসিদা চানবিহনা হুতকী মক্কমদা খঙহনবিরক্লবদি য়াম্না নুংঙাইজগনি। অশুম ওইবা সিন্ধুসেনগী মক্কমদগী পাও কংবদা সৌমক নিংথৌ য়াম্না হরাওজে। হুত অনি অদুদা মৃতিক ওকপা পাও পীরদুনা কর্ণাটক দেশতা হন্নবা য়াথং পীবিরকই। দুতশিং অদুসু য়াম্না হরাওনা নিংথৌ ১দি রাজসভাদগী বিদায় লৌরদুনা কর্ণাটক দেশতা হনখ্রে। অশোমদা সৌমক নিংথৌনা অক্করা পুংকম য়েংলদুনা সৌমক নিংথৌনা অক্ষৌহিণী তেঙ্গল ৭কা লোইনরদুনা কর্ণাটক দেশ তান্না বিবাহগীদমক যাত্রা তৌরক্রে। অশুম তৌদুনা লাকপা অসিনা গোবর্দ্ধন লাম্থোক্লক্রে। অদুদগী রেবা, যমুনা কৌবা তীর্থ লাম্থোরক্লুনা প্রভাস য়ৌরয়ে মক্কম অসিদগী অমুক মথা পাংনা লাকপা অসিনা মহেশ য়ৌরক্লে। মতম অসিমক্তা সৌমক নিংথৌদা হুত থারক্লুনা সন্ধা নিংথৌনা অসুম্না খঙহন্নকই,—

"সৌমক নিংথৌ নহাক্না নহাকা থরাই ১ দি নচানুপা প্রতাপবীরগী থরাই হিংনিংলবদি মক্কম অসিদগী হল্লো।" অসিগুম্বা উশিত্তবা বাহৈ অসি তাবদা। হুতশিং অদুদা সৌমক নিংথৌনা হায়রকই,

"নখোহ অমুক হন্না চত্তনা ঐহাক্কা পাও আস সন্ধা মহারাজদা তম্বীক্ক—করি মরমগীদমক্তা ঐঙোন্দা অসিগুম্বা অপনবা অসি পীগদৌরিবনো ? করিগুম্বা মতমদস্তু ঐহাক্কা মহাক্কা স্নংঙাইনদবা লৈথিদে অত্তুগা করি মরমগীদমক মরম ইচা চাদবা হিংচাবগী লমচৎ অসি চংলিবা ! অত্তুগী মথক্তা ঐখোযদি মুপী অঙাং কয়া পুত্থনা লা ক্লবনি অত্তুগা লম থাপ্লা লাক্লবনিনা মী পুন্নমকস্তু য়াম্না রানরে ; অমুক্কা লানগী খুংগু-খুলাইস্ত মতিক চানা য়াওরকপা নত্তে। লান হায়বা অহু থোক্লবদি নাকল অমনা নত্রগা অমনা জয় ওইবা হৌনৈ অত্তুগা শিবা হায়বা অত্তুদি মীওইবনা মানা-মাবা ভোজবা কম্মগী ফলনি। ঐহাক্কা হায়রিবা অসিনা লান্দা থোইদোক্লা কিবগী রাকমস্তু নত্তে। অত্তুনা সন্ধা নিংথৌনা ঐখোয়দা অপনবা পীক্কম থোক্কে।"

সৌমক নিংথৌনা হায়রকপা পাও অহু হুতশিং অত্তুনা থুনা য়াংনা চৎখিত্তুনা সন্ধা নিংথৌগী মফমদা মথং-শিংনা তম্লরে। সন্ধা নিংথৌনা সৌমক নিংথৌগী মথক্তা শাও-রিবা অসিগী মরম অমা লৈরি। সন্ধা নিংথৌ অসিনা কর্ণাটক নিংথৌ সিন্ধুসেনগী মচানুপী মৃড়ানী হায়বা অসি মহাক্কী মচানুপা সন্ধিদা বিবাহ ভৌত্থনা পীবিনবা হন্না-হন্না হায়জক্লই অত্তুবু সিন্ধুসেন নিংথৌনা অভোনবা জাতিদা পোকপনি হায়ত্তুনা মচানুপী পীদবনি। মত্তুমক্তদা সন্ধা নিংথৌ অসিনা ইকায়বা কয়া থাদোক্তুনা হন্না-হন্না হায়জ-

রবদস্থ সিন্ধুসেন নিংথৌনা মচানুপীবু সন্ধাগী মকমদা পীবিখিদে। মহুগী মুংঙাইতবা অহুনা সোমক নিংথৌদা অসিগুম্বা অপনবা অসি পীররিবনি। ত্রিজগত অসিদা লৈরিবা মী পুম্নমক অসি বেদগী মতুংইন্না মখল মঙা খোক্লা খাইদোকই—অহানবদা মানবিক অনিশুবদা পাশবিক অহুমশুবদা দৈবিক মরিশুবদা অসুরক মঙাশুবদা স্ত্রায়ক হায়বা অসিনি। গৃহ ব্যবহার মশক খঙনা, তিন সন্ধ্যাদা শ্রীহরিগী পূজা তৌবা অহুগা অসিনা য়াবনি অসিনা তৌবা য়াদবনি হায়বা মশক খঙবা, অতিথিবু পূজা দান তৌবা ১ দি গুরু ঈশ্বর মশক খঙবা অদুবু মানবিকী মতৌ লৈবা মীনি হায়না খঙগনি। মুপী ওইরগনা মহাকী মপুরোইববু খওইদবা মুপা ওইরগনা মাগী ভর্য্যাবু নত্তনা অতোপ্পদা শ্রাদ্ধা লৈবা, গুরু কৃষ্ণ বৈষ্ণব মশক খঙদবা, কর্ম্ম জ্ঞানবু লৈতবা, শাওগনবা, হিংসানা প্রধান ওইবা অহুগুম্বা মী অহু পাশবিক কৌই অদুগা অহুগুম্বা মী মহাক অহু মপোক অমদসু শাগী জাত্তা পোকই। অহল-লম্মন লাই-গুরুদা শ্রাদ্ধ ভক্তি লৈবা, গুরু কৃষ্ণ বৈষ্ণব মশক্ খঙবা, চাবা থকপদা থোইদোক্লা পুক্লিং চংদবা, তীর্থ স্নান তৌবদা পুক্লিং চংবা, পাপকী মশক ওইবা থবক পুন্নমকপু থাদোকপা, অহিংসক ওইবা ১ দি জীবগী মকমদা মতম পুম্বদা মুংশিবা মতৌ লৈবা অসিগুম্বা মী অহু দৈবিক কৌই। অসুরক ওইবগী মওং মদোদি—মপা-মপুন-

চিংথা লাইগুরুগী পূজা দাম তৌবদা থৌঙইদবা, ঈশ্বরগী গুণবু তা'রিঙৈ মতমদা তুমগনবা, চাবনা মরু ওইবা ১ দি লমচৎ মাইদবা মী অদুবু অসুরক কৌই। স্রায়ক ওইবগী মওং মতৌ দি—থবক পুদিংমক্তা সুপা থোক্তবা, কিগনবা, রা ভাঙবদা অরেপ্পা লৈতবা, তাবদা থরাই য়াওবা, মীকুপ থুদিংগী তনৌ অনৌবা পাম্বা মপুকচেল লেপ্তবা ১দি রারেম ভাঙ্গনবা অদুগুম্বা মী অদু স্রায়কী মখলনি। মহাক অদু মপোক অমদা সুপীগী মপোকতা পোকই। সন্ধা মহারাজ অ'স মী মখল মঙা অ'সগী মরক্তা পাশবিক হায়রিবা অদুগী মচৎ চৎপা নিংথৌনি।

ইথঙ-খঙহৌদনা সন্ধা নিংথৌগী মচানুপা সন্ধিনা লাম্মী তেঙ্গোল অমগা লোইনবদুনা লান্দারক্লে। প্রতাপ বীরসু সন্ধিনা চংঙক্লিবা মাইকৈ অদোমদা অকনবা লানমী থরগা লোইননা লান চংঙক্লে। মতৌ অশুম তৌরদুনা রথী অনিমক অদু অকনবা লাম্বা পাম্লকই, শামুগা-শামুগা শগোলগা-শগোলগা, রথগা-রথগা লোইননা অকনবা লান থেংনক্লে। লানগী পুংগী মখোল, সিংহনাদ লাওবগী মখোল অদুনা শামু খোংবগী মতৌগুমপ্রে। মোইবুংগী মখোলনা হাৎলো থিল্লো হায়না লাওনবগী খোঞ্জেল তানথিত্রে অদুগা লীরিচিংবগী খে ঞ্জেলনা নোং খোংবগা পাংথক ওইখ্রে। তেঙ্গোল অনি অসিগা থেংনরকপা লানফম অসি করিদা প্রমাণ তৌগনি সমুদ্রনা মহাপ্রলয়গী মতমদা ঈহৌ-

রকপগা পান্দম ওইখে। ঈতনা তুরেল ওইনা চেন্থরক্রে অহুগুম্লবা ঈগী ইচেল অহুদা অশিবা মীশিংগী শাদোংশিং অহুনা লৈখোমগী পাংথক ওইগ্রে. অককপা মী মকোকশিং অহুনা ঈগী ইচেলদা তাওথরকপা অহুদি তুরেলদা থেঙ্গু হায়বা জীব অহুনা ইরোইবগী মতৌনি। কোকী শমশিং অহুনা ঈগী মরক্তা লৈবা অহুদি ঈশিংদা ইশংনা তাও-বগুম্বনি। ককথংলবা মীগী খোঙ-খুং অহুদি ঈশিংদা লিম্না ইরোইবগী প্রমাণ ওইরে। অককপা কোকশিং অহুনা কিরিটিগা লোইননা তাওথরকপা অহুনা ঙাম্নু কাংঙনা ঈশিংদা ইরোইহুনা শাম্লবগুম্বনি। মাইগৈ মরিমক্তগী ক্বাক লাংজা হায়বা উচেকী জাৎ, লমহুই হায়বা শাগী জাৎশিং অহুনা লাক-লাক্নুনা অশিবা মীশিং অহুগী শদোংশিং অহু চিংথৎ-চিংথত্নুনা চাররি। সঙ্কিনা খুরশান কৌবা তেল অমা তেঙ্গা থোংহুনা প্রতাপ বীর তমহুনা কাপলকই অহু-গুম্লবা তেল অহু প্রতাপ বীরনা খুরবান কৌবা তেল অমনা ইরাই লাইনা ককথংলি। সঙ্কিনা সর্পবান কৌবা লিনগী তেল অমা কাপলকই — তেল অহুনা লিন চাম চামগী মশক পুরহুনা প্রতাপ কুমারবু য়োংলগে হায়হুনা পাইশিল্লকই, মতম অহুমক্তা প্রতাপ বীরনা ময়ূরবান কৌবা রাহোংগী তেল অমা কাপ্নুনা লিনগী তেল অহু ককথংলি। অস্তম তৌরহুনা অচুম্বা লাম্লোংদদি অমনা অমবু লাকচবা ইঙম ঙমদ্রে। বিদ্যাদা বুদ্ধিদা, রূপগুণদা ওবা গুরু নাইবদা

য়থী অনিমক অসি চপ মায়বনি। অচুম্ব লাল্লোংদা সন্ধিনা প্রতাপ বীরবু লাকচবা ইয়া-য়াত্রবদা অরোনবা লাল্লোং অমা তৌয়গে হায়না খল্লদুনা হায়রকই,

"ভাল্লো-হে অপঙবা প্রতাপ কুমার! নহাক্না অরেম্বদা প্রান মাঙজগে হায়দুনা ঐগী ইমাংদা লেপচবা শারি। ঐহাক্না নহাকপু ঙাইরকপা অসি মতম য়াম্না কুইরক্লবনি অদুবু ঙসিদি লাইগী লোংদমদগী ঐহাক্না নংবু উনররে। নহাক্না ঙম্লগা ঐহাকপু হাংলু অদুগা ঐহাক্না ঙম্লগা নহাকপুম্ হাংকে—ঐখোই অনিদি আততায়ী হায়বদু খোকই। মৃড়ানীবু নহাক্না লুগোংদুনা লৌগনি হায়না হোংনরি অদুগুম্বী মুপী অদুদি মপানা পীদুনা ঐহাক্না লৌরক্লবনি। মহাকী মরমচৎ অদু পাম্বক্ত্রদুনা ঐহাক্না মপাগী ময়ুমদা অমুক হন্না থাথ্রবনি। ঐহাক্না মহাকপু অকোংবা বিবাহ তৌদুনা লৌবমক নত্রবস্ত্র ঐহাকী মুপীনি হায়বা অসিদি মুঙদা ইদুনা লৈহৌরগদৌবনি। সিন্ধুসেন নিংথৌনা লুহোংবা পাম্বদগী মীনমদুনা রাজকুমার নঙোন্দা পীগে হায়বা ওইরমগনি অদুগা নহাক্না অসিগুম্বা ভদ্র অসি খঙদবদগী রাজকন্যা অদুগা লোয়ননা লুহোংগে হায়না য়াক্লবা ওইরমগনি। অদুবু করে, হৌজিক্তি নহাক্না ভদ্র অসি খঙলবনিনা ধর্ম্ম হায়বা অদু য়েংদুনা অমদি নহাকী শাগৈগী মান মর্য্যাদা ঙাকদুনা ময়ুমদা হল্লো। অরেম্বদা কন্নিগীদমক্তা নহাক্না কত্রবা কর্ম্ম

অসি তৌগদৌরিবা অদুগা করিগীদমক্তা নহাক্কী নথয়াই অদু অরেম্বদা মাওগদৌরিবা।"

সম্বিগী য়া অসি তাবদা প্রতাপ কুমারনা অওকপা হায়বা অদু ওইরদুনা করি তৌরিবা অসিবু হায়দুনা ভাইহাক জ্ঞান তাদনা লু-লুকথদুনা রাখল তৌই অদুদগী সম্বি য়েংলদুনা হায়রকই,

"হে সম্বি রাজকুমার! মী পুম্নমক্কী লমচৎ ব্যবহার হায়বা অসি থক মায়বা নত্তে—কনা অমনা কু-কর্ম্ম তৌবদা করি অমত্তা চিংনবা লৈতে, কনাগুম্বা অমনা ওইদবতা ভাঙবদা হৈনৈ অদুনা নহাক্না হায়রিবা অসিদা ঐহাক্না করি অমত্তা থাজনিঙাই ওইদে। ফত্তবা মী হায়বসিদি মহোশানা নত্তবা, ওইদবা ভাঙবনি অদুনা নহাক্না হায়রিবা অদুবু অচুম্বনি হায়না করম্না লৌগনি।"

সম্বিনা হায়রকই,

প্রতাপ কুমার নহাক্না ঐহাক অসিবু কয়াদা থাজ-খিত্রবা! ঐহাক সং কেত্রিদা পৌকপা নিংথিজনা বিপ্তা হৈরবা মী অমনি। ঐহাক্না হায়রিবা পুম্নমক অসি নহাক্না মীনম্বনি হায়না খল্লি। ঐহাক্না হায়রিবা অসি তাজৌ হৈ! কনাগুম্বা মী অমত্তনা মীনকমদা মীনম্বা ভাঙবা হৌনদবনি।"

মরক অসিদা সম্বিগী হিংচাবা মথাপ অমা লৈ অহুগুম্বা হিংচাবা অদুদা অয়োনবা দুত্ত খর থাথিদুনা হিংচাবা অদুবু ময়া তৌদুনা আকাশতগী দেববানী শাদুনা লাওথইরকই,

তাও হে প্রতাপ বীর! মহাক্তি ধর্ম্ম লৈরবা শ্রীবর্দ-রামগী অচানবা মনাইনি। নহাক্না করিগীদমক মৃড়াণীবু বিবাহ তৌহুনা লোগদৌরিবা—মৃড়াণী হায়বা রাজ কন্যা অসিদি ময়ুম পাল্লুরবীনি সন্ধিনা হায়রিবা পুন্নমক অচুম্বামক্তনি অহুনা নহাক্না লানং তোক্কনা নশাগী ১দি শাগৈগী ধর্ম্ম ঙাক্কনা শুকজিহ্বা দেশতা ইল্লো।"

অশুম হায়রম্মগা হিংচাবা অহু মহাকী মকমদা অমুক হনখ্রে। অশোমদা লৈরিবা প্রজা পুন্নমক ১দি নিংথৌ মন্ত্রী পুন্নমক্না হিংচাবা অহুনা হায়রবা অদু অচুম্বা দেবশামীনি হায়না নিংলহুনা শুকজিহ্বা দেশতা হন্নবা খন্নরে। অশোমদা সৌমিক নিথৌবা হুত থাহুনা সন্ধা নিংথৌদা লান লেপ্ন স হায়না খঙহনখ্রে। মতৌ অশুম তৌরহুনা ময়াম ইরাং লাংনহুনা লৈরিবৈ মতম অসিমক্তা শ্রীনারদ মুনিনা বিপঞ্চিকা হায়রিবা যন্ত্র অদু পাইরহুনা শ্রীহরিগী নাম শোল্ল শোল্লহুনা সৌমক নিংথৌগী মকমদা থুংলরে। সৌমক নিংথৌনা কৈজবা চেং থোইদিং কংলহুনা নারদ মুনিবু পূজা তৌজে। মি থৌবা হায়রকই,

"ব্রহ্মাগী মশক ওইরবা মুনিনা ঐগী ইকমদা লাক্পিববু করি ভাকপিগদবা লৈবগে ?"

নারদনা হায়রকই,

"নিংথৌ নহাক্না ঐহাক্পু ব্রহ্মানি হায়রা অসি থোইদোক্না অপরাধনি—ঈশ্বর মাগী মতিক মগুনবু শকলৈশোইদ্রে,

ঐহাক্তি ধর্ম্মগী লম্বীস্থ খণ্ডদে, বেদ খণ্ড্বা অত্থুতবু ব্রহ্মাগী মশক্কি হায়নৈ—কপিলনচিংবা মুনিশিংসি বেদ পুরান খণ্ডবা ঙাক্কি মখোইগী হৃদ্দদা ব্রহ্মনা লেঙদযা লৈ—ঐহাকতি মমিংদা ব্রাহ্মন ওইজবনি মীনাই মচানি হায়নরিবনি। ঐহাক্তি ভক্তি, ভজন, পূজন অমদি জ্ঞান লৈজদবা ব্রাহ্মন'ন। নহাক্কা হায়রিবা অসি তাবদা ঐহাক্কী থম্মোই অসি কায়-গদোই। ব্যাস কপিলনাচংবা মুনি শংবু ব্রহ্মনি হায়রিয়ু।"

অসিনচিংবা নিংথৌগা মুনিগা ঙাইহাক ৱারী শান্নরবা মতুংদা নারদ মু'ননা সৌমক নিংথৌগী মফমদা হায়রকই,

"নিংথৌ ঐহক্কা নহাক্কী নফমদা লাক্লিবা অসি অতৈ অতৈ অমগী নত্তে হৌজিক নহাক্কী পূক্কি দা চিংনরিবা অম্মা লৈরিবা অত্থুগী মরম তাকে হায়হ্নুনা লাক্লিব'ন। গন্ধরাজ অমদি মহাক্কী মচা সন্ধি অনি অসি হিংচাবগী মচৎ চৎপা পাপী ঙাক্কি। মখোইমা নিংথৌ নঙোন্দা অসিগুম্বা অপনবা পীররিবা মত্থুগী মরমদি অসিনি—সন্ধারাজনা সিন্ধুসেনগী মচান্নুপী মৃড়ানীবু মহাক্কী মচানিপা সন্ধিদা লুহোংহ্নুনা পাবিননবা কয়ারক হায়জরুই অদুদা সিন্ধুসেন নিংথৌনা মখোয়বু অতোনবা জাতিনি হায়দুনা পীরক্কে মত্থুগী হুং-ঙাইতবা অত্থুনা নিংথৌ নংগী থবক্তা অপনবা পাররিবনি। মখোয়গী মরূপ হিংচাবা অমা লৈ মখোয়না, হিংচাবা অত্থুগা লৌতুনহ্নুনা আকাশতগী হিংচাবা অত্থুবু দেববাণী শাদুনা হায়হনবনি।"

নারদ মুনিনা অমুক্তা সোমক্তী মপুকচেল য়েংগে হায়ত্নুনা হায়রকই,

'ফরে হৌজিক্তি মহাক্তা লান তৌনবা অদু তৌক-থোক্লো। কর্নাটক দেশ তান্না চৎতুনা বিবাহ কর্ম্ম তৌননবা হোৎনরো, অদুবু অচুম্বা লম্বেলদি চৎলগনু অরোনবা লম্বেল চত্তুনা মখোইগা উন্নদনবা তৌরো।"

ঋষিগী বা অসি তাবদা সোমক নিংথৌ অসি খর ইকাই-রবুনা ভাইহাক রাখল তৌই অদুগা হায়রকই,

"ঋষিবড মুনিনা ঐগী চিংনরনবা মরম পুন্নমক তাকপিত্নুনা চিংনবা কোকচরে অদুন্নদি ওইরগা গোসা-ঞ্জিনা ঐঙোন্দা লোন্না চত্তুনাবিবাহ তৌননবা তাকপিরি। ক্ষে ত্রমচা ওইনা পোক্লগা মতৌ করম্না কিবদগী অরোনবা থবক তৌগনি।"

ঋষিনা হায়রকই,

'নিংথৌ নহাক্লা হায়রিবা অদু অচুম্বমক্লি অদুনা নহাক হৌজিক লান তৌননবা শেম শারো অদুতনা অফবা ওইগনি।

সোমক্লা হায়রকই,

"মুনিদেব হৌজিক অমুবা লান তৌবা তান্নবদি রা অনি ভাঙবা হান্নবা অদু থোকপা তারে মরমদি হিংচাবা অদুনা হায়রকপা অদুবু দেববানীনি হায়না খন্দুনা সন্ধা নিংথৌগী মফমদা লান তৌররোই হায়না হায়দোক্লুরে অদুগা হৌজিক অমুক লান তৌরবদি রা অনি ভাঙবা হান্নবা অদু

থোক্লগানি, ক্ষেত্র মচা ওইনা পোক্লগা মতৌ করম্মা রা অনি ভাঙগবা !

ঋষিনা হায়রকই,

"লোম চণ্ডনা বিবাহ কম্ম তৌননবা হায়বস্থ চুমদবান হায়না খল্লে অদুগা মহাক্কা লান অমুক তৌগদবস্থ রা অনি ভাঙবা থোক্লে হায়না খল্লে, অদু ওইরবদ নিংথৌ হৌজিক শুকজিহ্বা লৈবাক্তা হন্নবা তৌবিরো।"

সৌমক নিংথৌনা হায়রকই,

"দেববাণীনি হায়না খন্দুনা ঐখোয় দেশতা হংগে হায়না খললুবনি. মহুদি ধম্মগী মতুংইন্না থোইদে কপা ইকাইকম থোক্তমাল্লে হায়না খল্লি, মহুস্থ মুনিনা তাকপিবদগী মীনম্বনি হায়বা খঙলে অদুদা হৌজিকপু দেশতা হল্লবদি মীওইবনা ঐহাকপু করি হায়নগবা ! মীওইবনা থুওইবিদ্রবা পুন্সি অদুনা করিদা হুংজাইগনি অদুগীস্থ মথক্তা সিক্লসেন নিংথৌনা মহাক্কী থমোইদা কয়াদা অরাবা ওইগবা।"

ঋষিনা হায়রকই,

"অরাবা পুন্নমক থাদোক্লো নিংথৌ ঐহাক্লা নংগী নংগা লেংগে হায়দুনা তৌবনি, ক্ষেত্রি মচানা তৌগদবা থবক অদু নহাক্লা হায়রে। নহাক্লা ধম্মবু য়াম্মা থাজনা তৌবা অদুদা ঐহাক য়াম্মা হুংগাইরে, ধম্মনা মতম পুম্নমক্তা জয় ওইগনি অধম্মগী জয় লৈবা হৌনদে। নহাক্কী থমোইদা মতম পুম্নমক্তা ঈশ্বর লৈ অদুগা শ্রীবলদেবগী মনাই ওইবা প্রতাপ

বীরস্ু লৈরি অদুগুম্বা মহাক্না লৈরিবৈদা নহাক্না করি চিংনিঙাই লৈ, মতম পূম্নমক্তা নহাক্না মঙ্গল ওইগনি ১'দ ঈশ্বরগী মনাই ওইবা ভক্তনা য়াওবা অদুনা মতম পূম্নমক্তা মঙ্গল ওইগদৌবনি। বেদ বিধিগী মতুংইন্না য়েক্নবনা অধর্ম্মগী লাল হৌরক্লবদি অধর্ম্মগী পাম্বৈনা লান থেংনগনি মহুদা মায় ওন্দনা লানফমদা শিরবসু অদুগুম্বা ক্ষেত্রি মচা অদু লেপ্নমক স্বর্গ ফংই অদুগা মায় ওন্দুনা শিরবদি নরক তাই। খুৎলাই লৈত্রত্নুনা চংজক্লবা, রথ কায়রবা, তুমদুনা লৈরিবা, অঙাং, অহল, গুরু, দ্রুপী, মপাঙ্গল শোম্লবা, খুৎলাইনা শোম্নবা, মমায় ওন্দুনা লানফমদগী চেল্লবা, ঐগী গুরু, ঐগী দ্রুপীবু পোকপা ইকুবোক মাম, ইমাবু পোকপা ঐগী ওঝা, ঐবু য়োৱফিরিবা অমদি ঐগা পোকমিন্নবা ইচিল ইনাওশিং অসিনচিংবদা খুৎলাইনা থাকদে। হায়রিবশিং অসিদা খুৎলাইনা থারবদি অপন্সায়নি অসি নত্তবা অতৈ'দ মুন্যায়নি হায়না বেদনা হায়রি অদুগা খঙনা খঙনা পাপ ওইবা থবক তৌরবদি নরক তাই, খঙদনা তৌরবদি পাপ লৈতে হায়না বেদনা তাকলি অদুগা চুমদবা না হায়বদে অদুগুম্বা চুমদবা না অদু ফাওবদগী হায়দোবপ্রবদি মদু থাদোকনি মহুদা করিগুম্বা দোষ অমত্তা লৈরোই। মসিগী মরমদা ঐহাক মমাংথৈগী ৱারী অমা লৈগে তাও— জয়তীর্থ কৌবা চিংথৌ ১ লৈরম্মী। নিংথৌ অসি কৃষ্ণ ভক্তি য়াম্না লৈ। মহাকী

লৈবাক্তা হুরানবা কাঙলুপ অমা লৈরম্মী। মখোইগী মরক্তা ব্রাহ্মন অমস্তু য়াওরম্মী নোংম'দ হুরানবশিং অসিনা খুদম অমথক্তা লুট পাত য়াম্না তৌরম্মী মতুগীদমক মখোইবু নিংথৌগী মীনা ফাহুনা নিংথৌগী মমাঙদা পুরক্লমই। বিচারগী মতুংইন্না মখোয় পুম্নমক হাংপগী দণ্ড পীবহুনা মাহাংপশিংগী মথুক্তা শিন্নরে। মীহাংপশিং অহুনা মথুক্তা থাংশাং পায়হুনা হুরানবশিং অহু মীহাংপুণ্ডদা পুখে। মতম অসিদা ব্রাহ্মন অহুগী মপা অহল অহু লাক্লুনা নিংথৌগী মফমদা মচানিপা অহুবু হাংপীগনু অমদি ব্রাহ্মন হাংলবদি চহি কোটি অমা নরক ভাগনি হায়ররে। ব্রাহ্মন অহল অসিগী রা তাবদা নিংথৌ অসি জ্ঞান তাদ্রে—অময়োমদা হুরানবগী দণ্ডগী মতুংইন্না ব্রাহ্মন মচা অহুবু হাংলুয়ো হায়না য়াথং পীথোক্লে অতগা মহাকপু হাংলবসু ব্রহ্ম বধগী পাপ পুবা তারে। নিংথৌনা মী থাহুনা ব্রাহ্মন মচা অহু মীহাংপুণ্ডদগী পুহনরে। নিংথৌ অসিনা অশুম্না জ্ঞান তাদনা য়াম্না রানা লৈরিবগে মতম অসিদা ঈশ্বরনা মাঙোন্দা লোম্না হায়খিরকই,

"নিংথৌ মহাক্কী দেশ অসিগী কনাহ কোনা তীর্থ অপাম্না মার্কণ্ড কৌবা মুনি অমা লৈবনি, অদুগুম্বা মুনি অহক্তনা তত্ত্ব অসি খঙবা ওমগনি অহুনা মাঙোন্দা হুংঙু।"

থুদক অসিনক্তা ঈশ্বরগী কৃপাদগী হায়রিবা মার্কণ্ড মুনি অসি জয় তীর্থ নিংথৌগী মফমদা থুংলরে। নিংথৌনা

-মুনিবু উরবা মর্ঘ পুজানচিংবা তৌখৈ। মুনিনা হায়রকই,

"জয়তীর্থ নিংথৌ ঐহাকপু শ্রীকৃষ্ণনা নহাক্কী অকনবা থাজকপনি। নহাক্কী চিংনবা পুম্নমক ঐহাক্কা বেদনী মতম মতু ইম্মা হায়গে তাও—অহানবদা করম্বা মীদম দণ্ড. পীবদগে হায়বা অতুগী মরমদা মী মথম হায়গে—সন্ন্যাস হায়বদি লৈখেইবা, অনিশুবদা বৃদ্ধ অহল, অহুমশুবদা মুপী মরিশুবদা অর্থাৎ মওশুবদা অজ্ঞান কৃত হায়বদি খণ্ডদম্ব তরুক শুন্দা ব্রাহ্মন অসিনি। সন্ন্যাস হায়বদি সংস্কারগী যুম পানবদগী মওং পুম্নমক থাদোক্লবনা তার্থ চৎপদা পুক্কিং চংবা অহুপা বেদ পুরানগী মত মতুংইন্না ঈশ্বরগী খেবা তৌজরবা, মীওইবগী অপাম্বা কররকপা অমত্তুং মিৎয়েংবা হায়জনা চৈখিবা পুম্নমক অসি থাদোক্লবা অদুবু সন্ন্যাস হায়বনা খণ্ডপনি। বৃদ্ধ অহল ওইরবা হায়বদ চহি তরমথোইদগী শিগ্রিবা কাওবা অসিবুনি। হৌজিক মুপীগী মরমদা অমুক হায়গে—মুপী অসি মথম মতম থোক্লা শাইদোকপা মাই—ব্রাহ্মণী, ক্ষত্রানী, বৈশ্য, শুদ্র চণ্ডালিনী অসিনি। অর্থাৎ হায়রবা অসি পোক্কপদগীনা চহি নিপাল্লুবা কাওবুনি অদুবু অর্থাৎ অদুনা জ্ঞান চৈদ্রবদি চহি মাপল্ল শুরা কাওবদু অওংগী কাঙলুপ্তা চনগনি। মথক্তা হায়রিবশিং অসিদদি শিবগী দণ্ড পীবদে মপোইশিং অন্নে। খরদণ্ড পীরবদি নরক চাই। মথোইশিং অসিদা করম্বা দণ্ড পীগদগে হায়রবা অদু হায়গে তাও—ব্রাহ্মন, সন্ন্যাস অমদি বৃদ্ধ অহল অসিদা পীগদোরবা দণ্ডদি মক্ল কোক্লোক্তুনা

ইকাইবা পীগনি অসিগুম্বা দণ্ড অসি পীরবদি অমুক ৱৈবা-চৈবগী দণ্ড পীক্লদ্রে। মসিদস্থু লম মহেল্লবদি মহাকপু পুনগনি। মুপীদি মরু কোকথোকপা অসিনস্থু থোইদোক্লা মশক থিহল্লী। মুপীদদি চৈ-থাংবগী দণ্ড অসি পীবা য়াই, মত্তুমক্তদস্থু লম মহেল্লবদি ফুবগী দণ্ড অমুক পীগনি। অঙাংদা পীগদৌবা দণ্ডদি ফু-চৈগনি মত্তুদা লম হেল্লবদি অঙাং অত্তুবু পুন্দুন থমগনি। হৌজিক ক্ষেত্রিনা তৌগদৌবা মরম হায়রগে—ক্ষেত্রি মচাদি অরেপ্পা রা অমত্তা ঙাঙবা, লান্দা অচুম্বা লাল্লোং তৌবা, অহুম শুবদা ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংবু মতিক ওকপা সেবা তৌবা অত্তুগা প্রজাবু ঙাকপি-শেনবিবা অসিনা মরি অমদি মঙাশুবা মথৌ'ন। মতিক মঙান চাওনা পানবা অসিনা তরুকশুবা মথৌনি, ময়াম তিল্লবদা লমচৎ ব্যবহার খঙবা অ'হনা ওরেৎ শুবনি, অতিথি, ব্রাহ্মন ১দি ঈশ্বরবু পূজা তৌগনি মত্তুনা নিপানশুবা মথৌনি মাপনশুবা মথৌ'দ দান য়াম্না তৌগনি। হায়জরববু মতিক চান-চান তাবিবা অদুনা তরাশুবা মথৌনি, রায়াম ঙাঙদবনা তরামাথোই শুবনি, রা খজিক্তুং ঙাঙতুনা রাখল নিংথিনা তৌরগা থবক কজনা, পাংথোকপা অত্তুনা তরা-নিথোই শুবনি, অর্থ শাস্ত্র, ধনু শাস্ত্র নিংথিনা হৈবা অত্তুনা তরাহুমদোই শুবনি, মীনা শাওবা উরগা মহাক্না হেন্না নাপল তৌগনি মত্তুনা তরামরিশুবা মথৌনি। সাধু বৈষ্ণবশিংগী পূকচেল তপ্পা অত্তু উরগা পূকচেল হেন্না তপ্পা অত্তুনা

তরামণ্ডা শুবনি। ক্ষেত্রিয়শিংদি অসিগুম্বা গুনশিং অসিনা লৈতেংগদবা ওই। নিংথৌদি ঈশ্বরগী শায়োন্নি অচুনা নিংথৌদা উশিং থওইদ্রবদি নরক তাই। মথক্তা হায়রিবা গুনশিং অসি মীচমদা লৈবা ঙমদে অদুগা অচুগুম্বা গুনশিং অসি লৈতবা নিংথৌশিং অচু নিংথৌবেন্দ বৌবসু য়াদে। মখোই অচুদি অমংবা লোগী মরক্তা থে ব্লকপা তুমিৎ মঙানগুম্বনি। মীখোই মী হেনবা রাজা শিবি রাজা দশরথনচিংবশিংনা অচুম্বগীদমক্ত থরাই থাগ্রিবন চুমদবগীদমক্তা ১দি ফত্তবা থবক তৌদননবগীদমক করিগুম্বা থবক অমা তৌনি হায়দুনা তৌরুরবসু মচু থ'দোকপদা দোষ লৈতে। মহারাজ ঐহাক্না নহাকী নকমদা হায়রিবা অসিমি কমাগুম্বনা অচুম্বা ভাক্কবগী-দমক্তা মঙক্ ফাওবা কক্কুনা অচুম্বা অচু ভাকই। অমুক্তা মর্পা, মমা, লাইগুরুগী মফমদা ফকায়বা লৈরবদি সত্য কায়বা য়াই মদুদা সত্য মচু কায়বগী দোষ লৈতে অচুগা করিগুম্বা থবক অমা থওদচুনা তৌরুরে মমৈথংদা চুংদবা অচু থওওরুচুনা থাদোক্লবদি মচুদা দোষ কপ্পি অমত্তা লৈতে। কমাগুম্বা অমমা করিগুম্বা দণ্ড অমা পীরবা মহাক অচু মহাক্না তৌরবা মরাল অচুদগী কোক্লবনি, মহাক অচুবু অতোপ্পা দণ্ড অমমুক পীরবদি দণ্ড পীরিবা মহাক অচু নরক তাই। মহাক অদুদি চৌন্নদমক চৈরগা তোকনি। মরম অসিনা ব্রাহ্মন মচা হুরানবা অচু পাপ্তগী কেক্ক-বনি। মাঙোন্দা অতোপ্পা মরাল অমমুক পীধদ্রে।” অসুম

হায়রম্মগা মুনি অদু নিংথৌদগী বিদায় লৌরগ্লনা চৎখ্রে। জয় তীর্থ নিংথৌনা মার্কণ্ড মুনিগী বাক্য মতুং ইন্না ব্রাহ্মন মচা হুরানবা অদু থাদোকখি।—অশুম ওইবা নারদ মুনিগী মচিন্দগী যুক্তি-যুক্ত ওইবা য়াশিং অসি তারবদা সৌমক নিংথৌনা সন্ধা মহারাজগী মফমদা লান তৌরগ্লোই হায়-খিবা য়া অদু কায়বদা দোষ লৈতে হায়বসি খঙলে। চুভশিং থাদুনা সন্ধা মহারাজগী মফমদা লান অমুক তৌ-ননবা খঙহনখ্রে। অশোমদা সন্ধানা মহাকী মরূপ নিংথৌ অমদা লান পাংথিননবা হায়জখ্রে, অদুগা সিন্ধুসেন নিংথৌস্থ সৌমক নিংথৌগী লান মতেং পাংননবা লানফমদা থুংলরে। সৌমক নিংথৌনা সিন্ধুসেনগী মফমদা নারদ ঋষিনা হায়রম্বা পাও পুন্নমক তমজখি। অদুগা সিন্ধুসেন নিংথৌনস্থ পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা হায়রকই,

"সন্ধা মহারাজস্থ প্রশুরামগী সেবকনি হায়দুনা কনাবুস্থ কিত্রি অদুগা মহারাজগী মচানিপা প্রতাপ বীরস্থ শ্রীবলরামগী কৃপা লৈরবা সেবকনি অদুনা কনাবুস্থ কিকম থোক্কে। মহারাজগী জয়না ঐহাকী জয়নি অদুগা মহারাজগী মাই-থিবনা ঐহাকীস্থ মাইথিবনি ; অদুম ওইনমক জয় পরাজয় হায়বা অসিদি ঈশ্বরগী নোংদম্লি"।

× × × × ×

× × × ×

অকনবা ভেঙ্গোল অনিরকা রথীশিং অহুনা মাগী মাগী রথশিং অহু শেম শাররুনা অকনবা লাম্লেংনরক্লে। মতম অসিমক্তা সোমক নিংথৌগী ভেঙ্গোল অহু কাইরে মহু উবদা প্রতাপ বীরনা লান চংগদৌবগী শাক্লেল তৌই মহুদা সিন্ধু রাজনা প্রতাপবীরবু থামহুনা সন্ধিগী মমাংদা রথ থোং-জনক্লে। সিন্ধু নিংথৌনা সন্ধি তম্নহুনা কুঠারবান কৌবা তেল অমা তেন্না থোংহুনা কাপলকই তেল অহুগী মচিন্দা মৈ ফ্রি-ফ্রি কান্নহুনা সন্ধি তম্নহুনা পাইশিল্লকই। তেল অহু ককে হাররুনা সন্ধিনা খুরশানবান কৌবা তেল অমা কাপ্লরুই। কুঠারবান কৌবা তেল অহুনা খুরশানবান কৌবা তেল অহু চাকথেকতুনা লৈপাক্তা থাদরে হাররগা রাজকুমার সন্ধিগী মণ্ডক অহু কিরিটি কুণ্ডলগা লোইননা কক্তুনা থা-দরে। সন্ধিনা লৈত্রবদা মহাক্কী ভেঙ্গোল অহু কায়রহুনা চেল্লে। দ্রুত খর চেনখিহুনা সন্ধা মহারাজগী মফমদা সন্ধি লৈতবগী পাও অহু তমলুরে। মচা লৈত্রে হায়বা পাও তাবদা সন্ধা নিংথৌনা মচা কৌহুনা কপখি। পুরনারী হাররুনা লৈরিবা পুম্নমক্না লৈপাক্তা ওন-থোইহুনা করা কপখি। সন্ধানা শ্রীপ্রশুরামবু কৌহুনা মচাগী লমন শিংবিনবা হায়-জরকই। সন্ধা মহারাজনা প্রশুরামগী মফমদা চল তৌহুনা মচা হাৎখিবগী পাও অহু তম্নবদা শ্রীপ্রশুরামনা অচুম্বনি হায়না খল্লহুনা রাশকখি—

"ভাও সন্ধারাজ অহিং দুংথিল অনিমক্কা সাক্ষি ওইর-সনু ঐহাক্কী শিংজং অসিনা চুমদবা মরাল লৈবা দুপা অঙ্গী মঙক কক্কে।"

অসুম হায়রদুনা প্রশুরামনা মহাক্কী শিংজং অত্থু হন্না হন্না চিক্লদুনা রাশকখি। অশোমদা সন্ধারাজনা প্রশুরামগা লোটমনা লান চংশক্রে হায়রবা তাবদা সৌমক মি থোঁ অরাবগী ইপাক্তা তাখি। প্রতাপধীরবা শ্রীবলরামবু অরাধম তৌজ-মকই। মনাইগী অরাববু কোকপিরগে হায়রদুনা শ্রীরামনা মনাইগী মমাংদা অভির্ভাব ওইবিরবে। শ্রীবলরামবু উবদা ময়াম্না খুরমজদুনা পূজানচিংবা কৎচৈ। সৌমক মিংথোনা শ্রীবলরামগী মফমদা রারম পুন্নমক মথংশিৎনা ভমত-মবদা শ্রীবলরামনা মরামবু থেমজিনদুনা সত্য তৌদুনা রাশকখি—

"ঐহাক্কা সত্য তৌদুনা রাশক্লিবা অসিনি করিগুম্বা ভৃগুপতি প্রশুরামনা মহাক্কী শিংজং অত্থু হায়গৎদুনা মিংথোঁ নংগী থরাই অত্থু লোপে হায়রদুনা হেক হায়গৎলকপদা ঐগী য়োংশুক অসিনা শাকথোক্লে হায়রবা শিংজং অত্থুনা মহাক্কী মঙক ককপা। ভমত্রবদি ঐহাক ইতোমত্তা শিজথ্রগে, ঐহাক্কা হায়রিবা অসি দুখিৎ-থা কৌবা লাইনা সাক্ষি ওইবা ওইরসনু।"

অশুম ওইবা শ্রীরামগী অকনবা রাশক অত্থু তাবদা ময়াম পুন্নমক্কা শ্রীরামবু হন্না হন্না খুরমজখি।

× × × × ×

ভৃগুপতি প্রশুরামগা শ্রীরামগা অমা লান্বা পানরে; সিন্ধুসেনগা সন্ধা মিত্রগা অমা পানরে অতুদগী সৌমক নিংথৌগা সন্ধা মহারাজগা অমা অকনবা লান্বা পানরে। প্রশুরামনা বলরাম তমলদুনা অর্দ্ধশান কৌবা তেল অমা কাপ্লকই অদুগুম্বা তেগ অদুনা শ্রীবলরাম তমলদুনা শঙাইশেল পাইবগী মতৌ গুম্লদুনা পাইশিল্লকই। শ্রীবলরামনা নাড়চকবান কৌবা তেল অমা কাপদুনা লমথাংদা ককথৎলি। মদু উবদা প্রশুরামনা শাওরদুনা সিংহবান কৌবা তেল অমমুক শ্রীবলরাম তমদুনা কাপ্লকই। তেল অদুসু সরভ কৌবা তেল অমনা ইরাই লাইনা ককথৎলি। অসুম তৌরদুনা অমনা কাপলকপা তেল অদু অমনা ককথৎলি; ঙাকথোকপা ঙম্হৌদবা তেলশিং অদুনা হায়দোক্লক্তুনা কনাগী মথোঙদা কনাগী মপাম্বোমদা পাল্লি। অসোমদা সন্ধা নিংথৌনা সৌমক নিংথৌ তমলদুনা তেল অমা তেঙ্গা থোংলদুনা কাপলকই। তেল অদুনা পাইথোকলকপা মতমদদি তেল চামা থোক্লা পাইথোক্ল্কে। অদুগুম্বা তেল অদু সৌমক নিংথৌনা লিশিং থোকপা তেল অমনা লমথাংদা ককথৎলি। সন্ধারাজ অসি সৌমক নিংথৌগী মমাংদা থাঙবা য়াদ্রে অদুগা সন্ধা মিত্রসু সিন্ধুসেনগী মমাংদা থাঙবা য়াদ্রে। মনাইগী অরাবা উরবদা প্রশুরামনা মনাইবু অরাবদগী কনবিরগে হায়দুনা সন্ধারাজগী মনাক্তা লেপলরে। অমরোমদা শ্রীবলরামসু প্রশুরামগী অকনবা রাশক অদুদা মিপাইরদুনা মনাই সৌমক নিংথৌগী

মনাক্কী খুংগদা। শ্রীবলরামগী মপা লেংবাদা লেংলদুনা মরাক্তা লেপদ্রা ফজবা লৌমক নিংথৌ বনা হায়রকখি। পরশুরামনা লৌমক নিংথৌ অসি হাংদনা হায়দুনা শিংজং পায়দুনা লেংঙরে। মদুগুম্বা শিংজং অদু বলরামনা মহাক্কী মদানা ভাকুথোক্লে, শিংজং অদু কন্না পাই খতুনা সক্তা কিংথৌনা কিরিটি কুণ্ডলগা লোইননা কোক অদু ককুবা পৃথিবী থক্তা থাদরে। আকাশতগী লাইয়াম্মা পেনদুনা কুশুম কোবা নৈনী তাং অদু চাইথরকই। সক্তা নিংথৌবা তুরবদা মহাক্কী ভেঙ্গোল প্রথমক কায়দুনা ভমা চেম্মরে। অমোমুদা সোমকী ভেঙ্গোলনা লান মঙ্গোল ওইরে হায়দুনা জয় ধ্বনী সিংহনাদ লাওরককই। ভৃগুপতি পরশুরামনা শ্রীবলরাম লেংলদুনা হায়রককই—

"হে সঙ্কর্ষণ নহাক্না ঐহাক্না রাশক ওাক্কহনবিরে— ঐহাক্না অপন্যায় ওইবা মী অদু ঐহাক্কী শিংজংনা মঙক কক্কুনা হাংকে হায়না রাশকখিবা অদু ইবুংঙো নংগী কৃপাদগী ঐহাক্কী রাশক থুংহনবিরে। সক্তা নিংথৌনা অপন্যায় ওইবা থবক তৌরমগে মদুবু ঐহাক্না খঙদনদগী লৌমক নিংথৌনা হুম্মদনা লাল্লোং তৌরে হায়না লৌকরে; মরম অমিদগী ঐহাক্না লৌমক নিংথৌবু হাংকে হায়দুনা তৌরকখি। হে অনিরুদ্ধবা বাসুদেব নহাক্না ঐহাক্কী রাশক ওাকপীরে—ইবুংঙো নহাক্কুম্ন ঐহাক্না হন্না বনা থুরমজরি।"

শ্রীবলরামনা পরশুরামদা হায়রককই—

"হে রাম মহাক ঐহাক অমত্তমি, ইবুংঙো মহাক্না থাৰি অমনি ঐহাক্না রাম অমত্মি অমদি রঘু কুলদা পোকপা সীতাপতি শ্রীরাম অহুবা রাম অমমি ; মরম অসিদগী জগৎতা লৈরিবা জীব পুৰমক্না ভিন রাম হায়রুনা ঐখোয় অহুমবু খোমরিবিরি। হকচাং অমত্তা লীন। কারণগীদমক হায়রুনা তোওান তোওানবা রূপশু থাম্নন তৌহুনা পোক্লরিবনি।"

অসিদগী রাম অনিমক বিদায় তৌনরকহুনা মনাই সৌমকপু অমদি অতৈ বীর রথীশিংবু মঙ্গলাশীর্ব্বাদ পীবিরম্মগা হন্নরে। বীর রথী হায়রুনা লৈরিবা অকনবা পুৰমক অহুনা রাম অনিবু প্রশংসা তৌজখি।

হুমিংতু ভাশিনরক্লহুনা ময়াম পুৰমক অহু থম হন্দোক্লে হায়রগা তীর্থ অমগী মপান্দা অহিং অহুমদি অহুম লেপ্লে। অহুদগী নোং ভাগে হায়রগা ময়াম পুৰমক প্রাত স্নানচিংবা তৌরহুনা অমুক হায়গী মতৌগুম্নহুনা খোঙশানরক্লে। মথং মথং লাকপনা মহেন্দ্র পর্ব্বত, রেবা ১দি বেনাপুর লানশিনরকহুনা কর্ণাটকী দেশতা চংশিনরক্লে। কর্ণাটকী প্রজা পুৰমক্না মঙ্গলগী মশক ওইবা ধূপ থাওমৈনচিংবা থাম্লম্মী; ব্রাহ্মণশিংনা লমথাংদা ভাইরহুনা মঙ্গলাশার্ব্বাদ তৌরম্মী। লখী পুৰমক্তা লঙু যুংই, ঘট চঙু থিল্লি; কুমারীশিংনা মথুত্তা লৈ পাইরহুনা ময়ামবু ওক্লমই। কর্ণাটক লৈবাক অসি কর্ণাটকী মতৌত্তম নিংথিজরে। নিঙ্গুলেন শিংথোম্না রাম

মথক্তগী কুমথরক্তনা সৌমক নিংথৌগা থুংশয়রতনা রাজপুর তাম্না চংমিন্নরকই। ময়াম অদুনা লৈননবা হায়তনা য়ুম কয়া কয়া শাই। মন্ত্রী, ব্রাহ্মন, মুপী অতাং পুম্নমক মহাক মহাকী মতিক চাবা য়েংতুনা য়ুমশিং অদুদা লৈহল্লি। নিংথৌগী সেবানা অসুম তৌবা হৌনৈ, ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংদনা অশুম্না তৌগনি হায়বা অমত্তা ইরাৎ হেক রাক্তনবা হোৎনৈ। সিন্ধু-সেন নিংথৌনা ময়ামগী সেবা তৌবদা অসিমদি থজিক্তং ক্কজদে হায়বা ইরৈ লৈরে। থুংলরিবা মীয়াম অদুগী চাননবা তুম্ননবা ১দি শগোল শামু পুম্নমক্কী লৈননবা নিংথিজনা শিল্লম্মী। অসিদগী সিন্ধুসেন নিংথৌনা বিবাহগীদমক অধিবাস হৌরে। ঈশৈ শকপা কাওবুনা ঈশৈ শক্লে, পুং য়ৈবা কাও-বুনা পুং য়ৈ. যন্ত্র পায়বনা য়ন্ত্র য়ৈহনা মানা মানা হৈজবা পুম্নমক পুথোকতুনা শকলকই। নারদ, বশিষ্ট, গুহা, ভৃগু স্যাণ্ডিল্যনচিংবা মুনি পুম্নমকসু বিবাহগী নিমন্ত্রন কৎতুনা ওন্না লাক্লে। পুরোহিতনা বেদগী মন্তুং ইন্না যজ্ঞ তৌরে। কর্ম্ম-নচিংবা লোইরবদা মুনি ঋষি পুম্নমক মতিক-মতিক চাবা দক্ষিনা তৌই। প্রতাপবীর ১দি রাজ কন্যা মৃড়াণীপা লোই-নবা অতোপ্পা য়ুম অমা শাতুনা লৈহল্লি। সিন্ধুসেন নিংথৌনা মচুম তারবা শামু চনি, শগোল চামরি, মনিনা হৎলবা কি কয়া অউনপোৎ ওইনা উন্নি। মতম থর কর্ণাটক দেশতা লৈরবা তুংদা সৌমক নিংথৌনা শুকতিহবা লৈবাক্তা অমুক হন্নগে হায়তুনা সিন্ধুসেন নিংথৌদগী বিদায় লৌরহল্লা হন্নক্লে।

মচা সুগ্রীবু কায়নবদা রাজ-রাণী অনিমক কয়াদা অরাবা ওইখিবা মচু শিংথাদুনা লোইবা নত্তে। মৃড়াণীগী মমান্নবী সখি কয়ানা রাজ কন্যাবু মঙ্গল পীদুনা বিদায় তৌই। মত্তো অসুম তৌরদুনা ময়ান্না লাকপা অসিনা সুমিৎ তরা-নিগী লম্বেল লাক্লদুনা মহেন্দ্র পর্ব্বত য়ৌরক্লে। মতম অসিদা সুমেৎসু তাশিল্লক্লদুনা ময়াম অদু চংপী লোক ঈশিংসু লৈবা মফম অমদা অহিং অদু লেপ্লে।

ব্রহ্মা দেবনা ঈশ্বরগী য়াথং মতুং ইন্না মতম ওইরে হায়বা খঙলদুনা মহাক্না মনাই কালম্বরবু য়াথং পীদুনা মহেন্দ্র পর্ব্বত তান্না থারক্লে। কালম্বরগা শককম অদু থোইদোক্লা অকিবগী মশক্ত—মরেপ রাংই, মমিৎ অনি অদুনা চাওরবা মৈবুন অনি থানবগী মতোনি, ময়া অদুনা শিংজং শিংজংমুক পাকই, ময়দা মৈ ফ্রি ফ্র কামই। মৈরি অদুগী মঙান অদুনা লোকচপ অদু পুমঙান ঙাল্লি। মহাক্না অমুক অমুক ঙংবদা চীংমাই অনি অদু নিংথায়গদোবগী মতৌনি। মহাক্না পাই-শিল্লকপগী শউম অদু কংবদা ময়াম অদু ফুক-ফুক হৌগৎ-নরদুনা পংচেন চেন্নরে। কনানা মথংরোমদা, কনানা অরাং-লোমদা মনিংদা মমাংদা চেল্লে। প্রতাপবীরসু খ প্রেক খ লদুনা মহেন্দ্র পর্ব্বত চ থকলোমদা চেনখৎলক্লে। লাইগী লোংসমদগী মমৈথংদা মৃড়ণীগা রূপসিংগা মখোয় অহুম শেংনরে। প্রতাপবীর অমদি, রূপসিংনা মৃড়াণীগী মখুৎ য়েৎ-ওই পায়রদুনা চিংবোই থা বোই তৌরদুনা চেল্লক্লে। কালম্বরসু

মখোয়বু তান্নরক্রে, মতৌ অসুম তৌবদুনা তু থ-মাংথ চেন্নরক্রে। ঈশ্বরগী খুজিল কনানা থঙবা ঙমগনি। উ অমগী মখোংদা দুর্ব্বাসা মুনিনা মহাক্কী পত্নীগা লোইননা যজ্ঞ তৌদুনা লৈরম্মী। মখোয়না চেনবদা উদদুনা প্রতাপবীর ১দি কৃপ-সিংহগী মখোঙনা মুনিগী মফেগন্দা নেৎলুরে অদুগা মৃড়াণীগী মখোঙনসু মুনিগী মুপীগা ফি অদু চেপ্নোকউ'র খুদক অসিদা কাঙ্স্বরসু মাঙথে বগ্রে। দুর্ব্বাসা মুনি অসি ঙসাই মখৈ মমিৎ অনি অদু উই শন্দুনা ধ্যান তৌদুনা লৈরম্বনি অদুবু কল্লবা মুপা অনিগী মখোঙনা নেৎপা অদুদা নামনখ্রদুনা লৈবাক্তা থরো থরো ওন্দুনা থাংলে। দুর্ব্বাসা মুনি শাওবনা মমিৎতা ঈ কারদুনা উরু উরু লৈদুনা য়েংথোক্লকপদা মখোয় অনিনা মখোঙনা নেৎপনি হায়বা থঙলে। অদুদগা মাগী পত্নীগী ফিবু খোঙনা চেপ্নোক্লবা অদ্ উবদা অমুক্কা তেন্না শাওরদ্রনা মখোয় অহুমদা শাপ তৌরকই—

"হে পাপীশা! ঐহাক্না হায়বা তজো হৈ! জগতা লৈরিবা খুদিংমক মুষল অমদি লাঙ্গলনা মতোল্লবনি—গুরুনা হায়বা ইন্দবা, গুরুগী মপোৎ লৌবা, গুরুগী য়ুমদা অতোপ্পা মুপীগা তিন্নবা, গুরুগী সর্য্যাসনদা মখোঙনা শোকপা, গুরুগী অধরামৃতবু হঙ্গোইরবা, শালগ্রাম ১দি ব্রাহ্মনশিংবু খোঙনা শোকপা অদ্রগুম্বা মী অদ্ মপোক অমদা মুষল লাঙ্গল ওইনা পোকপনি। নংনা নংনা তৌজবা কর্ম্মগী ফল অদ্ নংনা নংনা ফংজবনি অদ্রনা নখোয় অনিমক খুদক অসিদা

মুষল লাঙ্গল শুল্লো অহুগা। সুপী নংনা ব্রাহ্মণীগী ফিবু নখোঙনা চেম্থোকপগীদমক নীলবাস ওইরো।”

মতৌ অসুম তৌরদুনা মখোয় অহুম্মক অসি মুনিগী শাপ্তুগ' মুষল লাঙ্গল অমদি নীলাবাস ওচদুনা মকম অদুদা তাদুন লৈরে। অশোমদা সৌমক নিংথৌনা মচা নিপা ১দি মমৌ সুপীগী মশক উদ্রবদা অরাবা ওইরে। কনাগুম্বগী ম'চন্দগী অসুম তৌদুনা দুর্ব্বাসা মুনিনা মকম অদুদা লাই নিংঙি হায়বা তারদুনা মুনিগী মনাক তাম্না চৎখিদুনা মথুৎ অ'ন লোম্নরদুনা মুনিগী মফমদা মচা নিপা অমদি মমৌ সুপীগী মরম হংজরকই। দুর্ব্বাসা মুনিনা সৌমক য়েংলদুনা হায়রকই—

“অসিদা তাদুনা লৈরিবা মুষল অসিনা নহাক্কী নচা নিপা প্রতাপবীর অহুনি অদুগা লাঙ্গল অসিনা মন্ত্রীমচা কৃপ-সিংনি অদুগা নীলবাস অসিনা নহাক্কী নমৌ সুপী মৃড়াণী অহুনি। মখোয় অহুম্না মতৌ অসুম তৌনা ওইবা ফিভম অসিনা নিংথৌ নংনা নিংঙমদবা তৌগনু মখোয় অহুম অসি ঐগী শাপ্তুগী ওইরিবনি অহুবু মখোয়না হ'ম্না তৌজরকপা। কর্ম্মগী ফলননি। মখোয় অহুম অসি অচম্বা মী নত্তে ঈশ্বরগী কৃপা লৈরবা ঙাক্কি। মখোয়গী পূর্ব্ব জন্মগী বারী ঐহাক লীগে তাও”— অসুম হায়রদুনা দুর্ব্বাসা মুনিনা সৌমক নিংথৌগী মফমদা বারী লীখিখি।

× × × × ×

প্রতাপ কুমার অসি নহানমুক্তী মপোক্তা ব্রহ্মাগী মচা প্রদীপন হায়না কৌহুনা পোক্লমই মহাক্কী মমিং অমনা স্কন্ধ হায়নহু খণ্ডনৈ অহুগা কৃপসিং অসিনা বরুনগী মচা ওইনা পোক্লমই। মহাক্কী মশক মত্তৌ ফজবা অসিদা জগৎনা মহাকপূ শোয়ৈ। মৃড়াণীনা অচঙৈ সমুদ্র মন্থনগী মতমদা অমৃত য়েনখিবা মুহিনী অহুনি। মুহিনী অহুনা সমুদ্র মন্থন লোইরবদা শ্বেত দ্বীপকী মচি অমদা মনাই জুপী মুপা কয়াকা সেবা তৌহুনা লৈখি। মুহিনীগী মশক অহু নোংমদি বরুনগী মচানা মুহিনীগা সঙ্গম ওইনিংবগী কামনা বিমোহিত ওইরহুনা বনাই ভৃঙ্গিবু মুহিনীগী মকমদা থারহুনা মহাক্কা নিংলিবা আশা অহু ফোংদোকহল্লুই। মহুদা মুহিনীনা হায়রকই, মমাংঙৈ সমুদ্র মন্থনগী মতমদা মুহিনীগী মথুং অহু নাই ময়ামগী গুরু ওইরবা শ্রীমহাদেবনা পায়খি অহুনা শাস্ত্রগী মতুংইন্না মহাক অসি মহাদেবগী ভর্য্যা হায়বহু থোক্রে। মুপীগী মথুং অসি মহাকী মকুং মৌপ্‌া অমদি মচা নত্তনা অত্তোয়া অমত্তনা পায়বা য়াদে। অত্তম ওইবা মুহিনীগী পাও অহু মকুংত্তোগী মকমদা ভৃঙ্গিনা তমজখি। ব্রহ্মাগী নচা স্কন্ধ অসিগী য়ারি অমা লৈ। নোংমথি বিষ্ণুনা সুরেন ১দি পুপ্রজচিংবা লেংবা অত্তম চংলম্মা। বিষ্ণুনা খজেবন স্নেরকপদা শক্তি লাখা অখোম অনিথক রতী ক্রাড়া তৌখন্মী মহু হেক উরখনা শ্রীবিষ্ণুগী বীর্য্য মতুম অমা নাম্বহুনা লৈপাক্তা তারম্মী। অহুগুম্বা

অদু মফম অনি থোক্না তাবন্মী শ্রীবিষ্ণুস্নু থোদোক অদুদা ইকায়রদুনা নিজালয়দা হনখিরম্মী। নোংমদি দিতি অমদি অদিতি হায়্বী অনি অদু বন অসিদা অশুম কোইথোক-লকপদা বিষ্ণুনা থাদরম্বা বীর্য্য অদু হেক থেংনক্করে। মথোয় অনিমক বীর্য্য অদু কনানা থাদরম্বনো হায়বা খঙদ্রে। বিষ্ণুনা থাদরম্বা বীর্য্য অদু মফম অনিথোক্না তারম্মী বীর্য্য অমনা অগ্নি কুণ্ড ওইরে অদুগা অতোপ্পা কুণ্ড অমনা স্নুরা কুণ্ড ওইরে। মথোয় অনিমক্না পরপ পরপ চৎখিদুনা ব্রহ্মাগী মফমদা থোদোক অদু মথংশিংনা তমলুরে। দিতি ১দি অদিতিগী মচিন্দগী পাও অদু হেক ফংবদা ব্রহ্মানা সাবিত্রীগা লোইননা বীর্য্য অদু য়েংবা লাক্লম্মী। মফম অদু যৌরবদা ব্রাহ্মাদেবনা বীর্য্য অদু কনানা থাদরবনো হায়না ধ্যান তৌদুনা য়েংবদা শ্রীবিষ্ণুনা থাদরম্বনি হায়বা খঙলে। স্নুরা কুণ্ডদা লৈরিবা বীর্য্য অদুনা দিতিদা পীজ্জো মদুদগী দিতিগী গর্ভদগী হিংচাবা ময়াম পোক্কনি অদুগা অগ্নিকুণ্ডদা লৈরিবা বীর্য্য অদুবুনা অদিতিদা পীজ্জো। বীর্য অদুদগী অদিতিনা মাগী গর্ভদগী লাইয়াম পোক্কনি অদুদগী অরেম্বা বীর্য্য অদুনা সাবিত্রীদা পীজ্জো। বীর্য্য অদুদগী সাবিত্রীনা চহি ১০ গর্ভাবতী ওইগনি তৌইগুম্বস্নুং পোকপা ঙম্দদুনা ময়ারোমদা ওথোক্লকনি। সাবিত্রীনা ওথোক্লকপা বীর্য্য অদুনা অমুক পার্ব্বতী দুর্গাদা পীজ্জো মদুনা দুর্গানা অমুক গর্ভ পুদুনা কার্ত্তিকপু দুর্গাগী

গর্ভদগী ফংজগনি। অশুম হ্ খ্রনা বিষ্ণুনা ব্রহ্মাগী নাকোংদা লোম্না হায়রকই। বিষ্ণুগী য়াথং মতুংইম্না ব্রহ্মাদেবনা দিতিবু কৌরুহনা সুরাকুণ্ডগী বার্য্য অহ্ পীথক্লে অহুগা অদিতিবুনা অগ্নিকুণ্ডদগী বীর্য্য অহু পাথকখি। দিতিগা গর্ভদগা হিংচাবা ময়াম পোকখি অহুগা অদিতিগী গর্ভদগীনা লাইয়াম পোকখি। অংরেম্বা বীর্য্য অহবুনা সাবিত্রীনা পীথকই। সাবিত্রীনা চহি ১০ গর্ভ পুরবদসু পোকপা ভমদ্রবদা বীর্য্য অহ ময়ারোমদা ওথোকখি। অদুগুম্বা সাবিত্রীনা ওথোকপা বীর্য্য অহ শিব মহাদেবনা খঙলহনা দুর্গাদা পীক্লখি। দুর্গগী গর্ভদগী স্কন্ধ পোকখি মহাকপু কীর্ত্তিকানচিংবা মমা মরিনা য়োকখি, সাবীত্রী দুর্গাগা থারগা মমা তরুকনি। মরম অসিদগী মহাকপু যন্মাতুর হায়নসু খঙনৈ অহুগা মমাই তরুক পাল্লিসু হায়নৈ। মমাই অমনা সাবিত্রাগা মমাই মাল্লি, অমনা পার্ব্বতা দুর্গাগী মমাই মাল্লি অংতাপ্পা। মমাইশিং অদুনা কার্ত্তিকাগী মমাইগা চপ-চপ মান্নৈ। অতোপ্পা মহাকী মমিং অমনা ষড়ানন হায়নসু কৌই। শ্রীবিষ্ণুগী বীর্য্যদগী পোকই হায়দনা মহাকপু প্রদীপনসু কৌই।

× × × × ×

নোংমা অহিং ১দি কার্ত্তিকা বরুনগী মচাগা লোই-নরদুনা শ্বেতদ্বীপ তান্না মুহিনানা লৈবা মফম অদুদা লাক্লে। মুহিনীগী থোঙশঙবশিং অহু মথোয়না চন্না হাৎ-তোক্লে হায়রগা মানা তুমলিবা কা অহনা চংঙক্লে। মুহিনীগী

মশা অহু পায়রহনা হৌদোকলুরে অহুদা মুহিনীনা খণ্ডপ্রেক খণ্ডলহনা মখোই কনা কনানো হায়হনা হংগুকই। মখোয় অনিনা য়াম্না তপ্পা খোঞ্জেননা হায়রকই,

"ঐখোয় অনিগী অপরাধ ঙাকপিয়ু—ঐখোয় অনিদি স্কন্ধ ১দি বরুনগী মচা হায়বা অহুনি, নহাক্না লোইননা রতী ক্রীড়া তৌবা পামজহনঃ নহাকী নকমদা চংজরক্লিবনি।" মুহিনীনা হায়রকই,

নখোয় অনিনা মতৌ করম তৌহনা খোঙশঙবগী মখুত্তগী নাম্বোক্লকপগে?"
স্কন্ধনা হায়রকই,

"নহাকী কামনা ঙাওহনা খোঙশঙবা পুয়মক ওয়া হাত্তোক্লমগে।" দেবীনা অশাওবগা লোইননা অমুক হায়রকই,

"নখোয় অনিনা চুমদবা থবক কয়া তৌরে নখোয়না খল্লিবা অহু ওইথোক্লোই অহুনা নয়ুম নয়ুমদা হল্লো?" কামনা বিমোহিত ওইরদুনা দেবীনা হায়রিবা অহু ইতা তাদনা নমহনা রতী ক্রীড়া তৌরবদা দেবীনা শাওরহনা মখোয় অনিদা অকনবা শাপ তৌরকই,

"নখোয় অনিমক মীগী মচৎ নত্তবা থবক তৌরে অহুনা মপোক অমদা নখোয় অনিমক মীগী মপোক্তা পোকলুরো। স্কন্ধ নংনা নিংথৌ মচা ওইনা অহুগ। বরুনগী মচা নংনা মন্ত্রী মচা ওইনা পোকপা ওইরসন্থু অহুগা মুনিগী শাপ্তগী নখোয় অনিমক মুষল ১দি লাঙ্গল ওইবা ওইয়ু।"
দেবীগী শাপ অসি তাবদা স্কন্ধনা দেবীদা শাপ অমুক তৌরকই।

"দেবী নহাকসু মপোক অমুদা নিংথৌগী মচানুপী ওইনা পোক্‌ুনা নহাক্কা ঐহাক্কা মপোক অদুদা লুহোংদুনা সুংঙাইরে সুংঙাইমিন্নবা, রারে রামিন্নবা ওইসনু, ঐখোয়গী মতৌগুম্নদুনা মুনিগী শাংগী নহাকসু নীলবাস ওইরসনু।"

অগুম তৌদুনা মখোয় অমনা অমদা শাপ তৌনশ্রবনি। মরম অদুদগী হন্দক্কী মপোক অসিদা নিংথৌ মচা মন্নী মচা ওইনা পোক্লরিবনি মখোয়মুক মরাইবক ফবা জগৎ অসিদা লৈত্রবনি। শ্রীবলরামনা মখোয় অদুম আস থা-দোবপা লৈররোইদৌবনি অসুম হায়না দুর্ব্বাসা মুনিনা সৌমক নিংথৌবু থেমজিনখি। থুদক্ অসিমক্তা শ্রীবলরামনা লেঙ্‌বিরক্‌ুনা নীলবাস অদু থোনবিখি অদুগা মুষল লাঙ্গল অদুসু খুৎলাই ওইনা থোনবিরদুনা মনাই সৌমক ১সুং দুর্ব্বাসা মুনিবু আশীর্ব্বাদ পীবিরম্লগা লেঙ্‌খ্রে। সৌমক নিংথৌনা য়াম্না হরাওনা শুকজিহ্বা লৈবাক্তা হনখি।

\+ \+ \+ \+ \+

কুরু পাণ্ডব অনিবু থামবা য়াত্রদুনা অকনবা লান তৌবা তারবদা শ্রীবলরামনা মাইগৈ অনিমক্তা য়াওনিংখিদে মরম অসিদগী নিরস্ত্র ওইরদুনা তীর্থ যাত্রা তৌগে হায়না মথং মথং লেংঙকলে। রেবতী হায়রিবী শ্রীবলরামগী ইবেম্মা অসিনা ইকুংঙো মানা লেঙ্‌খ্রবদা দ রু মুত্তি অমা লিংথৎচদুনা পূজা তৌজক্লোই। শ্রীধাম বৃন্দাবন্দা লৈরিবী গোপীশিংনা ইবুংঙোনা লেঙ্‌খিবদা কয়া-কয়া বিলপ তৌখি। শ্রীরামনা অহানবদা প্রভাস তীর্থদু স্নান তৌরদুনা বিধি নিয়ম কায়-দুনা পিতৃদেবশিংগীদমক তর্পননচিংবা কৎলি। শ্রীরাম

লেঙ্‌ঙকই হায়বা তারবদা মুনি ঋষি পুম্নমক্না লাক-লাক্‌না ইবুংঙোগী দর্শন কংজরে। সরস্বতী তীর্থ স্নান তৌরদুনা যমুনা তীর্থদা অমুক স্নান তৌরে অদুদগী গঙ্গা স্নান তৌরে হায়রগা নৈমিষারন্যদা লেঙ্‌ঙকলে। মুনি ময়াম মকম অসিদা বেদ পুরান তারম্মী। মুনি ময়াম অদুনা ইকোই কোইশিল্লে হায়রগা শুত মুনিনা ময়ায়দা ফমদুনা য়াম্না লাওনা বেদ পাঠ তৌরম্মী। শ্রীবলরামবু উবদা মুনিশিংনা দণ্ডবৎ প্রনাম তৌজে অদুদা শুত মুনি অসিদি বেদ পাঠ তৌরিবনি হায়দুনা নাপলগা লোইননা শ্রীরামবু কয়া থওইনা তৌত্রে। শ্রীরামনা খল্লি মহাক্‌না নীচ জাতিদা পোকপনা মুনি ময়ামগী ময়য়দা ফমদুনা বেদ পাঠ তৌবা অসি ধর্ম্মগী বিরুদ্ধনি অদুগা ময়াম্বু উশিত্তবনি অদুনা অসিগুম্বা মী অসিদি জগৎসিদা লৈরনবনি অসি হায়রদুনা শ্রীরামনা কুশ খুবাম অমা পায়রদুনা শুত মুনিদা থারে। কুশ অদুনা থাবদা শুত মুনি অদুম প্রান থারে। তৌরিবা থৌদো অদুদা মুনি ময়াম লিপাইরদুনা শ্রীরামদা হায়জরকই।

"হে রাম! ইবুংঙো নংনা তৌরিবা অসিদি ধর্ম্মগী য়াংমনি। ঐখোয় পুম্নমক্না শুত মুনিবু বেদ পাঠ তৌহনবনি; যদুনন্দন! নহাক্কি জগৎ পুম্নমকপু শেমবিবনি অদুম ওইবা ওইবা ইবুংঙো নংনা যজ্ঞ অসিদা অকায়বা পীবিররে অদুবু ইবুংঙো নঙোন্দদি অরেপনি। ইবুংঙো নঙোন্দা তৌহৈবা তৌহৈদবা হায়বা পাপ অদু চংবা লৈতে। শুত মুনিবু

ঐখোয়না যজ্ঞ অসি লোইহ্রিবা ফাওবা পুল্সিনুনবা বর্ষ পীশ্রবনি অদুনা ইবুংঙো নংনা মন্ত্রাকপু ঐখোয়গী যজ্ঞ অসি লোইহ্রিবা ফাওবা পুল্সিবা পীনবিয়ু ।" শ্রীরামনা মুনিগী মফমদা হায়রকই,

"মুনি মহানগী বাক্য ঐহাক্না হিক্তোক্লোই মচা হায়-বসিদি মপামক্তি হায়না শ্রুতি স্মৃতিনা হায়রি অদুনা শুত মুনিগী মচানিপা উগ্রশ্রবাবু মপাগী মহুৎ শিন্দুনা যজ্ঞ অসিগী পুরান পাঠ তৌহল্লু। অদুগা শুত মুনিগী আয়ু বৃদ্ধিদি অসিদা লোইবা ওইরসনু ।"

শ্রীরামনা হায়বা অদুদা মুনি ময়ামত্র য়ানরে। মুনিশিংনা শ্রীরামগী মফমদা হায়জরকই,

"ইবুংঙো নহাক্না লেংবিরকলিঙৈসিগা ঐখোয় ময়ামগীসু কায়নরা ওইবা থবক অমতং তৌবিরম্মু মদুনা ইবুংঙো নহাকী ব্রহ্মবধগী পাপ অদুসু কোকপিয়ু। ইবল হায়নবা কৌবা হিংচাবা অদুগী মচানুপা মপাগা চপ মান্নবা তমথিরবা বল্কল হায়না কৌবা অমা লৈ। অদুগুম্বা তম্-থিরবা হিংচাবা অসিনা লাক লাক্তুনা ঐখোয়গী যজ্ঞ কুণ্ডসিদা অমাংবা থি-মত্ত্ব শত্রুমচিংবা থাদরক্তুনা হেক্-হেক থুগাইবিরম্মে হিংচাবসিবু হাৎপিদুনা ঐখোয় ময়ামগী উপকার অমত্তু তৌবিরম্মু ।"

মুনি ময়ামনা হায়জরদা শ্রীরামনা য়াবিরদুনা হিংচাবগী লাকপা ঙাইদুনা লৈরে। পুনিমা থুমিৎনি মুমিৎ অসিমক্তা

হিংচাবসি অাক্যাশত্তা প্যাইদুনা, লৈরে। মরাক্তি মশা মত্তু মুশিন মুই, মুশুম অদু ওয়াংমুং খ্যাংদু, মমিং মুনিমক্তুদা ইরাও লাওই, মরাইপক য়াংই, মথাথংবা ময়াদুনা মনাতোন শোকই য়েংবদা থোইদোক্না অকিবগী মশক্কি। অহানবদা [illegible] পুক্কম [illegible] শালা [illegible] মনম [illegible] লোইরে, [illegible] শিংদি [illegible] [illegible] পোকশিংদা নোং ওইনা [illegible] [illegible]। শ্রী[illegible] হিং[illegible] অতুগী, মত্তাম্নি হায়না [illegible]। [illegible] মহাক্না [illegible] নিংশিং[illegible] [illegible]। [illegible] হিংচাবগী মওক, কোত্তুনা অাকাপ ওগী চিংথরকে। হিংচাবনা [illegible] ইরোমক্তুনা [illegible] কোৎ[illegible] [illegible]পা। [illegible] মহুনা [illegible] চিকশায়গে [illegible] মতম[illegible] [illegible] কোত্তুনা চিংথরকে। [illegible] অারুপদা [illegible] শ্রীরামগী থোক[illegible] তৌই। শ্রীরামনা থোকপা[illegible] [illegible] চাওখৎলকে। [illegible] [illegible] [illegible] শ্রীরামগী [illegible] [illegible]। শ্রীরামনা [illegible] উপাক্তী, অদু [illegible] হায়রবা [illegible] কয়া থাবদা হিংচাবতু মরোক কাবদুনা [illegible] তুরে। হিংচাবদুনা শিরবদা মুনি [illegible] শ্রীরামবু স্তুতি তৌরে।

অসিদগী শ্রীরামনা স্নাননচিংবা তোরে হায়রগা মুনি ময়ামদগী বিদায় লৌরম্বুনা তীর্থ মথং-মথং অমুক লেঙ্ঙকলে।

× × × × ×

বকল কৌবা হিংচাবসি নহালমুকী মপোক্তা চুলুক কৌবা চীংগী চীংলোন্দা কুলস্নিয়া শাগৈদা পোক্ত্না পারবা সৌভাগ্য হায়না কৌবা নিংথৌছগী মচা ওইনা পোক্লমই। সৌভাগ্য মিংথৌনা অহল ওইরক্লবদা মচা নিপাদা লৈবাক শাকপগী নিয়ম পুম্নমক ভঙ্গিরমছনা লৈবাক শিন্নরয়গা মহারানীগা লোইনরুছনা তীর্থ সেবাদা পুক্লিং লুপডুনা লৈরে। মন্ত্রীশিং অমদি লৈবাকী অঙম অথৌশিংনা অচা-অথক লৈজবা পুরছনা নিংথৌ মহারাণীদা হেক-হেক কৎলৈ অদুগা মচা নিপাছুদি নিংথৌ ওইবগী বিষয়দা লুপ্নছনা মমা-মপা শীজগনি হায়বা কাওথোকখ্রে। প্রজাশিংগী মপোৎ মচৈ কয়া মুনবি, মতম পুম্নমক্তা মশাগী মুংঙাইনবতা খন্দুনা থোঙতেকপা মিৎ তাঙবা ১দি ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংনা করিগুম্বা অমতং নিজরবস্থ করি অমত্তা পীবিদনা তাম্বোকই। মচাগী কত্রবা পাওসি তারবদা অহল ওইরবা মমা-মপানা লাকতুনা কয়া হায়রৈ মহু মহাক্কা তাবা লৈতে। নোংমদি মপা নিংথৌনা হায়রকই,—

"হে নিংথৌ নহাক্কা দুঃখীজন অমদি ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংনা করিগুম্বা অমতং নিজরবদা করিস্থ অমত্তা পীদনা থোজগী তাম্বোকই হায়মা তাই মহু তাবনা ঐহাকী নাকোংসি

কায়গদৌই। মহাক্তী থোঙজিন্দা কনাগুম্বনা পোৎ অমত্তং নিররবদি মহাক অত্তুদা করিগুম্বা অমভং ওইরবস্তু দান তৌগদবনি অদুগা মহাক অদু শ্রীহরিমক্তি হায়না থনগদৌবনি। অতিথি পূজা তৌবনা দান পুন্নমক্তগী অথোইবনি হায়না থন্নু, অতিথি পূজা তৌদ্রবদি পাপনি, পূজামক তৌবা ওর্থ-ত্রবস্তু রাগৈনদা ওইরবস্তু পেন্নরবা তৌগদবনি। মরাইবক থীরবা অহুগুম্বা মী অদুদ নোক্লবা অমদ থীনা তৌবিরবদি মপোক অনদা শাগী জাত্তা পোকই। মরম অসিনা মরাই-বক থীরবা থোংতেকপা, মিত্তাঙবশিংবু মতম পুন্নমক্তা লূনা তৌবিয়ু।"

অমুম [illegible] মচান্না পাওতাক কয়া পীরিমগা অমুক চপে। [illegible] মপামা, হেক চৎখিবগা অরা [illegible] লেকা [illegible] তৌদে হায়বা থনবা মহাকী হায়গী [illegible] [illegible] অদু অমুক চথেদে। মতম কয়া কুইরবগী তুংদা মহাক্না অরুদা ওইকরবদা ঈশ্বরগী মন্দির লিংখৎতুনা ঈশ্বরগী পূজা তৌরক। ব্রাহ্মণ [illegible] [illegible] দাব কয়া কয়া তৌ-[illegible] [illegible] লৈনাম্লুতবু লৌহনা থকই। অমুম তৌদ্রনা চহি কয়ামরুম [illegible] মহাকী [illegible] লোইরবদা শিখি। মহাক্না তৌ-জরকপা কর্মগী [illegible] মতম কয়া [illegible] নাক্তা তাদুনা লৈরুরে অদুদগী শাগী জাত্তা অমুকন্থ পোকলুরে, [illegible] মনুষ্য [illegible] মপোক্তা [illegible] [illegible] হায়না পোক্তরিব সদিদু [illegible] [illegible] থীনা তৌবিরগী শাগী জাত্তা পোক্ত

রিবনি, মমা মপানা হায়বা ইজবদগী হিংচাবগী মপোক্তা অমুক পোক্লরিবনি, ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংগী চরনামৃত কংজবদগী শ্রীরামগী চরন কংজরিবনি অতুগা মন্দির লিংখত্তুনা ঈশ্বরগী পূজা তৌজবদগী শ্রীরামগী মথুণ্ডা মুক্ত ওইবা কংজরিবনি। মহাক্লা তৌজবা কর্মগী ফল অদু মহাক্লা কংজবনি। বেদগী মতুং ইন্না ইমা ইপানা গুরু পূরমকগী অহানবনি হায়রি অদুনা মথোয়গী মকমদা লাক্লরবদি মহাক্লা তৌজবা ধর্ম পুম্নমক মাওই। মুনি মরামশু বক্তগ হিংচ.বনা লৈত্রবদা ইংনা যজ্ঞ তৌবা য়ারগনি খনবদা য়াম্না হরাওই। অসিদগী শ্রীরামনা মুনি মরামবু বিদায় পিরম্মগা অমুক লাকপসিনা কৌশিকী তীর্থ য়ৌরক্লে। বেদ বিধি কাইদনা তর্পনচিংবা তৌদুনা শ্রীরামনা তীর্থ অদু স্নান তৌই। মফম অসিদা অসিদা অগস্ত্য মুনিগা উনদুনা ব নী কয়া শানদুনা অহিং অদুম্না মফম অদুদা লেপ্লে। শ্রীরামবু ঈশ্বরমক্লি হায়বা খঙদুনা অগস্ত্য মুনিনা শ্রীরামবু স্তুতি তৌজে। তীর্থ অসিগী য়াথী পুম্নমক শ্রীরামগী মফমদা মুক্লিনা মথংশিংদা লীতাখ।

মমাওতৈদা মফম অসিদা কুশ হায়বা কৌবা নিংথৌ অমা পাম্মী। নিংথৌ অসি ঈশ্বরগী মফমদা শুদ্ধমতি ওইবা অমদি ঈশ্বরবু য়াম্না নিংবা ওইরম্মী। মোংমদি নিংথৌসিনা মুনি মরামবু কৌদুনা চাক পীজরম্মী। মী থুদিংমকী য়াদি পুথমদা চাক হাপ্লী, ম্নাগী কোনদা-ঈশিং হাপ্লী অমুন তৌনা য়ামা চাওনা নিংখিজনা হোৎনজৈ লাই মোংদম

হায়বছুনি শৃঙ্গ কৌবা মুনিগী চাক পুখমদা লিচ্ছ মরুম অয়া য়াওরম্রে। শৃঙ্গ মুনিনা লিন মরুম অহু উবদা য়াম্না শাও-রছুনা মথুংনা লিন মরুমছু পাইখত্তুনা মুনি মরামদা উৎ-লছুনা লাওরকই,—

"মুনি মরাম পুরমক চাক চাবা তোকপিরো, ঐখোয়গী চামনবা চাক পুখমদা হ হাপচিন্দুনা ঐখোয়বু হাংকে হায়-ছুনা তোংনরম্রে।" শৃঙ্গ মুনিগী রা তাবদা মরামক চাবা লেপ্পছুনা লৈরে। শৃঙ্গ মুনিনা নিংথৌরোমদা ওনশিন্নছুনা শাপ তৌরকই,—

"হে কুশ নিংথৌ। নহাক্না ঐখোয় পুরমকপু হ পীজছুনা হাংকে হায়না তৌরম্মেনকো। অছুনা নহাক অমদি নচা-নপা পুরমক উং ওরো।"

থুদক অছুমজ্জা মুনিগী শাপগী কুশ নিংথৌ'বু মচা-মপুগা লোইননা মকম অছুবা উৎ ওইনা অছুনা লৈরে। মুনিশিংসু মহাক-মহাক্না থনবগী মতুং ইন্না পাংহাব হায়নরকই। মুনি অমনা হায়রকই,—

"নিংথৌশিনা ঐখোয় পুরমকপু হ পীজছুনা হাংকে হায়না তৌরম্মীদা।"

অতোপ্পা মুনি অমনা হায়রকই,—

"থজ্জছুনা তৌবা ওইরমগনি"। মুনি অমনা অদুবু হায়রকই,—

"চাক য়োংবগী মৈশা মথুরা মাওব মথকুগী মায়কপা ওইরমগনি।"

ময়াম্না হায়রবা অদুদা শৃগ মুনিনা ধ্যান তৌদুনা য়েংবদা খঙলদুনা হায়রকই;—

"মুনি ময়াম্ পুম্নমক মসিগী দোষ অসি মহাক্না খঙদনা তৌখিবনি, মুনিশিংগী পূজা তৌকম শংসি ইনা কুপ্পুনা শাবনি, ছু অসি কুপ্পা মতম্দা মতন ঐদবদগী ইদা লিন মরুম য়াওবা ওইরম্মে অদুদা ঐহাক্না মহাকপু শাওদুনা শাপ তৌখে। নিংথৌ হায়বসিদি লাইগী শায়োন্নি অদুনা থুনমক ঈশ্বরগী চরনামৃত কংদুনা শাপ্তগী মুক্ত ওইবা ওইরগনু।" অসুম হায়না মুনি ময়ামদু মাগী মাগী আশ্রমদা হল্লখে। অসিগী তুংদা শ্রীনরায়ন গরুড় তোংলদুনা মনাইবু লানবিগে হায়দুনা লেঙঙরে। পতালদগী ভগবতী গঙ্গাবু কৌরে হায়রগা শ্রীনরায়নগী পদ যুগলগী চরনামৃতবু কংজরদুনা মুনিগী শাপ্তগী নিংথৌ অসি মুক্ত কংজখি। শ্রীনরায়নবু স্তুতি তৌ-জরম্লগা মাগী মুপী অমদি মচা মগুপা লোইননা নিংথৌ কুশনা বৈকুণ্ঠ কংজখি। শ্রীনরায়নসু মনাইবু শাপ্তগী লানবিং [illegible] হল্লখ্রে। কুশ নিংথৌবু [illegible] থুডম পীবিখি হায়দুনা তীর্থ অসিগী মমিং কৌশিকী হায়না খঙনখি। পতালদগী ঈশিং [illegible] লৈতনা ঈচেল [illegible] চেন্থখি, [illegible] ঈচেল অমনা [illegible] তুরেল হায়না খঙনখি অদুগা ঈচেল অমনা প্রয়াগ হায়না [illegible]।

ভুরেল অনি অসি জগন্নাথ কাওরি। অসিগী তুংদা শ্রীবলরামনা মহাসর তীর্থ স্নান তৌই অতুদগী সরয়ু প্রয়াগনচিংবা মথং মথং স্নান তৌই। যমুনা ঈচেল উবদা শ্রীবলরাম প্রেমগী ঈরা চৌরকই। অতুদগী হরিক্ষেত্রদা অমুক লাক্ক মফম অতুদা পৌলহ মুনিগা উনররে। মুনিনা শ্রীরামবু উবমক্তা চেং থোইদিং কৎলছনা পূজা তৌকৈ। শ্রীরামনা পৌলহ মুনিগী আশ্রমদা প্রুমিং তরানি লৈবিখি। মফমদুদা লৈবা শ্রীহরিগী মূর্ত্তি অহু উবদা শ্রীরামনা পৌলহ মুনিগী মফমদা মূর্ত্তিহু কনানা লিংখৎপনো অতুগা কনানা মূর্ত্তিদুবু পূজা তৌরিবনো হায়না হংবিখি। পৌলহ মুনিনা শ্রীরামগী মফমদা মূর্ত্তিদুগী মরমদা মতৌ করম তৌদুনা মফমদুদা লৈবিখিবা অদুগা কনানা লিংখৎখিবগে হায়বা বারী মথং শিংনা তৌরখি।

[শ্রীহরিগী বারী]

শ্রীহরিগী মূর্ত্তিসি সুবল কৌবা নিংথৌ অমনা লিংখৎলখনি। মহাক্না পানবা অসি দ্বাপুরগী মমৈদনি। মতম আস যজ্ঞগী যুগনি। মী পুন্নমক্তা শ্রীহরিগী মূর্ত্তিসি সাক্ষত দর্শন পীনবী। মী অয়াম্বনা যজ্ঞ কর্ম্মদা পুক্নিং চংই অদুগা লন থুমগী মরমদা থোইদোক্না রাখল তৌন্দে। কনা অমনা শ্রীহরিগী মূর্ত্তিবু কালরূপ ওইনা উজে, কনানা জগৎকী মপু ঈশ্বর ওইনা উজে, কনানা শ্রীমহাদেবগী মূর্ত্তি ওইনা

দর্শন কংলে, কনানা অশাওবা মুর্ত্তি ওইনা, কনানা নুপাগী মূর্ত্তি ওইনা, কনানা নিরাকার ওইনা উবা ফংলে। মহাইগী হায়না কোবা লৈবাক অমদা সুবল নিংথৌ'স পালম্মী। নিংথৌ-গীনা মচা নিপা অমত্তা পোক্তবগী মরম্না মচা নুপা অমত্তং ফংজগে হায়দুনা শ্রীমহাদেববু নিংজরম্মী। চহি কয়া চাবা থকপা নিংদনা যজ্ঞ তৌবনা উমাপাতি মহাদেব অসি মনাইবু বর পীবিরগে হায়দুনা সন্দর্ত তোংলদুনা ডমরু লৈরদুনা শ্রীপার্বতী দুর্গাগা লোইননা সুবল নিংথৌনা যজ্ঞ তৌরিবা ইকমথুদা লাক্লে। শিব মহাদেবনা সুবল নিংথৌদা হায়বিরকই,

"নিংথৌ ঐহাক নহাক্কী যজ্ঞগী প্রতাপনা থাওবা ওমর্ত্ত-দুনা নহাকপু বর পীরগে হায়দুনা লাক্লবনি, হৌজিক ঐহাক্কী ইকমদগী কৰি বর পাম্বগে হায়য়ু।"

শ্রীমহাদেবগী খোঞ্জেল তাবদা সুবল নিংথৌনা মমিৎ পাংথোকতুনা য়েংথোক্লকপদা উরদুন, শিববু স্তুতি প্রনাম তৌজে। মতম কুইনা চারক-থক্লকবা অমদি মৈগী মৈনাক্কা কপ্পা অতুমা মশাক্তু উরা শরীর, কুপত্রে। শিব মহাদেবগা দুর্গাগা লোয়নরকই হায়বা উরক্লে অতুনা দেবীবু স্তুত তৌরক্লে। শিববুদি স্তুতি তৌরগা দেবীবু থোওইদবা অতুদা দেবীনা য়াম্না শাওখি। সুবল নিংথৌনা শিবগী মকমদা মচা নিপা অমতং ফংজগে হায়দুনা বর নিজখি। মহাদেবনা পেনবিরদুনা মহাক্কা নিজবা বর অদু ফংজরো হায়না পী-বিখি। অসিগী তুংদা দেবীনা থমোয়দা শাওবদি শাওরগা

চনবান্দদি মোমোন নোক্লহুনা বত্র ওই, শাপ ওই তৌরহুনা স্তবস নিংথৌগী মচাদু চহি লক্ষ অমা পুন্সিবা ওইরস্রু অদুগা লুহোংত্রিবা কাওবা মরক মরক্তা মুর্চ্ছা ওইরু অদুগা লান্দা মপাঙল মথৌনা য়ায়া লৈবা মহাকপু মাইথিবা পীবা ভুমদবা ওইসন্ন হায়না তাকপিখি। অস্তুন্না বর পীখিরম্বা শিবা তুর্গা অনিমক লেঙখ্রে।

অসিগী মতুং থর লৈরগ রানী সুশীলা হায়বী অসি গর্ভাবতী ওইরে। সুমিৎ খুদিংগী নিংথৌনা উপস তৌদুনা ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংদা দান কয়া তৌই। তীর্থ স্নান তৌই। অগস্ত্য মুনিবু কৌরহুনা পোক্লকদৌরিবা অঙাং অদুগী জন্ম লগ্ন য়েংহল্লি। মুনিনা খুত্তা থরি পাইরহুনা জন্ম লগ্ন য়েংলদুনা হায়রকই,

"শিবগী বরদগী কর্জবা নচা নিপা অসি জগত্তা অকাওবা পুন্সি য়ায়া শাংবা, মপাঙল কনবা অমদি লান্দা মাইথীবা লৈতবা ওই। অঙাং অসি মশক মতৌ য়ায়া ফজবা বুদ্ধি গুণ য়ায়া লৈবা ওইগদৌরি। অঙাং অসি শিবগী কৃপাদগী কৃষ্ণবু নিংবা অচুম্বা ভাঙবা ওইগনি, মহাকসি শিরবমক্তদম্ন শিদবা হায়বা মিংচৎ অদু ফংগদৌরি। অদুমদি ওইরগা মশাগী দোষ অমদি লৈরে।"

মুনিগী বা তাবদা নিংথৌসিনা মথক্তাই য়ায়া নুংঙাইরবা মদুগী মরম অদু হংজখি।
মুনিনা হায়রকই,

"মহারাজ শিবনা বর পীবা মতমদা শিবতবু স্তুতি তৌখি অদুগা দুর্গাবুদি মহারাজনা উদদুনা স্তুতি তৌখিদ্রে অদুনা দুর্গাগী শাপ্তগী অত্তাং অসি লুহোংব্রিবা কাওবদি মরক-মরক্তা মূর্ছা ওইগদৌরি অদুগা লুহোংলবা মতুংদগীদি দোষ অসি লৈররোই। মসি মাগী নহানমুক মপোক্তা শ্রীহরিগী মফমদা বহিমুর্থ ওইবগী দোষ অমা লৈবননি।"

\+ \+ \+ \+ \+

কুলটা হায়না কৌবা লৈবাক অমদা উশীনর কৌবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। মহাকসি কৃষ্ণ ভক্তিদা যাম্না শাক্তা লৈ। নোংমা কৃষ্ণ জন্মগী লুমিত্তা ব্রত পূজা তৌদুনা লৈরম্মী। দুমিৎ অসিদা কান্তু মুনিসি নিংথৌ উশীনরগী কোন্থংদা লাক্লমই। মুনিবু উবদা নিংথৌনা করি মরমগী লাকপি-রিবনো হায়না হংদুনা স্তুতি তৌজে। কান্তু মুনিনা হায়রকই,

"নিংথৌ নহাক নশামক্লা হি অমদা ঐহাকপু ত্রিবেনী তুরেল অসি থর লাম্থোকপিয়ু।"

নিংথৌনা হায়জরকই,

"মুনি ঙসিদি কৃষ্ণ জন্মগী ব্রত দিন থোকই অদুনা তুরেল অদু হয়েংমক লাম্থোকচরগে, ঙসিদি ননাইশীদা লৈবিরো অদুগা ঙসিমক লাম্থোক্তবা য়াত্রে হায়রগনা ঐহাক মী শীজরগে মথোইবু লাম্থোকহল্লসি।"

মুনিনা হায়রকই,

"অতোপ্পা মীনা হি হোনবদি ঐহাক্না থাজদে মরম অদুনা নহাক নশামক্না নৌ পাইদুনা ঐহাকপু থর লাম্বোকউ।" নি খোনা হায়জরকই,

"মুনি ঐহাক্তি নৌ পায়বসু কয়া হৈজদে অদুনা ঐহাকী ইচানিপাবু লাম্বোকহল্লরগে।"

নিংথৌগী য়া অসি তাবদ, মুনিসি ক্রং হেক শাওরদুনা নিংথৌদা শাপ তৌরকই,

"হায় নি থৌ উশীনর! ঐহাকী অশাওবসিনা মুক্তি অমা ওইনা চোংথোক্লসনু, মুক্তি অদু অকিবগী মশক ওইবা চাওরবা ওইরসনু মদুনা নহাকী লৈবাকসি ছাড়থার ওইহনসনু অদুগ মুক্তি অদুনা নিংথৌ নহাকী নকোকতু চথোম অমতদা য়োংহনসনু।"

মুনিগী শাপতুগী থুদক অদুগক্তদা অকিবগী মশক ওইরবা মুক্তি অমা চোংথোক্লক্লে। মুক্তি অদুগী মশাদু চীংদুম্মক চাওই, কুচু মুই, মশিং অনিদু ভাংশং ভাংই, মথোঙ অদুনা পৃথ্বিথক্তা অমুক্তং থাবদা পৃথ্বি অসি থক-থক নিকই। মুক্তি অদু উবদা প্রজা পূমমক কায়দুনা ভম্না চেল্লবে। উশীনর নিংথৌনা মখুৎ লোম্বরদুনা ঈশ্বরবু ধ্যান তৌদুনা লৈরে। শ্রীহরিনা মনাই ভক্তবু কনবিগে হায়দুনা গরুড় তোংলদুনা মকম অদুদা থুংলরে। শ্রীহরিগী চক্রনা মুক্তিদু মতুপ মতুপ থোক্না ককথৎলে। চক্রগী মৈশানা ফাল্ল মুনিদু থাওবা ভমদ্রদুনা লৈপাক্তা থরো-থরো ওল্লে। মুনিনা কিরদুনা

শ্রীহরিবু খুরমজয়কই। শ্রীহরিনা চক্রহ্ হন্জিনবিরে। উশীনর নিংথৌনা শ্রীহরিগী চরন্দা খুরমজরদুনা হায়জরকই;

"হে প্রভু! ইবুংঙো নহাকপু মতম অশুক কুইবসি উবা ফংজরক্কে্ববনি, ইবুংঙো নহাকী দর্শন ফংজদবনা ঐহাকী থমোইদি মৈগী কুণ্ডদা লৈবগুম লৈজরক্লবনি নমাইবু চান-বিদুনা কৃপা পীনবিরু।" উশীনরগী রা তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপিরকই,

"চিন্তা তৌগনু নিংথৌ, ঐহাকী মূর্ত্তি অসি মতম পুম্বদা নহাকী নকমদা লৈরগনি, কলিগী যুগতদি ঐহাক মৌন ওইদুনা রা ঙাওরোই। মপোক অদুদা মন্দির অমা শারগা ঐহাকী সেবা তৌবা ফংজৌ, ঐগী সেবা ফংলগা নহাক পুন্য ফংবা ওইসনু।"

উশীনর নিংথৌনা অমুক হায়জবকই, "মতম অদুদদি ঐনা ক্ষেত্রি বংশদা পোক্লরগদৌবনিনা ইবুংঙো নহাকী সেবা অদু ইথুংমক্লা তৌবদি ফংজররোই।"

শ্রীহরিনা মনাইগী রা তারবদা কাম্ভ মুনি য়েংলদুনা তাকপিরকই, "উশীনর নিংথৌনা মপোক অমদা অমুক পোকপা মতমদা মুনি নংনা ব্রাহ্মন কুলদা পোক্কনা ঐহাকী সেবা অমুক ফংবা ওইগনু। নহাক্লা ঐহাকী ইনাই উশীনরগী মফমদা অপরাধ ওইবা থবক তৌরুরে অদুনা নহাক অসে বৈষ্ণবকী মফমদা লাঞ্জবা হায়বদু ওইরে

অদুগুবা অপরাধতুগী ফলনা ভাইহাক নহাকপু অপনবা পীরুরে। ব্রহ্মা, মহাদেব লক্ষ্মী সরস্বতী হায়রুনা লৈরিবা লাহ পুম্নমক ঐগাকী মুংশিজবনি। ব্রাহ্মন মু'ম হায়রুনা লৈরিবশিং অসিমু ঐহাকী মুংশিজবনি অদুম ওইনমক পুম্নমক অসিদগী ঐহাক্তি বৈষ্ণব মুংশিবন' ইহেল হেল্লি। মরম অসিনা ঐহাক্না মতম পুম্বদা বৈষ্ণবকী মকমদা লেগুকনা লৈ। ঐহাকী মূর্ত্তিনা উশীনরগী মকমদা লৈগে অদুগা নহাক্না পর জন্মতুদা ব্রাহ্মন কুলদা পুলহ হায়না কৌদুনা পোক্লগা ঐহাকী মূর্ত্তিতুগী সেবা ফংজবা ওইমু অদুদগী নহাক্না শিরবা কান্দ নহাকী বীর্য্যদগী পোলহ পোক্ক'না ঐগী মূর্ত্তিদু অমুক সেবা ফংবা ওইসগু।"

অশুম হায়না বর পীবিরম্মগা শ্রীনরায়ন লেঙ্খি। মতো অশুম তৌরদুনা নিংথৌ উশীনরনা শ্রীহরিগী মূর্ত্তিবু লিংখৎচখি অদুদগী মহাক্না শিরবা মতমদা মচানিপা দক্ষনা শ্রীহরিগী মূর্ত্তি অদু অমুক্ লাৎচখি। ঋবনশিংনা দক্ষগী লৈপাক্ অদু থুগাইরদুনা মাং তাক্লবা অদুদা চৌংগী লোক অমদা লৈপাক মহুৎদা মূর্ত্তিদু ফুমদুনা থনম্লগা দক্ষমা চেংখি। উশীনর হায়বা নিংথৌদুনা হন্দকী মপোকসিদা সুবর্ণ নিংথৌগী মচা বীরহরি হায়মা কৌদুনা পোক্লগদৌরি। মহাক্না ত্রিকূট কোবা চৌংদগী শ্রীহরিগী মূর্ত্তি পুরক্ক'না কাম্ভ মুনিনা মতম অসিদা পুলহ কৌদুনা মূর্ত্তিগী পুজা তৌরগদৌরি। বীরহরিসি মতিক মগুন লৈবা, মিংচৎ ফবা মপাঙ্গল কনবা মহাক্

ওইবা অমদি কৃষ্ণ ভক্তিদা পুক্নিং চঙ্‌বা নিংথৌমচা অমসু ওইরগদৌ'রি। অদুগুম্বা উশীনর নিংথৌনা মহাক্কী বংশ অমনা শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা বহির্মুখ ওইবা থবক তৌথিবা মরম্না মঙোন্দা বর্হিমুখ ওইবগী দোষ অমদি লৈরে। বীর হরি অসিনা মপোক অমদা অমুক কুন্তীগা গর্ভদা চংহুনা সূর্য্যদেবগী মচা কর্ন ওইনা পোক্লগনি। মহাক্কী দোষ অমনা কল্লবা দুর্য্যোধমদা তিন্নররগনি। মহাক্না শ্রীকৃষ্ণগী মনাই ওইবা অর্জ্জুনগী মথুক্তা থরাই থাবগনি। মপোক অমদা অমুক উত্তরাগী গর্ভদগী আভিমন্যুগী মচা পরিক্ষিত ওইনা পোক্লগনি।

× × × × ×

সুবল নিংথৌনা সুশীলাগী গর্ভদগী অঙাং অমা ফংজরে মচানুপাসি পোক্লবদা অগস্ত্য মুনিবু কৌহনা মহাযজ্ঞনচিংবা তৌহনা অঙাংহুগী নাম করন তৌহনা মহাক্কী মমিং বীরহরি পোকপদগীনা চহি কয়ামরুম বীরহরিসি মরক মরক্তা শ্রীদুর্গাগী শাপ্তগী মশক ওহু তাইফেং তাইহুনা মমিং অনিমক অদু ওনথত্তুনা অশিবগী মতৌগুম হেক-হেক মুর্চ্ছা ওই। মতৌহু উবদা রাজ রানী অনিমক্না থরাই রাহুনা কপ্পী। অগস্ত্য মুনিনা শ্রীদুর্গাগী শাপ্তগী তৌরিবনি হায়হনা থেম-ভিল্লি। অঙাং অসিনা চাওরক্লবদা প্রশুরামগী মফমদা ধনুর্ব্বিদ্য তমহনগে হায়না থল্লি। বীরহরিনা চাওরক্লবদা প্রশুরাম গুরুগী মফমদা ধনুর্ব্বিদ্যা তমজখি। বীরহরিগী

বুদ্ধি লৌশিং চংখোনবা, মপাঙ্গল মখৌনা লৈবা উবদা শ্রীরামনা অপেনবা হায়বত্ত ওই। প্রশুরাম গুরুনস্থু নিংথৌমচা অমনা হৈবা হৌনবা লানগী মহৈ পুম্নমক বীর হরিদা তন্বীত্তুনা হৈরে।

নোংমদি প্রশুরামনা স্থবল নিংথৌগী মক্ষমদা বীর হরিগী মপাঙ্গল মখৌনা লৈবা অমদি লান্দা হৈশিংবত্তু য়েংননবা রঙ্গ ভূমি অমা শেমউ হাযনা তাকপিরম্মী। গুরুগী য়াথং মতুংইন্না নিংথৌনা পাক-চাওরবা রঙ্গ ভূমি অমা শেমলে। অসিগুম্বা রঙ্গ ভূমিংগী মাইকৈ মরিমক্তা প্রজা পুম্নমক চোম্না তিল্লে। শ্রীরাম মপু মনাই অনিমক রঙ্গ ভূমিদা চংলত্তুনা খুংলাই ঔরাইনবা হৌরক্লে। শ্রীরামনা কাপ্পা তেল বীাচবনা ওাকংাাকই, বার হরিনা কাপপা তেল শ্রীরামনা গুাকই। অশুব তৌঢনা মপু মনাই অনিগী তেলতনা আকশসি পুস্নম মম্মী। শ্রীরমনা অগ্নিবান কৌবা মৈগী তেল অমা তেঙ্গা খোংলহুনা বীর হরি তম্না কাপ্লকই। তেল অদু কাপগোক্লবপা মতমদদি প্রলয়গী মশক ওইবা মৈনা বীর হরি তম্না পাইশিল্লক্লে মতু উবদা বীর হরনা বর্ষাবান কৌবা নোংগী তেল অমা কাপ্লকই। অদুগুম্নবা বর্ষ বান কৌবা তেল অদুনা নোং মপৈ অমা চুথহল্লত্তুনা মৈ অদু মুথৎলি। শ্রীরামনা অমুক সর্পবান কৌবা তেল কাপ্লকই! তেল অসি তেঙ্গা খোংত্তুনা কাপথোক্লকপা মতমদদি তেল অমা ওইনা উই অংবু পাইথোক্লকপা মতমদদি লাইরেন

লাইরেলমুক চাওরবা লিন্‌শিংগী মপৈ অমনা ময়া কাথৎলদুনা বীর হরিবু য়োৎলগে হায়দুনা পাইশিল্লক্লে। কুমৈ য়েংদুনা লৈরিবা প্রজা ময়ামদুনা বীর হরি শিরে হায়না লাওনরকই। বীর হরিনা গরুড় বান কৌবা তেগ কাপ্পুনা কক্থৎলি। রামনা ভিন্দি পাল কাপপী মদু গোথড়বাননা ককথৎলি। রামনা মুংশিৎকী তেল অমা কাপপী বীর হরিনা চ গী তেলনা ঙাকথোকই। অককপা তেলশিংগী মপৈতনা রঙ্গ ভূমিদদা চীংদুম চীংদুম্মুক চাওনা পৈনরক্লে। অসিগী তুংদা শ্রীরামনা তেল অমা কাপ্পুনা চাওরে হায়বা উ পাম্বী অমা মরু-মশাগা লোয়ননা উরু-উরু লৈদুনা পুরক্লে হায়রগা বীর হরিগী মথক্তা হাইথরক্লে। মদু উবদা বীর হরিনা তেল অমা কাপ্পুনা উ অদু অমুক্ পুহনখিদুনা হান্নগী মফমদদা থাজিল্লুরে। বীর হরিগী হৈশিংবদু উবদা শ্রীরাম অমদি লৈরিবা প্রজা পুম্নমক্না প্রসংশা তৌই। লান ঐ ইবা লোইরবদা মপু মনাই অনিমকস্তু মাগী মাগী আলয়দা হনজিনখি অদুগা কুমৈ য়েংলম্বা প্রজা পুম্নমকসু মাগী মাগী য়ুমদা হন্নখি। বিদ্যা তম্বা লোইরবদা সুবল নিংথৌনা গুরু দক্ষিনাগী মশক ওইনা সনা লুপা ১দি যনবী কয়া শ্রীরামদা কৎচৈ। শ্রীরামসু মনাইবু পেনবিরদুনা বর পীবিখি। অসিগী তুংদা শ্রীরামনা বীরহরিবু বিদায় পীবিরম্মগা নিজালয়দা হনখি। মতম অসিদা বীর হরিসি যৌবনগী অবস্থা ওইরব্রদুনা মশক মতৌ য়াম্না ফজবা হায়বদু ওইরক্লে।

নোংমা স্বয়ম্বর নিংথৌনা রাজপুরদা অতম অথৌ মচাক থিরগদুনা, লৈরিক্তে মতমদা হুতনা চিঠি অমা পুদুনা লাক্লমী। হুত অদুনা স্বয়ম্বর নিংথৌবু খুররুমদুনা চিঠি অদু কংশিল্লি। চিঠিদু ফাক্তুনা য়েংবদা ক্ষেমাঙ্কর নিংথৌগী মচানুপী রাজ কন্যা অদুমগী শয়ম্বর তৌগদৌরিবা মতুংদা মাওবিরুনবা নিমন্ত্রণ ওইরমলে। সিংহপুরদ ক্ষেমাঙ্কর হায়বা কোবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। নিংথৌ অনিনা পোক্পা রাজ কন্যা অদুম লৈরম্মী। মথোর অদুমগী মমিংদ—অদুনগী মমিংনা মহেশ্বরী কৌই, মাইমনা রেবত কৌই, অতোপনবী অদুনা কমলা হায়বা কৌই। রাজ কন্যা অদুমসিগী স্বয়ম্বরগী দমক হায়দুনা তাবু-গিরি কৌবা চৌংগী চৌংদোলা। য়ুমথী অমা য়ুংলমী হায়রিবা য়ুম্বীহুগী মতোন্দা থাপ্রাংচাক হায়বা কৌবা উচেক অদু শারদুনা তোংহল্লি। উচেকসিগী মথক্তা চক্র অমনা উক-উক লৈদুনা লৈহল্লি। মতৌ অসুম তৌরদুনা রর্ষাগিরিগী চৌং-দোন্দসু তাম্বুগিরিদা থিল্লিবা য়ুম্বী অদুগা চপ মান্ননা থিল্লি। চৌং অনিসি যেজন চাম লাপ্পী। লক্ষ করদৌরিবা ময়া অদুনা চৌং অনিসিগী ময়াইদা লেপ্লগা তেনু খুৎকাপ অমত্তা য়ুম্বী অনিদুগী মতোন্দা তোংলিবা উচেক অনিদু ক্রক্তুনা থাদগদৌরিবনি। মদু ঙম্বা নিংথৌমচা অদুদা রাজ কন্যা অদুমদু বিবাহ তৌদুনা পীগদৌরিবনি।

সিংহপুরগী ফজবসি অমুক শিংথাদুনা লোইরম্বা ওয়া নত্তে। যজ্ঞ কুণ্ডগী ঘী থাও চাকপগী মৈথু অদুনা স্বর্গলোমদা

পরেং পরেং কাখৎলি। মাগুব অত্থগী মচি মচিদা ধুপ থাবগী মৈথুত্থনা মাগুব অদু ইমম্ মমহল্লী। মাগুব অত্থগী অকোয়বা মাইকৈ মরিমক্তা হৈ-লৈ কয়া কয়া শাৎহল্লি। মকম মকম নাইনা নিংথৌশিংনা লৈননবা কজরবা য়ুম কয়া শারি। লাক্লিবা নিংথৌ ময়ামত্থগী চাননবা হায়ত্থনা সন্দেশ কয়া লাংঙি। পুং যৈবনা পুং-য়ৈ ইশৈ শকপনা ঈশৈ শকপনা ঈশৈ শকই অদুগা জগোই শাবিশিংনা পুংলোনগী মতুং ইন্না মহাক মহাক্না হৈজবা পুথোকক্নুনা জগোই শারি। দেশ কয়াগী নিংথৌনা শয়ম্বরগী নিমন্ত্রন ফংলত্থনা শয়ম্বর য়াওবা লাকই। নিংথৌ দ্রুপদ, কলিঙগী দাসরাজ, মগধগী বিজয়সেন, বৃষধ্বজ, সৌম্যদী, উগ্রচণ্ড, উগ্রসেন, সত্যকী দন্তবক্রনচিংবা কল্ল-কল্লবা নিংথৌশিংনা শয়ম্বরদু য়াওবা লাকই। অসোমদা সুবল নিংথৌনা বীর হর্ষরগী মপাঙ্গল মথৌনা য়েংগে হায়ত্থনা শগোল, শামু, রথ দোলাই অমদি খোঙমী লানমী অকনবা কয়াগা লোইননা শয়ম্বর অদু য়াওননবা থারকতুনা সিংহপুরদা থুংগ্রে। ক্ষেমাঙ্কর নিংথৌনা তিল্লরিবা নিংথৌ ময়ামদু মহাক মহাকা মতিক মগুন য়েংদুনা সেবা তৌই।

মুনি ঋষি পুন্নমকসু শয়ম্বরগী নিমন্ত্রন ফংদুনা ওয়া থুংলরে। বৃহস্পতি, শুক্রাচার্য্য, অগস্ত্য, গালব, ভৃগু, সৈন্ধবাচার্য্য, বকদন্ত জলমুদ. লোমশ, সনক, মরিচ্য, কৌণ্ডিল্য শ্রীদুর্ব্বাসা অমদি সাণ্ডিপন হায়রিবা মুনি পুন্নমক্না সিংহ-

পুরদা থুংলরে। যজ্ঞ কুণ্ড অদু থল্লা থল্লা ব্রাহ্মনশিংনা হোম পৌরি। রাজ কন্যা অহুম্মা নিংথিনা ফিজেৎ ফৈতেংলদুনা নব-পুষ্পমালা পায়রদুনা মাগুবকী নাকল অমদা লৈ। রাজ কন্যা অহুমগী মশক মতৌ ফজবদু উবদা নিংথৌ পুম্নমক্না বিমোহিত ওইদুনা তুমিন তুমিন লৈনৈ। শয়ম্বরগী মতম্ ওইরদুনা ক্ষেমাঙ্কর নিংথৌনা সভা ময়াইদা চংদুনা, চক্রদু ককপিননবা হায়জরকই। অহানবমক্তদা সৈন্ধব নিংথৌনা চক্রদু ককে হায়দুনা লীরুং তেন পাইদ্‌না চংঙক্লে। তেল অনি অমুক্তদা তেঙ্গা থোংদ্‌না মুখী মতোন্দা তোংলিবা ঝিলরী অদ্‌ তমদ্‌না কাপলকই তেল অনিদ্‌না পাইখিদ্‌না পুল্লপা রর্ষাগিরি চৌংগী চৌংথোংদা য়েশিন্দুনা তারে। মদ্‌ উবদা তিল্লিবা নিংথৌ ময়াম্না রা-রা লাওনা নোক্লরকই। সৈন্ধব নিংথৌ ইকাই ইকাইনা মমাই লুকথরদুনা হন্‌জিল্লকপা মাগী কমকমদা চংদুনা কমখি। অহুম তোদুনা নিংথৌ পুম্ন-মক্না কাপ্পা তেলশিংদ্‌ চক্র লানথৎপা ইত্তম ত্তমদনা মাগী মাগী কমকমদা চংদুনা কম্লখি। অসিগী তুংদা গঙ্গাগী মচা ভীষ্মদেবনা তেল অনি তেঙ্গা থোংদুনা কাপ্লকই। তেল অনিমক অদুনা চক্র কাওদুনা তারুই অদুগা ঝিলরী অহুমক্তি ককপা ত্তমখিদে। তিল্লিবা নিংথৌমচা পুম্নমক্না ভীষ্মবু থাগৎনৈ।

অসিগী তুংদা বীর হরিমা থুত্তা জিরুং পাইরদ্‌না প্রশু-রাম গুরুবু পুক্লিংদা থুরমজদ্‌না ভাদুগিরি অমদি বর্ষগিরি

হায়রিবা চীং অনিদু তম্মা লাক্লে। কনাগুম্বা নি খোমচানা হায়রকই,—

"অশুক নৌরিবা পাজল অসিনা মিশরী অনি ককপা ঙম্মা হোৎলে।"

কনাগুম্বা অমনা অমুক হায়রকই,—

"বীরহরি হায়বা নিংথৌমচাসি অকনবনি, মহাক্না শোইদনমক লক্ষ অসি ককপা ঙমগনি।"

অসুম হায়না নিংথৌ মচাশিং অমদি রথী পুম্নমক্না মহাক্না মহাক্না থোকপা পংহায় হায়নরকই। বীরহরিগী চহি ১৬ শুরকপগী মশক মতৌ ফজবদু উবদা রাজ কন্যা অহুম অদুসু মহাকুপু মপুরোইবা ওইনা ফংজগে হায়দুনা ঈশ্বরগী মফমদা প্রার্থনা তৌজরকই। বীরহরিনা অমুক্তদা তেল অনি তেঙ্গা থোংলুনা মুখাগী মতোন্দা তোংলিবা উচেক্তু তম্মা কাপলকই। তেল অনিদু অমনা নোংপোক পাংনা অতোগা অমনা নোংচুপ পাংনা পাইখিছুনা উচেক অনিতুগী মঙক কক্তুনা থাদুরে মতু উবদা মাইকৈ মরিমক্তা ফমলিবা নিংথৌ মচা ময়ামতুনা বীর হরিনা জয় ওইরে হায়না লাওনরকই। মুনিশিংনা অমমম ওইনা বীরহরিবু মঙ্গলাশীর্বাদ পীবিরকই। মতু উবদা ভীষ্মদেবনা খল্লকই,—

"ঐহাক্তি মপোক অস্রিমগী বিবাহ তৌররোই হায়না হায়না বাশকপ্রবনি মতুনা মরম ওইদুনা ঐহাক্না উচেক

অসিগী মতম ককথিদবদি অহুম ভাইনমক রাজ কন্যা অহুমসি ঐখী ইনাওজীদমক লৌবিগে, অমরোমদগী কেত্রি মচাশি কেত্রিগী ধর্মনা পাখোম পাকলনা ফুদুনা লৌবা য়াই।

থসি থরুহনা ভীমদেববা বীরহরিরোমদা ওনশিনহনা হায়রকই,

"তাও হে বীর হরি! ঐহাকী ইমাওজীদমক রাজ কন্যা অহুমহু লৌগ্রোবা তারি। ঐহাক্না হায়রিবসিদা নহাক্না য়াথিংত্রবদি নহাকা ঐহাকা লান তৌবা তাই মতুংদা অঙবা অহুনা রাজ কন্যা স পুনদি। মসিদা নহাক্না ইয়া-মরাত্রবদি মচকুম্ কক্তুনা থমাজদা থারগনি।"

"ভীমসেনবগী য়া অহু তাকনা নিংথৌ পুন্নমক্না য়ারা শাওনরকই অদুগা ফুনি পুন্নমক্না ওন্না শাওহনা চৎনখরে। ভীমগী অত্যায় ওইরা বাহে অতুদা বীর হরিনা রথ মথক্তা কাথৎলহনা অকনবা লাম্না পাবা হৌনরক্রে। ভীম বীরগু গদাগী গর্জনা পোকপা অমদি গদাগী বরদগী মাইথীবা লৈথরোইরবা রথীসি অহুনা বীর হরিসু শিবগী করমগী মাইথীবা লৈত্রবা মহাবীরনি। ভদনা ঘুর্নিবান কৌবা তেল অমা নাখোং বাংমা লাম্না চিংলগা বীর হরি তমহনা কাপ্লকই। তেল অহুনা পাইশিনখিহনা বীর হরিগী রথকী চাকাহুদা শারে। তেজ অহুনা পাকথমক্তুদা রথ অহু আকাশতা পুথক্তুনা চক্রগী মতৌগুম্না উরু উরু লৈরে। বীর হরিনা গদা অহু লৌথক্তুনা মন্ত্র অমা শোল্লগা ভীমগী

তেল অদু ফুদেক্লে অত্তুদা রথ অদু হাম্লগী মতৌগুম্না লৈপাক্তা তারকই। অসিগী তুংদা বীর হরিনা শাওরদুনা অমুক ঘূর্ণবান কৌবা তেল কাপ্লকই তেল অদুনা ভীষ্মগী রথকী চাকাদা অমুক পাল্লে। হাম্লগী মতৌগুম্লদুনা ভীষ্মগী রথ অদুস্থ আকাশতা লৈদুনা পাইথৎলক্লে অদুদা ভীষ্মবীরনা মন্ত্র অমা শোন্দুনা রথতু হাম্লগী মফমদা পুথরকই। মহারথী অনিগী অকনবা লান অদু উবদা প্রজা পুম্নমক হা-হাকার লাওনৈ। আকাশতস্থ স্বর্গগী লাইয়াম পুম্নমক লানগী কুম্মৈ য়েংগদবগী মাগী মাগী রথদা তোংলদুনা ঙম্না থুংলরে। ভীষ্মনা অগ্নিবান কাপ্পী। তেল অদুনা লম্মৈ ওইরদুনা বীর হরিবু চাকথেক্লগে হায়বা মতাগুম পাইশিল্লকই। মদু উবদা বুম্মৈ য়েংদুনা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক্না বীর হরি চাকপা তারে হায়দুনা খল্লরকই। বীর হরিনা বায়ুবান কৌবা মুংশিংকী তেল অমা কাপ্লকই। তেল অদুনা কল্লবা মুংশিং ওইরদুনা অচাকপা মৈ অদু ভীষ্মগী মাইকৈরোমদা অমুক পাইশিনখ্রে। ভীষ্ম বীরনা বর্ষবান কৌবা নোংগী তেল অমা কাপ্তুনা মৈ অদু মুথৎলি। মহাক মশানা কাপচবা খুৎলাই অদু মশানা ককথৎচবা অদুদা ভীষ্মবীর ইকাইখি।

অসিদগী ভীষ্ম বীরনা শাওরদুনা খুরশানবান কৌবা তেল অমা কাপ্লক্তুনা বীর হরিনা পায়রিবা লিরুং অদু অহুম থোক্লা ককথৎলি। বীর হরিনা অকরুপা লিরুংদু

ছন্দোরুগা অতোপ্পা লিকং অমা লৌতুনা লিরি পানগে হাযনা হোৎনরকপা অদুমক্তদা ভীষ্মগী তেল অমা হায়-জিল্লক্তুনা বীর হরিনা লিবি পানগে হোৎনরিবা লিরুং অদু অদু অমুক ককথৎলে। বীর হরিনা লিরি পানগে হায়দুনা হন্না হন্না হোৎনবদা ভীষ্মদেবনা হন্না হন্না ককথৎলে মদু উবদা বীর হরিনা অক্ষয ধনু কোবা অমাও-অতা লৈত্রবা লিরুং অদু তাপ লৌখত্তুনা নমতুনা লিরি পাল্লে। ভীষ্ম-দেবনা লিক হু বকে গাথদুন হন্না-হন্না হোৎনরবদসু লিরুং অদু ককপা ওমদ্রে। অদুদগী বীর হরিনা ধ্বংশ কোবা তেল অমা ভীষ্ম তম্না কাপ্লকই। তেল অদুনা হাযজিনখিদুনা ভীষ্মদেবগী রথ অদু মতুপ মতুপ থেক্লা থুগাইরে। ভীষ্মদেবাস রথ য়াওদনা কৈ পাওা কেপ্তুনা কৈরে। মতু উবদা বীর হরিনা রথ যাওদ্রবা অমদ খুৎলাই যাওদ্রবা রথীদা খুৎলাই থাবা হৌনদে হাযতুনা তেল কাপ্প লেপ্লে। মতৌ অসি উবদা কুণ্ডি নিতৌনা রথ অমা ভীষ্মদেবদা পীরে অদুদগী খুৎলৈ থুনা ভীষ্মনা বাণ হবি তমতুনা ধ্বংশবান কাপ্লকই বীর হরিনা মদু বিদ্ধিপাওনা ককথৎলে। ভীষ্মনা দিব্যবান কাপই; তেল অদুন হাযজিনখিদুনা বীর হরিদা পাল্লি। বীর হাপনা ওহথংবা খুৎনা তেল অদু শত্তোক্তুনা হুন্দোকই অদুদগা অশাওবগা লোইনদা বীর হবিনা খুরশানবান কোবা তেল অমা কাপ্লকই। তেল অদুনা ভীষ্মগী দেহদা থাবদা ভাইহক জ্ঞান মাঙদুনা রথ মথক্তা থাগুই। অসুম তৌরদুনা

অমনা কাপ্পকপা তেল অদ্ অমনা ককই, ওাকপা ওয়্-হৌদবা অদুনা পাম্বোমদা, কৈগন্দা পাল্লি। রথী অনিমক্তী হকচাং পূম্নমক ঈনা পুমঙাং ঙাংই। অস্তুম তৌদুনা মখোয় অনিনা শোক্লরকপা লাল অসি থুমিৎ মরিনি শুরে। শিব মহাদেবনা শন্দম্ভ তোংলদুনা ত্রিশূল পাইরদুনা শ্রীদুর্গাগা লোয়ননা আকাশতা কুম্মৈ য়েংলি। গঙ্গা অসি ওসাইমখৈ শিবগী জটাদা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরম্মী। মচাগী অৱাবদুদা খাঙবা ওমত্রদুনা জটাদগী কুমথরক্লদুনা শিবগী মমাংদা মথুৎ অনি লোয়রদুনা মচা ফীম্নমা লান অদ্ ওমহনবিয়ু হায়জরকই।

শিবনা গঙ্গাদা হায়রকই,

"ভীষ্মনা লান ওম্বা য়ারোই মরমদি বীরংরি হায়বা রথীসি ঐহাক্কী বরদগী লান্দ মাইথীবা লৈত্রবনি অদুগা গঙ্গা নহাকী নচা ভীষ্মসু নংগী বরদগী মাইথীবা লৈররোইদোব ন। নহাক্কা নচাগী মঙ্গল ওইবা পম্নবদি নহাক নশামক চত্তুনা মহাকপু সত্য তৌহল্লগা লান লেপ্পবা তৌহল্লু মদুনা নচাগী অফবা ওইগনি।" শিবগী ৱা তারবদা গঙ্গানা স্বর্গদগী কুমথরক্লদুনা ভীষ্মদেবগী মমাংদা থুংলরে। ভীষ্মদেবনা মমাবু উবদা খুৱমদুনা কৱি থবক্তী লাকপীরিবনো হায়না হঙ্গৎচরকই। গঙ্গানা ভীষ্মগী মফমদা বর অমা নিগে সত্য তৌ হায়রবদা মমানা নিংবা অদু থুংনববা হোৎনজগে হায়না ভীষ্মনা সত্য তৌরকই। গঙ্গানা ভীষ্মদেবগী মফমদগী

লান তৌররোই হায়বা রাশক লৌরগা স্বর্গদা অমুক হনখি। অশোমদা ভীষ্মনা বীরহরিগী মকমদা মমাদা লান তৌররোই হায়না রাশকপ্রে অহুনা রাশক মতুংইমা লান তৌরুসি হায়না হায়রুখি। বীরহরিনসু য়ারহুনা রথী অনিমক খুৎলাই থাগরহুনা লান লেপলে।

অাসদগী ভীষ্মদেবনা মনাও বিড়শাসি ১দি অনুশাসি অনিমকা লোইনরহুনা হস্তিনাপুরদা হনখি। দন্তবক্র, কাল-ঞ্জয়নচিংবা নিংথোমচা পূম্নমকসু বীরহরিবু প্রশংসা তৌরম্মগা মাগী মাগী রাজপুরদা হম্নখি। সুর্যদেবনা বীরহরিগী মপাঙ্গল মথোনা অহু উবদা পেল্লহুনা মপোক অমদা মচা ওইনা পোকউ হায়না বর পীখিখি। স্বর্গদা কুম্মে শ্নেংহুনা লৈরিবা লাইম্নাম পূম্নমক্না বীরহরিবু অাশীর্ব্বাদ পীখিখি।

অসিগী তুংদা ক্ষেমাঙ্কর নিংথোনা বীরহরিবু নিজপুরদা পুশিল্লহুনা অমুক হম্না বিবাহ কর্ম্ম লাওখি। মমাক ওই-গদৌরিবা বীরহরিগী মতিক মগুন, মথোনা উবদা ক্ষেমাঙ্কর নিংথৌ য়াম্না হরাওজে। নিংথোনা বীরহরি ১দি রাজ কন্যা অহুম্না লৈননবা হায়হুনা নিংথিরবা য়ুম অমা শাহল্লি। মতৌ অসুম তৌরহুনা ইন্দ্রপুরদা কাম অমদি রতিনা লৈবগুম্না বিরহরিবু রাজ অহুম্না সেবা তৌহুনা য়াম্না নুংঙাইনা লৈখি। মতম থর ক্ষেমাঙ্কর নিংথৌগী দেশতা লৈরবা তুংদা নোংমদি মাগী ভর্য্যা অহুমদা মাগী দেশ মহাজট্টদা হল্লসি হায়রকই। মতৌ অশুম তৌরহুনা মকু-

মনেম অমদি সিংহপুরগী প্রজা পুম্নমক্তগী বিদায় লৌরদুনা ভয়্যা অহু:গা লোয়নরদুনা বীরহ'রিনা মহাহট্ট দেশতা হল্লকই।

মতৌ অসুম্না লাকপা অসিনা চীং কয়া বন কয়া লাংেক্ত্না হুমিৎ কয়ানিংরুম লা'ক্ল। নো'মা ঈশিং ইচেল মচা অমগী ময়াদা ময়াম পোত্থ দুনা লৈরিবৈ মতংদ মক্তম অদুদা নারদ মুনি লাক্লমই। মু'নবু উবদা বীরহরিনা মখুৎ অনি লোম্নরদুনা মুননা মক্তম অদুদা লাবপিংগী মরম হংজরকই। নারদ মুনিনা হায়বিরকই, "ত্রিকুট কৌবা চীংগী লোক অমদা শ্রীহারগী মূর্ত্তি অমা ফুমদুনা লৈ। মূর্ত্তি অদু নিংথৌ নহাক্লা পূর্ব্বজন্মদা উশীনর কে'দুনা লোকপা মতমদা মূর্ত্তিদু লিংখৎলম্বনি। হৌ'জক মূর্ত্তি অদুনা নং-গ্রৈবু লাকপা ঙাইদুনা লৈবি। ত্রিকুট হায়রিবা লম অদু মক্তম অসিদগী চৎপনা হ্মামৎ তরাংগী লম্বা ওইগ'ন। মক্তম'দুদগী মূর্ত্তিদু লৌরুননবা শগোল শামু রথ লোলাই পুরুবগী থোইদোক্লা কাম্নরোই মরম অদুনা হ্মপ্পা তর'দং লোয়নখি'সি।" অশুম হায়রদুনা নারদ মুননা মাং থারদুনা ত্রিকুচ চীং তম্না লাক্লে। চীং অসি যৌবংদাইদা বন অমা লৈ বনসিগী ময়ায়দা চাওরবা পুখ্রি অমম্ব লৈ। হায়রিবা পুখ্রিগী মপান্দা ধুম্নাক্ষ হায়না কৌবা হি চাবা অমা লৈরম্মী। হিংচাবা অদুনা ময়াম লাকপদু উবদা ময়াম-লোমদা ওনশিল্লদুনা হায়রকই,

"নখোই কনা কনানো অত্থগা মকম কদাইদা করি ভৌবা চৎলিবনো ?"
বীরহরিনা হায়রকই,—

"ঐহাক্কী ইমিং বীরহরি কৌই সুবল নিংথৌগী মচানি। মকম অসিদা শ্রীহরিগী মূর্ত্তি লৈপাক্তা ফুমদুনা লৈ মদু লৌগে হায়দুনা লাকপনি।" নারদ মুনিনা লোয়না বীরহরিগী ন'কোংদা চংশিল্লগা হায়রকই,

'রাজকুমার হিংচাবসি য়াম্না তমথিবা হিংচাবনি ঐখোয় পুম্নমক মঙোন্দা হাশজসি।" মুনিগী রাসি ভাবদা রাজকুমারনা অসুম্না হায়রকই,

"মুনিদেব ঐহাক সুবল নিংথৌগী মচানি অদুগা প্রশুরামগী মনাইনি অসিগীসু মথক্তা মুনিসু য়াওখিল্লি অদুনা ঐখে য়না কনাবু কিরগদগে ?" নারদ মুনিগা বীরহরিগা ভাওনরিবা অসি ধূম্রাক্ষ হিংচাবনা মহাকপু কিবদগী ভাওনরিবনি হায়না থম্লদুনা হায়রকই,

"মহাশয়শিংনা কিরিবা অদু কোক্লনবা ঐহাক হায়-বিগে; নখোয়না ঐগী ইকমদা চংজরবদি থরাই কনবিগনি অদু নত্রবদি নখোয়গী থরাই লৌবা তারে।"

হিংচাবগী রা অদু তাবদা বীরহরিনা করিমত্তা থওইবা ভৌদনা পরপ পরপ চংশিল্লে। নারদনচিংবা ময়ামছুদি কিবনা থক-থক নিক্লে। হিংচাবা অদুনা ময়াম্না চৎকদৌরিবা

লুপ্তেল অতুদা মখোঙ মখুৎ তিংথোক্লহুনা কুরি অমত্তা নিংঙাইবা তৌদনা লম্বী অহু থংলয়ে অহুগা হায়রকই,

"নখোয়না লম্বীসিদা চৎকে হায়রবদি ঐহাক্কী কুমাংদা লিত্তুনা লিঙ্গদা থুরম্লগা চৎলু। হিংচাবগী য়াঙাঙ অতুদা বীরহরিনা য়ায়া শাঙরদুনা হিংচাবা অহুমক্তবু হাৎলগে হায়রদুনা হিংচাবা অহু তম্লহুনা তেল অমা কাপ্লকই। হিংচাবনা শাল বৃক্ষ অমা ফুক্লহুনা বীরহরি তম্না হুবজিল্লকই। বীরহরিনা থুরশান কৌবা তেল অমনা অহুগুম্বা উপাখী অহু মতুপ মতুপ ককথত্তুনা হুন্দোকই। হিংচাবনা মুংজাও অমা ফুক্লদুনা বীরহরিগী কোক তম্না নংশিল্লকই। বীরহরিনা গদানা মুং অহু থত্তোকই। উপাখী অমদি মুংজাও অহুনা নৈরুরবদা হিংচাবা অহু থুত্তুম চেৎপা পায়রদুনা বীরহরিগী মকোক থুগাইরগে হায়দুনা হায়থরকই। বীরহরিনা মাঙাদা হিংচাবা অমুগী মকোক অহু থুগাইরে। থুদক অহুমক্তদা হিংচাবহু মকোক কায়রদুনা লৈপাক্তা চুরে। মুনিশা পেল্লহুনা মন্নাইদু বালিভদ্র তৌবিহুনা আশীর্বাদ পীরি। মুত্তা অমদি মুক্তান ওইশিনরদুনা মহাকা প্রয়াগ স্নান তৌদুনা মফম অমদগী পুর হল্লোকতুনা হায়রগা অহিং অহু পোথাই। বীরহরিনা মুনিশী মকাদা হিংচাবগী পূর্ব জন্মগী মরী তাকশিনবা হায়রকই।

শ্লোক হায়রিবা হিংচাবরি মহানন্দগী মপোক্তা মহাক্কী মায়াদা তৌদুনা নিংথৌ ওইনা পোকল্লী। নিংথৌসি ধর্মবু

য়াম্না থাজবা, ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংবু পূজা তৌবা নিংথৌনি। মহাক্কী লৈবাক্তা হুপা অমা লৈরম্মী হায়রিবা মুপা অসিগী মচানুপা চহি তরায়োম শুরবা মশীদা হায়না কৌবা মশক মতৌ য়াম্না ফজবা অমা লৈ। অঙাংসিগী মশক মতৌ য়েংবদা মী পুম্নমক্কী থম্মোই শুগাৎনিঙাই ওই। অঙাং অসি অনিঙবা কাম্ব মক্কি অস্নুম হায়না থমে। মুপা মুপী পুম্নমক্না মতম পুম্বদা মহাক্কপু আশা তৌদবা লৈত্তে। মহাক্কা ঙাক্কু-থোক্কপা বাঙাঙ্ক য়েংথোক্কপা মিথুয়েং মতৌ অউবা পুম্নমক্কী থম্মোই ইরাং হোৌনবগী মশক্কি। নোংমদি প্রজাগী মচিন্দগী মহাক্কুক নিংথৌসিনা অসিগুম্বা অঙাং অমা লৈ হায়বসি তারে। নিংথৌনা নোংমদি মনাই থরা থাহনা মশীদা মপা মচাসি কোম্নুংদা কৌহল্লুরে। নিংথৌগী য়াথং মতুং ইন্না মপা-মচা অনিমক কোম্নুংদা কাররে। নিংথৌনা অঙাং অতুগী মশক হেক উবদা থমোইচু মহি চেন্নহনা অঙাং অতুগী রাথন্দা লুপল্লে। অঙাং অচু কোম্নুংদা থমহৌরগা মপাচু মমুমদা হুনহুনথরে। অনৌবা মুম অমা শারহুন্না, মুম অতুগী মনুংদা থম্মহনা নিংথৌ অসিনা কামদা মতু ওইরহনা তৌহৈরবা পুং মৈথুনগী লম্নচৎ মুমিং কয়ানিমক্কুম হংথি। অসিগুম্বা পুং মৈথুনগী থাপ অহনা মহাক্কুক্কু নিংথৌনা হন্নক্কী মপোক মতিলা হিংচাবগী মপোক্কা পোক্করিবনি। অসুম হায়না হিংচাবা অতুগী পুর্ব জন্মগী রাজ্য অদু লৌহনা অহিং মতম লেপ্লে।

ময়াম পুম্নমক অয়ুক অঙনবদা হৌগত্তুনা প্রাত স্নান-চিংবা তোরে হায়রগা চাবা থকপা লোইরহনা অমুক লাক্লে। ময়াম্না অশুম তৌহনা লাকপাসিনা পুং অমরোমগী লম্বী লাক্লে লম্বী ময়াদা মুংপাক অচৌবা অমা লৈরম্মী বীরহরিনা মখোঙনা মুংপাক অহু হেক শোক্লবদা অশিবগী মতৌগুম লৈপাক্তা তুহনা লৈরে। মহাক্কী মতৌ অহু উবদা ময়াম অহু ইঙক ঙকলে। মুনিনা ধ্যান তৌহনা য়েংবদা হর্গাগী শাপ্তগী ওাইহাক মান্বরুবনি হায়বা খঙলে। ঙাইহাক লৈরগা বীরহরি অসি চেতন অমুক লাক্লে। বীরহরিনা মুনিগী মফমদা মুংপাক অহু শোক্লগা করিগী জ্ঞান মাঙলিবনো হায়না হংজরকই। নারদ মুনিনা বীরু-হরিগী মফমদা মুং অংগী পূর্ব্ব জন্মগী মারী লৌহনা তাহল্লি।

থাইনা মমাংঙৈদা লাই ময়ামগী গুরু ওইরবা শুক্র হায়না কৌবা অমা লৈরম্মী গুরু অসি বিদ্যা গুন মাম্না হৈ অহুগা মহাক্কী ওর্য্যা জয়া হায়না কৌবী সতী অমত্র লৈরম্মী। জয়া অসি মশক মতৌ মাম্না ফজবা মরা মপুম্নোইববু মাম্না নিংবীনি। কার্ত্তিক কৌবা লাইসি শুক্র গুরুগী মফমদা ধনুর্ব্বিদ্যা তমই। গুরুনা হিংচাবা ময়ামগা পুম্না খুৎলাই তম্বীবা অহু মুংঙাইরোই খন্দুনা কার্ত্তিকপু অতোপ্পা যুম অমদা থম্লগা মুমিদাং মুমিদাং তম্বা। গুরুনা কার্ত্তিকপু অম্মা মুমিদাং মুমিদাংদা ধনুর্ব্বিদ্যা তম্বী হায়বসি জয়ানা তাই। কার্ত্তিকী মশক মতৌ অসি মীনা ঙাওনবদগী

জয়ানা তাই অদুগা মশক্তি অনুক্ত উবা ফংদ্রি। জযানা কার্ত্তিকী মশক অদু য়েংনিংমনখ্রদুনা শুক্র গুরুগী মফমদা অমুক্তা য়েংজগে হাযজরকই, কর্ত্তিক হাযবা অশি কামগী মশক্তি মহাক্কী মশক উবদা নত্তবা ৱাখল থন্দনা জয়াগী সতীত্ব অদু কায়বা য়াই হায়দুনা জয়াদা গুরুনা মহাক্কী মশক য়েংগনু হায়না কযারক থেমই। কার্ত্তিক্তি গুরুগী সেবক্তি মরম অদনা জযাগীসু মচা হায়বদ, থোক্লে মবম অসিনা মহাকপূ উবদা নত্তবা ৱাখল থনবা হোৌনদে হায়না জয়ানা হাযজরকই। নোংমগী মুমিত্তা কার্ত্তিকপু কৌবদুনা শুক্র গুরুনা য়ুমদা পুবক্লমই। কর্ত্তিকপূ হেক্ক উবদা জয়াগী হকচাং পুম্নমক অদু কামনা ঙাওরদুনা লৈপাক্তা ৱাস্থদুনা তুরে। জয়াগী মশদগী বীর্য্য মতুম মতুম নান্থদনা লৈপাক্তা পোপ পোক তাবে! জয়না জ্ঞান তারক্তুনা হৌগৎলকপা মতমদদি লৈপাক্তা তাদুনা লৈরম্মীবা বীর্য্য অদু মঙোন্দগী তারকপনি হাযবা খঙলে।

-ইকাইবোই করিবোহ তৌরগনা খোঙবানা বীর্য্য অদু তকলে মতুদা বীর্য্য অদু লৈরিক্কী মতৌগুম্নদুনা পুমচাই চাইরে। তৌরিবা থোদোক্ল অদুদা শুক্রনা শাওরদুনা অকনবা শাপ তৌরকই,

"হায় জয়া ঐহাক্না কার্ত্তিকপু য়েংউগনু হায়ত্রা? হৌজিক ঐহাক্না হায়বা ইন্দবদগী নহাক্কী ফিভম অসি ওইররিবনি। নুংগী মশক লৌরদুনা ত্রিকুট কৌবা চীংদা নহাক

তাহুনা লৈরুরো মহুনা নহাক্না তৌবা পাপকী মতিক চাবনি অদুগা নহাক শোকপা মী অদু অশিবা হায়বা অহু ওইয়ু।"

মপুরোইবগী শাপ কংলবদা জয়ানা খুরমজহনা শাপ অদ্গী প্রতিকার অমভং পীবিনবা হায়জরকই। জয়াগী হায়জবা অদ্দা মুংশিবিরদ্না শুক্রনা হায়বিরকই,

"জয়া নহাক ত্রিকূট চাংদা লাইগী চহিদা চহি চামা লৈরুচা। নহাকী রারিসি শ্রীনারদ মুনিনা কনাগুম্বা অমগী মফমদা লীবা মতমদা ঐগী শাপগী মুক্ত কংদ্না অমুক হন্না হায়গী মতোগুম্না ঐহাকী ইনাক্না লাকউ।"

অসিগী তুংদা শুক্র গুরুনা থমোইদা রারদ্না বীর্য্যনা ওইরকপা মৈরিকশিং অদ্ আকাশতা থরানমিচাক ওইনা লৈরসহ্ হায়খি। মতৌ অগুম তৌরদ্না মৈরিকশিংদ্না আকাশতা থরানমিচাক ওইনা লৈখি। অদুগা জয়ানা ত্রিকূট চাংদা মুংগী মশক ওইনা লৈখি। অমুম হায়না নারদ মুনিনা রায়ী অসি বীর হরিদা হেক লীবা লোইবদা মুংগী মূর্ত্তি থাদোক্লদ্না লাইগী মশক লৌরদ্না জয়ানা শুক্রগী মফমদা অমুক হনখি।

অসিগী মতুংদা শ্রীনারদ মুনিনা মাঙ থারহুনা ময়াম পুম্নমক শ্রীহরিগী মূর্ত্তি লৈবা মফম অদু তাম্না চংশিল্লক্লে। শ্রীহরিগী মূর্ত্তি লৈবা মফম অদুদা তুলসী পাম্বী হৌরম্মী, মদুগী মনাক অদূদা কুশাসন অমসু তাদুনা লৈরম্মী; মদুগী মমাংদনা কোম্বিনা শাবা কুছি তামিগী পাত্র থরসু তাহনা লৈরম্মা।

নারদ মুনিনা ধ্যান তৌহনা য়েংবদা মূর্ত্তি অদু সনক মুনিনা পূজা তৌরি হায়বা খঙলে। মরাম্না য়োংপাক পাইরহনা মূর্ত্তি অদু তৌথোক্লে। মতম অদুমক্তদা সনক মুনি লাক্লহনা মহাক্না মুমিৎ থুদিংগী লেবা তৌজরিবা হরিগী মূর্ত্তি অদুবু করিগীদমক ফুক্তোক্লিবনো হায়রহনা ময়ামদগী য়োংপাক মুল্লরে। অসুম তৌরহনা ময়ামগা থৎনরিঙৈ মতমসিদা সনককী মচিন মনাও অতৈভসু লাক্লে। মরাম্না থৎনবা অসিদা শ্রীহরিনা স্বয়ং ওইনা গরুড় তোংলহনা মফম অসিমক্তা থুংলরে অদুগা মনাইশিংদা ভাকপিরকই,

"বীর হরি হায়বা অসি ঐহাক্কী ইনাইনি পূর্ব্ব জন্মদা মহাক্না উশীনর ওইনা পোকপা মতমদা ঐহাক্কী লেবা তৌরম্বনি। মহাক্না লৈত্রবদগী ঐহাক মফম অসিদা লৈ-রক্লিবনি অদুগা মপোক-মপোক খুদিংদা ঐহাক্কী লেবা ফংবা ওইয় হায়না ঐহাক্না মাগী মফমদা প্রতিজ্ঞা তৌখ্রবনি। মহাক্না ঐগী ইচ্ছা খঙদুনা মুনিগা লোইননা মফম অসিদা লাক্লিবনি।" অসুম হায়বিরম্লগা শ্রীহরি লেংখ্রে। শ্রীনারদ মুনিনা সনক মরিমক্না মরম ইখঙ খঙদবা মীগী মতোঙ্গুম্লহনা য়োংপাক মুন্দুনা লংথোকই অমদি কুবাক্য ওইবা রাঙাঙ্ তৌই মরম অদুনা মখোয় মরিমক মী ওইরো হায়না শাপ তৌখি। মুনিগী শাপনা সনক মরিমক মী ওইখি। অদুদগী অদুদগী শিরবা মতমদা মথং-মথং ব্রহ্মাগী অঙদা তিনখি।

ময়াম্না অসুম তৌরদুনা হরিগী মূর্ত্তি অদু পুদুনা লাক্লে। হায়না মী থাদুনা সুবল নিংথৌদা ময়ম পুম্নমক খঙহনখ্রে। সুবল নিংথৌনা মাগী সুভর্য্যাসা লোইননা শ্রীহরিগী মূর্ত্তিবু লমথাঙদা ওক্লমই। অসিদগী অন্তপুরদা হরিগী মূর্ত্তিদু লেংশিল্লদুনা য়াম্না চাওনা মহোৎসব তৌই মূর্ত্তি অদু বট অমগী মখোঙদা থম্লদুনা পুলহবু কৌরুদুনা হরিগী সেবা তৌহনখি। নিংথৌনা মমৌ নুপী অহুমসু ফংজবদা য়াম্না হরাওই। ব্রাহ্মন বৈষ্ণব কয়াদা সনা লুপা যনবীনচিংবা কয়া-কয়া দান তৌই। অশুম তৌরদুনা মতম কয়া পাল্লবা মতুংদা সুবল নিংথৌ নোংগাখি॥ সুবল নিংথৌনা লৈত্রবদা বীর হরিনা শ্রীহরিগী সেবা অমুক ফংজখি। বীর হরি শিরবদা পুলহনা বন্দা চৎখি।

[ভ্রাসনগী বারী]

শ্রীরামনা হরি ক্ষেত্রদা তুকিং তরানি লেপা মতম অসিদা পৌলহ মুনিনা হুংঙাইরবা বারী কয়া নীহুনা তাইনজখি। হরি ক্ষেত্রদগী শ্রীরামা ব্রাহ্মন মরিগা লোইননা ভ্রাসন তীর্থদা লেংঙকই। মফম অসিদা হুংপাক অমা লৈরম্মী। শ্রীরামগী চরননা হুপাক অচু শোকপদা দেব মূর্ত্তি ওইনা চোংথোক্লকহুনা শ্রীরামবু স্তুতি তৌজরকই। শ্রীরামনা অদুগুম্বা দেব মূর্ত্তি অদুদা করি মরমগী হুংগী মূর্ত্তি ওইহুনা লৈরম্মীখনো হায়না হংবিখি। দেব মূর্ত্তি অদুনা শ্রীরামগী মফমদ মছাক্কী পূর্বজন্মগী বারী মথং-শিংনা নীজরকই

মমাংঙৌদা বন্ধাকুঞ্জ হায়না কৌবা লৈবাক অমা লৈরম্মী। লৈবাক অসিদা ব্রাহ্মন কুন্দদা ভ্রাসন পোকই। মহাক্না শিববু পজা তৌই। ভ্রাসনা মপাগী শ্রাদ্ধ দিন্দা সন্দেশ কয়া লাওহুনা ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংবু পীজ-পীথক করা তৌই। অদুগুম্বা শ্রাদ্ধগী মতমদা হুইনা যেংলুরবা পোংশিং অমু হন্দোক্লুব্রে অদুগা মফম অদুদু রাই তৈথোকউব্রে। নিংথৌ অসিনা শ্রাদ্ধ দিন লোইরবদা পিক্রবা বন অমগী মখুদা উমাপতি মহাদেববু অরাধন তৌজে। নোংমদি শিব মহাদেবনা কিরাটকী মওক লৌবগুমা মনাইগী মমাংদা লেঙখিরক্রে।' শিববু উংদা ভ্রাসনা স্তুতি তৌজে।' শিবনা ভ্রাসনদা ভাকপিরকই,

"ভ্রাসন নহাক্না পিতাগী শ্রাদ্ধ কর্ম্ম য়াম্না নিংথিজনা তৌরে মহুগীদমক ঐহাক য়াম্না পেল্লে অহুম্নদি ওইরগা হুইনা য়েংবা পোৎশিংছ্ নহাক্না শ্রাদ্ধগী হুমিত্তা লাইদা কৎখি অদুগা মকম অহুম্ব্ রাই তৈথোকখিদে মহুগী পাপ্না নহাক হুংগী মশক ওইরে।"

অশুম ওইবা শিবগী শাপ কংলবদা ভ্রাসন্না শিবগী মকমদা শাপ অহুদগী মোচন ওইননবা কৃপা পীনবিয়্ হায়না হায়না হায়জরকই। শিবনা কৃপা পীনবিরহুনা তাকপিরকই,

"হয়েং শ্রীরামনা তীর্থ কোয়রকপদা শ্রীরামগী চরন্না শোকপদা শাপ অসিদগী কোক্তুনা অমুক হন্না বৈকুণ্ঠ ফংবা ওইয়ু।"

অম্বুক্না মনাইবুস্ন্ কৃপা তৌরম্মগা মহাদেব হনখি। ভ্রাসন্না শ্রীরামগী মকমদা মহাক্না পুর্ব্বজন্মগী রারী লীরদুনা শ্রীরামবু বিদায় তৌরম্মগা বৈকুণ্ঠদা কাখি। শ্রীরামস্ন্ মনাই ভ্রাসনবু কৃপা পীবিরম্মগা অমুক ব্রাহ্মন মরি অদুগা লোই-ননা গোমতী তীর্থদা লাক্লে। গোমতী তীর্থগী মপান্দা বন অমা লৈ। মকম অসিদা মমাংঙৈদা অক্ষোভ হায়না কৌবা ল্লিংথৌ অমা লৈরম্মী। নিংথৌ অসিনা কৃষ্ণ ভক্তিদা য়াম্না শ্রাদ্ধা লৈবা উবদা উমাপতিনা পেল্লহুনা কালগ্গরনচিংবা হিংচাবশিংগী ওৎপা-নৈবদগী ঙাকপিনবা হায়হুনা সন্দভুগী অংশ অমা মকম অসিদা থম্বীখি। সন্দভুবু কিবদগী হিংচাবশিংনা অমুক লাকপা তৌখিদ্রে। অহৃদগী সন্দভুগী অংশহু মকম অহুদা

হুংগী মূর্ত্তি ওইনা লৈখি। মী পুন্নমক্লা চাই খুদংগী পূজা তৌই অহুগা চহি অমগী মনুংদা ঈশিংদা অহুগুবা হুংগী মূর্ত্তি অহু উবা ফংই। মরম অহুদগী তীর্থ অহুগী মমিং গোমতী হায়রনা কৌখি।

গোমতী তীর্থ স্নান তৌরগা শ্রীরামনা ব্রাহ্মন মরিগা লোইননা শ্রীগণ্ডকী, পীপাশা শোননচিংবা মথং-মথং স্নান তৌরকই। মফমসিদা শার্কর নিংথৌনা মুক্তি ফংখি। নোংমা শার্করনা ঘী চফু-চফু ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংদা দান তৌই। ব্রাহ্মনশিংমু মপুক থন্না চাহুনা চৎখি। নিংথৌসিনা ব্রাহ্মনশিংদা দান তৌবদা মথুক্তা পকহৌবা ঘী অহু পাম্মুরহুনা মহাক্লা চাননবা চালুক অহুদা তৈশিন্দুনা চাখি। মহুগী দোষ অহুনা শার্কর নিংথৌনা শিরবা মতমদা হংঙোই ওইনা পোক্কনা শোন তীর্থ অসিগী মনাক্তা লৈবা পুখ্রি অমদা লৈখি। পুখ্রি অসিদা লাকপা জীব মচা অচৌবা পুন্নমক কা-কাহুনা হেক-হেক চাই। শ্রীরামনা মনাইবু কৃপা পীবিরগে হায়রনা থপ্পহুনা ঈশিংদগী লাঙ্গলনা কোৎথৎপীরহুনা শ্রীচরননা শোকপিখি। শার্কর নিংথৌনা হঙোইগী মূর্ত্তি অহু থাদোক্কনা দিবা মূর্ত্তি লৌরহুনা স্বর্গদা কাখি।

———

[শ্রীরামনা শুম্ভ হাৎপা]

শ্রীরামনা ব্রাহ্মন মরি অহুম্ বিদায় তৌরগা মতোমদা মথং মথং লেংঙকপনা গয়া তীর্থ য়োন্নরে। গয়া তীর্থ স্নান তৌরগা অমুক লেংঙকপা অসিনা মহেন্দ্র তীর্থ য়ৌরকৈ। মহেন্দ্র তীর্থ স্নান তৌবত্তুনা উমং অমা কাওত্তুনা লেংঙকই। উমং অসিগী মনুংদা উজাও অমগী কারোংদা হিংচাবা অমা তোংত্তুনা লৈরম্মী। হিংচাবা অসিনা চহি নিপান্নোম শুরক্না ব্রাহ্মন মচা অমথক মথোং মথুং পুন্সিন্নগা হাইত্তুনা-হাইত্তুনা শান্নরম্মী। হিংচাবা অসিনা শ্রীরামগী মশক হেক উবদা অঙাং অত্থু হায়রবা লেপ্পে। শ্রীরামসু অঙাং অত্থুগী মওং মতৌ অত্থু উবদা অঙকপা হায়বত্থু ওইরে। অঙাং অদুগী মথন্নাই অদু করম তৌরগা কনগদগে হায়দুনা শ্রীরামনা মওল মওল থল্লকই। শ্রীরামনা করি অমত্তা নিংঙাইবা তৌদনা পরপ পরপ চংশিনখিদুনা হিংচাবা অদুনা তোংলিবা উ অদুগী মথোংদা ক্রমলুরে। হিংচাবনা শ্রীরামদা হায়রকই,

"মহাশয় নহাক কনানো অদুগা মকম অসিদা করি তৌবা লাকইবনো?"

শ্রীরামনা হায়রকই,—

"ঐহাক্কী ইমিং শম্বুক কৌই, ঐহাক তীর্থ চৎপা মীনি।"

হিংচাবা— "অদুদি নহাক্না মকম অসিদা করি তৌবা লাকইবনো?"

শ্রীরাম—"ঐহাক নহাকা মরুপ ওইনিংদ্রবা নহাকী নমক্তম লাকইরনি। ঐহাক্না হায়রিবদি অশোংনমক্ত নহাকপু ক্রিদ্রা হায়বা নত্তে। ঐহাক্ত কেরি মচানি; কেত্রি মচা ঐখোয়মদি শিবা হায়বা অসি কুকি মমচা। শিজ মরুপসি শিবা চংবা হায়বা অসি ঐখোয়না খিনবা কাবা নত্তে মুকচি ঈশ্বরগী খুজলনি।"

শ্রীরামগী বা অসি তাবদা হিংচাবা অদুনা অঙাং অদু হাইবা লেপ্লদুনা থম্নে হায়রগা লৈবাক্তা কুম্থরক্লে। শ্রীরামনা অমুক মথা তানা হায়রকই,—

"ঐহাক্না নঙোন্দা হায়রিবা অসি নহাকা মরুপ ওই-নিংদুনা হায়'রবনি অঙাং অদুগী মথক্তাই কন্নগে হায়রগীদমক মরূপ শাজনবা নত্তে। শাস্ত্রগী মতুংদু অকবা মীগা শঙ তৌ হায়রিবনি, দিগপালনচিংবা হিংচাবা কয়ানদি ঐহাকপু রাজ কুমারনি হায়দুনা য়াম্না ব্যাবহার তৌখিবনি। ঐহাক্না হায়রিবা অসি নহাক্নদি থাজকম থোকত্রবনি মরমদি নখোয় হিংচাবগী নমা মরী থোকপা লাইশিংনা নখোয়দা য়াম্না শীনবা থবক তৌগ্রে। মমা ভৈদা সমুদ্র মন্থনগী মতমদা নখোয় হিংচাবশিংদা হু পীথক্লগা লাইশিংনা অমৃত থকতুনা অমর থুডম অদু মখোয়না ফংখ্রবনি!"

হিংচাবনা হায়রকই,—

"মহাশয় নহাক্ন হায়রিবা অদু অচুম্বমদি মসদুনা নহাক্না ঐহাকা মরূপ ওইরগী য়োনবা থুক্ত লোকলসি।"

রামনা অমুক হায়রকই,—

"ঐখোয় অনি খুৎ শোক্লত্রিবৈণী মমাংদা গদাবরী তীর্থদা স্নান তৌরুখিসি অদুগী মতুংদা নংগোয়গী য়ুমদা চত্তুনা ঐখোয় অনিগী মরূপ শান্নবা অসি অহল-লমন্দা খণ্ডহন্নুসি। মহাক্না মখোঙ মখুৎ পুনসিন্দুনা থমলিবা অঙাংদু ঐঙোন্দা পীরো মহাক ঐহাক্কী তীর্থ চৎনবদা ঐহাক্কী সেবা তৌহনগে।"

হিংচাবা অদুনা অঙাং অদুগী মখোঙ মখুৎ পুল্লিবা অদু থাংদোক্লতুনা শ্রীরামদা পীরে। ব্রাহ্মন মচা অদুগী মশা অদু স্নুমিৎ কয়ানিমক্লম চাদ থক্তবা অমদি হিংচাবা অদুনা ওৎপা নৈবদগী য়াম্না শোক্লে। মহাক্কী মতৌ অদু উবদা শ্রীরামগী মিত্তগী পি শিন্থরকই। শ্রীরামনা অঙাং অদু খর লাপ্পা থম্লে হায়রগা হিংচাবা অদু য়েংলদুনা হায়রকই,—

হায় কত্রবা হিংচাবা ঐহাক্না অঙাং অসিগী থক্লাই কনগে হায়বগীদমক নঙোন্দা মীনমতুনা মরূপ শান্নশি হায়জিন্নবনি, নহাক্না ঐহাক্না করি মরমগীদমক মরূপ শান্নক্লগদগে? শাস্ত্রগী মতুং ইন্না কত্তবা মীগা তিন্নগনু হায়রিবনি পাপী নহাক্না খণ্ডব্রমাল্লে জগত্তা লৈরিবা জীব পুম্নমক্তা ঈশ্বর লৈরিবনি অদুকনা জীব হিংসা তৌরবদি নারক তাবনি।"

শ্রীরামগী বা অদু তাবদা হিংচাবা অদুনা শাওরদুনা উ পান্বী অমা ফুক্লগা শ্রীরামবু হাংলগে হায়দুনা লংশিল্লক্লে।

শ্রীরামনা মুখল লাজল অনি কৌবদা খুদক্তা শ্রীরামগী খুত্তা থুংলরে। শ্রীরামনা মুখলনা উ পাম্বী অহু খত্তোক্লে অদুদগী হিংচাবদুনা হোৎচিন্নক্তুনা শ্রীরামগী খুৎংদা কোন্দুনা লা ক্তুনা লংঙে অদুদা শ্রীরামগী খুত্তগী মুখলু অদু লৈপাক্তা তাথোকখ্রে। শ্রীরাম খুত্তগী মুখল তাখিবা অহুদা খর ইকাইখি। অশুম তৌরহুনা শ্রীরামগা হিংচাবা অহুগা অকনবা বাহু যুদ্ধ তৌনৈ। শ্রীরাম মপু মনাই অনিগী লান অহু য়েংগদোবগী লাইয়াম পুম্নমক্না মাগী মাগী রথদা তো৲লহুনা আকাশতা থুংলরে। ইন্দ্রদেবনা শ্রীরামদা হায়জরকহ।

"হে প্রভু হিংচাবা অহু হাৎননবা থুংলাই জগৎ অসিদা লৈত্রবানে অহুম ত্তইনমক ইবুংঙো নহাক্না মহাকপু হাৎপদা করি অমত্তা চিংনবিগনু মহাক্তি শ্রীদুর্গাগী শাপ্তগী মহাকী অশু কোষ অনিহু কায়রবত্তদা শিগদোবনি। ইবুংঙো নহাক্না হিংচাবহুগী মথরাই লৌবিহুনা লাইয়াম ঐথোয়গী অরাবা কোকহনবিয়ু। হিংচাবা অহু জন্তুগী মচা শুত্ত হায়বা কত্রবা অদুনি।"

ইন্দ্রদেবগী য়া অদু তাবদা হিংচাবনা শাওরদুনা শ্রীরাম হন্দোক্লয়ে হায়রগা ইন্দ্রদেব হাৎলগে হায়দুনা স্বর্গ রোমদা পাইখৎলক্লে। হিংচাবা অদুনা পাইখৎলকপদু উবদা স্বর্গদা ওসাইমথৈ কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরম্মীবা লাইয়াম পুম্নমক কায়দুনা চেল্লে। শ্রীরামনা পরপ পরপ তান্নরকতুনা

হিংচাবগী মথোঙ অনিদু পাম্নদুনা লৈপাক্তা চিংথরক্লে। মদুদা হিংচাবনা শ্রীরামগী কোকথক্তা খুৎতুম্না কয়া থাম্নকপদা শ্রীরাম ম্রাইহাক জ্ঞান মাঙদুনা লৈপাক্তা তারকই। শ্রীরামগী অস্ত্রিগুবা অম্নাবা অদু উবদা লাইরাম পূম্নমক অম্নবা ওই। মীকুপ অমগী মনুংদা শ্রীরাম জ্ঞান তারক্তুনা খুক, মৌগৎলগা হিংচাবগী মঙক পায়দুনা ইনবদা হিংচাবা অদু লৈপাক্তা তুরে অদুদগী হোৎচিনখিদুনা অশু কোয অনিদু শুৎ অনি চংদুনা কয়া চপথায়রে। শুস্ত হায়রিবা হিংচাবা অদু অশুকোয কায়রদুনা খুদক অদুমক্তা প্রান থারে। আকাশতগী লাই ময়াম্না পোম্লদুনা শ্রীরামগী মথক্তা লৈ ময়াম চাইথরকই। ইন্দ্রনচিংবা লাই ময়াম্না স্বর্গদগী কুমথরক্তুনা শ্রীরামবু স্তুতি তৌজরকই, সনাগী পাত্রদা ঈশিং পোরক্তুনা শ্রীরামদা কৎলে। অনৌবা ফিজোল, অনৌবা পুষ্পমালা পুরক্তুনা কৎলে। অস্মিগী তুংদা লাইরাম পূম্নমকনা শ্রীরামদগী বিদায় লৌরদুনা স্বর্গদা চৎখি। রামনা অঙাং অদুবু স্নানমচিংবা তৌবিরদুনা থর পীজ, পীথক্লগা মাগী পরিচয় হংঙকই। ব্রাহ্মন মচাসি শিব ক্ষেত্রদা লৈ. ব্রাহ্মন কুলদা পোকই মগাপী মমিংনা ভগদত্ত কোই অদুগা ময়াগী মমিংনা ভবানী কোই। মহাকী মমিংনা শঙ্কর কোই মহার মতোম্না লোকই। মুমা মগাবা মহাকপু অঙাগী মুসদা লাইঙ্কি তাবা থাক্কনি লাইরিক তাবা লোইরবা মহাগী মতুংতা মখুলদা হায়কপনি।

লম্বীদা হিংচাবা অসিনা ফাংনা মখোঙ মথুৎ পুনসিল্লগা করি অমত্তা পীজরক্কবা অসি মুমিৎ তরানিমুক শুরক্লবনি। মহাক্লা শিরমদাইগী মতমদা শ্রীরামগা উনররিবা অসিনি অসি হায়রক্তুনা অঙাং অদু কপলক্লে।

শ্রীরামনা ধ্যান তৌহনা য়েংবদা মসি মহাক্কী পুর্ব্বজন্ম ফলনি হায়বা খঙলহনা অঙাং অমুদা হায়বিরকই,

শঙ্কর অসিগুম্বা অৱাবদা নহাক্লা তরুরিবা অসি নহাক্কী নহানমুক্কী কর্ম্ম ফলনি নহাক্কী পুর্ব্বজন্মগী রা ঐ হায়গে তাও—নহাক্লমুক্কী মপোক্কা নহাক অসি শূদ্রকুলদা পোক্লমই, নহাক্লা অঙাং ওইরিঙৈ মতমহুদা পাপকী থবক কয়ামরুম তৌখি--উচেকশিং বু ফারগা মখোঙদা লংনা পুন্সিল্লগা শাৱৈ। আসদা নত্তনা নহাক্লা কৌজেং হায়ৌনচিংবা জীব কয়া মরুমসু মখোঙ পুন্সিল্লদা হাইত্নুনা-হাইত্নুনা শরৈ। অসিগুম্বা ফত্তবা থবক কয়ামরুম তৌরবদসু নংবু পোকপা নপানা মত্তগুম্বা থবক অহ তৌগনু তৌহৈদে হায়না খামথিদে মরম অসিদগী মহাকসু হৌজিক শূদ্র কুলদা পোক্তনা মমিৎ অনি তাঙহনা নখোয়গী দেশকী মখা পাংবদা লৈবা থুল অমদা লৈরি। অহুদগী শঙ্কর নহাক্লা অহল ওইরক্লবা মতমদদি অঙাং ওইরিঙৈগী ফত্তবা থবকশিংহ তৌখিদ্রে! ব্রাহ্মন বৈষ্ণবশিংবু পুজা দাননচিংবা কয়া কয়া তৌজখি মত্থগী ফলনা হুন্দক্কী মপোক আসদ ব্রাহ্মন কুলদা পোক্ল-রিবনি। নহাক্কী পুর্ব্বজন্মগী দোষশিং অদু ফুকথৎপা য়াদে

মসম অসিনা হিংবাবা অর্দ্ধা নহাক্তৃ অরাবা শারম্মীবনি । হৌজিক্তি নহাক্তা পূক্লিংদা থোইদে কপা চিংনবা তৌরগনু ঐহাক্না মুম তাম্না বিনবিচুনা অহম নম্মকপী মূত্তা শিন্ন-বিরগনি ।”

অমুখি হায়রক্তুনা শ্রীরামনা শঙ্কর ব্রাহ্মণগা লোয়নরক্তুনা সপ্ত গোদবরী তীর্থদা লাক্কুনা স্নান তৌরম্মে অতুদগী মথং মথং লাক্কুনা হেমাবতী, সরস্বতী, করতোয়া, শ্রীগণ্ডকী, পূর্ব্বশোণা অমদি চন্দ্রভাগা হায়রিবা তীর্থশিং স্নান তৌদুনা তর্পণ চিংবা তৌরে অতুদগী অমুক লাক্পনা ভীমরথী তীর্থ থোরক্লে । তীর্থ অসিগী মরমদা ককজরবা যাত্রী অমা লৈ ।

[ভীমরথী তীর্থগী যাত্রা]

মমাংলৈদা দক্ষিণপুরদা ভীমরথ হায়না কৌবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী । মিংথৌ অসিনা মচানিপা অমত্তং কংজগে হায়রদুনা উমাপতি মহাদেববু শিংজে । দক্ষিণ লম কৌবা লৈবাক অদুগী মহেশ্বর কৌবা নিংথৌসু ভীমরথনা মচা কংনবা শিববু পূজা তৌই হায়রবা তাবদা মহাকসু মচা পুম্না অমত্তং কংজগে হায়রদুনা শিববু পূজা তৌজরকই । মিংথৌ অনিসি য়াম্না য়েংথবনৈ । ভীমরথনা নোংমাইজিং [illegible] শিব শিংবা হৌই অদুগা মহেশ্বর নিংথৌনা

নিংথৌকাবী ভূমিত্তা চৌই। নিংথৌ অনিমক শিববু কংননবা লাইগী চহিদা চহি চাম-চাম নিংই। নিংথৌ অনিমক্কী অকনবা লাইনিংহ থাদুনা লোইবা নত্তে। ভীমরথগী লাইনিং অত্তদা থাওবা ওমত্রদুনা শিব মহাদেবনা মরাইবু কৃপা পীবিরগে হায়দুনা ভীমরথ নিংথৌগী মমাংমক্তদা শিবনা স্বয়ং ওইনা কাওবিররে। শিববু উবদা নিংথৌনা স্তুতি তৌদুনা থৌরমজরকই। নিংথৌগী পূজা অদুদা পেন্নদুনা শিবনা করি বর পাম্বগে হায়না মরাইদা তাকপিরকই। নিংথৌনা কার্ত্তিকপু মচা ওইনা কংজগে অদুগা ত্রেতাদগী কলি যুগ কাওবদা ভীমরথগী মচা স্কন্দ হায়না কাওবা পীনবিয়ু হায়জরকই। শিবনা মরাইনা নিংবা থুংজ'রা হায়না বর পীবিরম্মগা কৈলাসতা হনখি। অসিগী তুংদা শিবনা মহেশ্বর নিংথৌদা অমুক দরশন পীনবীররে। শিববু উবদা নিংথৌনা স্তুতি তৌদুনা থৌরমজে। মরাইবু কৃপা পীবিরগে হায়দুনা, করি বর পাম্বগে হায়না শিবনা তাকপিরকই। মহেশ্বর নিংথৌদা শিবগী মফমদা ভীমরথ নিংথৌদা করি বর পীম্বগে হায়না হংজরকই। শিবনা ভীমরথ নিংথৌগী মফমদা কার্ত্তিকপু মচা ওইনা কংজৌ হায়না বর পীবিয়ু হায়না তাকপিরকই। মহেশ্বর নিংথৌনা শ্রীচৈতন্যবু মচানুপী ওইনা কংবা পীনবির হায়না বর নিজরকই। শিবনসু মরাইনা নিংবা অদু থুংজগে হায়না বর পীবিরম্মগা কৈলাশতা হনখি। শিবগী বররগী

কার্ত্তিক্কা ভীমরথগী মচানিপা স্কন্ধ হায়না কৌদুনা পোকখি অদুগা দুর্গা না কন্যা হায়না কৌদুনা মহেশ্বর নিংথৌগী মচানুপা ওইনা পোকখি। কন্যা অসি কুচু মুই হায়দুনা কালী হায়না কৌখি। স্কন্ধনা চাওরক্লগা সুভ'মুগী মচা নুপী লক্ষীগা লুহোংখি। শিব মহাদেবনা শ্রীপার্ব্বত চাংগী চাংখোংদা লৈবা শ্রীখণ্ড কৌবা লৈবাকী ভুরুণ্ডি নিংথৌগী মচানুপা ওইনা পোকখি। মহাক্কা লোয়ননা কাশীবু লুহোংখি। ত্রেতা যুগনা লোইরবদা তিন মূর্ত্তি হায়না খঙনখি। ভীমরথগী মমিং লৌরদুনা তীর্থ অদুগী মমিং ভীমরথী হায়না কৌখি। সিন্ধু তুরেলগী মপান্দা কন্যানা গৌরী হায়না কৌদুনা লৈখি। স্বয়ং শিব মহাদেবনা সোপপুরদা লিঙ্গরূপ ওইদুনা লৈবিখি। শ্রীবলরামনা ভীমরথী তীর্থ স্নান তৌরদুনা অমুক শঙ্কর ব্রাহ্মন মচাগা লোয়নদুনা লাকপনা কুটিপুরদা থুংলরে। মফম অসিদা শ্রীরামগা মার্গ মুনিগা উনরে। শ্রীরামবু উবদা মার্গ মুনিনা স্তুতি তৌরদুনা পূজা তৌজে। অহিং অতু শ্রীরামগা মুনিগা রারী কয়া শাদুনা মুনিগী আশ্রমদা লেপ্লি। মার্গ মুনিনা শ্রীরামগী মফমদা হংজরকই,

"হে রাম ঐহাকী থমোইদা মীনা ভাণ্ডনবগী রায়া চিংনবা অমা লৈরে মতু ইবুংঙো নহাক্না ভাকপিদুনা ননাইগী চিংনবা কোকহন্নবিয়ু। শ্রীকৃষ্ণবু ঐহাকী ইষ্টদেবনি, ইবু ঙো মহাক্তি জগৎনা সেবা তৌননিংবাই ওইবনি অদুগা ননাইনা

ইবুংঙো মাগী মনাইনি। ইবুংঙো নহাক্কী অদুগুম্বা শ্রীকৃষ্ণগী ময়াম্বনি। ঐগী ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণবু মীনা নিন্দা তৌবা উবদা ঐহাক্কী থমোইসি কায়গনৌই অদুনা ইবুংঙো নহাক্না পুক্নিংদা শান্ত ওইনা ভাবিগনি। ঐহাক্না হায়জবা অসিদা করিগুম্বা দোষ লৈরবস্লু মদু ইবুংঙো নহাক্না ভাকপিয়ু। হে রাম ইবুংঙো নহাক্ক জগৎ অসিগী মপুনি ইবুংঙো নহাক্না শাওবরদি জগৎকী করম্বা জীবনা থাওবা ঙমগদগে। মনাইপী রা ভাবদ শ্রীরামনা হায়বিরকই,

"মুনি মীনা ঐখোয়গী মরমদা করম্বা ভাওনবা লৈবগে মদু চিংনবা অমত্তা লৈতনা ঐগী ইকমদা হায়বিয়ু।"
মার্গ মুনিনা হায়রকই,

"ঐহাক্কী দোষ হন্না হন্না ভাকপিয়ু। ইবুংঙো নহাক্কি জগৎকী মপুনি ইবুংঙো ন না থঙদবা জৎ অসিদা লৈরক্রবনি। ইবুংঙো কৃষ্ণনা গোপ জাতিদা পোকতুনা গোপ কিজেৎ শেত্তুনা অয়ুক মু থিজদা যন শেল্লি অহৃগা কুমিদাংদা গোপ পত্নী যুবতীশিংগা লোইনতুনা শ্রীকৃষ্ণনা রাস শাইই। জগৎকী মপু ওইরবা ইবুংঙো মহাক্না মীগী মপোক্তা পোক্তুনা মতম চুপ্পদা কামাধিক ওইতুনা অমদি লাইগী মতৌ ওইবা শাস্ত্রজ্ঞান থাদোক্লিবা অসিবু য়াম্না নিন্দা তৌননিঙ্গাইনি।"
শ্রীরামনা হায়রকই,

“মুনি মহাক্লা হায়রিবা অদু অচুম্বমক্তি য়াহং অদুগী ঐহাক্লা করি পাওখুম পীগনি অদুগা জগৎনা নিন্দা তৌনবা অদুদা ঐহাক্লা করি য়ারোকম থোকপগে। মহাক্লা পঙলিবা অহ মঙাই অদুগা মহু খঙলবা মহাক্লা কৃষ্ণবু করিগী নিং-লিবগে অহুনা মুনি নংনা কৃষ্ণবু নিংবা থাদোকউ। অতোপ্পা লাই অমবু নিংউ। ঐখোয়গীদি করি হায়নিংঙাই লৈতে পিতা নন্দস্ন মীগী মপোক্তা পোকই অহুনা মীনা মী পোকপনি, শামুনা শামু পোকই, শজিনা শজি পোকই। মুনি নংনা কৃষ্ণবু নিংবা থাদোকউ ঐখোয়দি করি তৌগনি ঐখোয়না তৌজরকপা কর্ম্মগী ফলনা অসুম ওইররিবনি।”

অসুম ওইবা শ্রীরামগী অৱাবা মতৌহ উবদা মার্গনা মিত্তা পি তারদুনা শ্রীরামগী চরন্দা খুরমদুনা হায়জরকই,

“হে জগৎকী মপু ওইরবা ইবুংঙো মহাকী লীলানি নঙোন্দগী জগৎ পোকপনি, ইবুংঙো মহাক্তি অখণ্ড স্বরূপনি, পরংব্রহ্মনি, ইবুংঙো নঙোন্দগী জগৎ অসি পোক্লকপনি, জগৎ অসিদা অচৎ-চত্তা হায়হুনা লৈরিবা জীব পুম্নমক ইবুংঙো নঙোন্দগী পোক্লকপনি নঙোন্দা ওয়নক অমুক তিল্ল-রিবনি। জগৎ অসিবু ঙাকপিগে হায়দুনা মুষল লাঙল থোনবিদুনা অসুরশিংবু সংহার তৌবিরি, ইবুংঙো মহাক্লা মতম পুম্বদা মনাইগী থগোইদা লেঙদনা লৈবী হায়না ভাজৈ।” অসুম ওইবা মনাই মার্গগী রা তাবদা শ্রীরাম্না পেনবিখি। ইবুংঙো মহাক্লা মনাই মার্গ মুনিগী আশ্রমদা

লৈবিদুনা শ্রীকৃষ্ণগী তত্ত্ব শান্নদুনা মতম খরা লৈবিরম্মী। অসিদগী শ্রীরামনা মার্গ মুনিবু বিদায় তৌরম্মগা শঙ্কর ব্রাহ্মন মচাগা লোইননা লাকপনা রঙ্গ ক্ষেত্রদা থুংলরে।

[পুণ্ডরিক সিংথোগী ৱারী]

অহানবা দ্বাপুরগী লোইরকপা অদুরাইদা মনিথর্ব্ব হায়বা লৈব ক অদুদা পুণ্ডরিক হায়না কৌবা নিংথো অমা পাম্লম্মী। নিংথো অসিগী মমা পোকপা মপুবোক অদুনা মত্রী পুন্নমকী মকোক ওইরম্মী। মত্রী অসি মচা অমত্তা থনমদনা শিথি। নিংথৌনা দশাহগী পিণ্ডদান পীবা মতম অসিমক্তদা লাইগী নোংদমদগী গ্রাম অদুদা নারদ মুনি লাকই। নিংথৌনা নারদ মুনিবু কৌহন্নরুই। নিংথৌনা মুনিবু উবদা বন্দনা তৌদে অদুগা মশাদা তিলক ধারণ তৌবগী খুদমসু অমত্তা লৈতে মহু উবদা নারদ মুনিনা পুণ্ডরিক নিংথৌগী মকমদা মহুগী মরম হংখি। পুণ্ডরিক নিংথৌনা চৎবন মুনিগী য়াথং মতুংইন্না অসিগুম্বা গুরুজনগী প্রেত কর্ম্মগী মতমদা তিলক ধারনচিংবা তৌরোইদবনি হায়না তাকপি মহুগী মতুংইন্না তৌদবনি হায়না নারদ মুনিগী মকমদা হায়জরকই নারদ মুনিনা শ্রুতি স্মৃতিগী মতুংইন্না চৎকদবা অমদি বৈষ্ণবশিংনা চৎকদবা অসিনচিংবা তৌবা

য়াবা য়াদবা কয়া নিংথৌগী য়ক্রমদা তাকখি। হুমিৎ অহুমা অসুম তৌদুনা লেপ্লে। মহুগী মথংগী হুম্মিৎতুদা শৃঙ্গ, শঙ্খ, যামদগ্ন, ভার্গব, সৌভরি হায়না কৌবা মুনিশিং, অগ্নি, বায়ু, দিকপাল কৌরা লাই অমদি পুণ্ডরিক নিংথৌগী মরূপ ক্ষমাঙ্কর কৌবা নিংথৌ অসিনচিংবা পুন্নমক নিমন্ত্রণ তৌদুনা মফমদুদা লাক্লে। নারদ মুনিগী য়াথং মতুংইন্না পুণ্ডরিক নিংথৌনা যথযোগ্য প্রাত ক্রিয়ানচিংবা তৌদুনা পাদ্য অর্ঘ্য কত্তুনা মুনিশিংবু পুজা তৌজরকই। নিংথৌনা তিলক ধারণ তৌবা উবদা মুনিশিংনা শাওদুনা নিংথৌদা শাপ তৌরকই। মুনিগী শাপ্তগী থুদক অত্থমক্তা চাওরবা অকিবগী মশক ওইরবা, থোইদোক্না য়াংবা মমিৎ লাওরবা মূর্ত্তি অমা চোংথোক্লক্লে। মূর্ত্তি অদু উবদা নৈরন্মীবা পুন্নমক ওন্না কায়দুনা চেল্লে। পুণ্ডরিক নিংথৌনা করি অমত্তা ফিংগৎপা তৌদনা শ্রীহরিগী নাম শোঙ্করকই। মতম অদুদা শ্রীহরিনা নাগ–পাশ থারক্তুনা মুনিগী শাপ্তগী চোংথোক্লক্লিবা কাল মূর্ত্তি অদুদা য়েৎলে অদুদগী নাগ পাশ অমমম চোংথোক্লক্তুনা মুনিশিংদু য়েৎলে। মুনিশিংনা যমরাজ কৌদুনা মথোইবু নাগপাশকী মথুত্তগী কনবিনবা হায়জরকই। যমমরাজনা মুনিশিংগী মফমদা মহাত্মা কনবা ওন্মোই হায়রবদা ইন্দ্রদেবদা অমুক হায়জরকই। ইন্দ্রদেবনসু ওন্মরোই হায়রবদা মুনিশিংনা মথং-মথং ব্রহ্মা দেব মহাদেব অসিনচিংবা লাইগী মফমদা হায়জরকই। মমৈথংদা

ভগবান কৃষ্ণবু কৌহুনা হায়জরকই। শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ইনাও চোংথোকপিরক্লহুনা মুনিশিংদা তাকপিরকই,

"মুনি পুম্নমক্না পুণ্ডরিক নিংথৌ অমদি নারদ মুনিগী মকমদা য়াম্না লাল্লুরে মরম অহুনা মুনি অমদি বৈষ্ণবকী দোষ লৈরে। অহুগুম্বা অপরাধ অহনা নাগ পাশকী মশক ওইহুনা মুনিশিংদা অপনবা পীরম্বিবনি। ঐহাক্না থারকপা নত্তে অহুনা নথোয়না নারদ মুনি অমদি পুণ্ডরিক নিংথৌগী মকমদা হায়জো।"

অসুম্না তাকপিরম্নগা শ্রীহরি লেংখ্রে, শ্রীহরিগী য়াথং মতুংইন্না নারদ মুনি অমদি পুণ্ডরিক নিংথৌগী মকমদা হাযজ-রবদা নাগ পাশশিং অহু মাঙখি। অসিগী তুংদা শ্রাদ্ধ কর্ম্ম তৌরে মুনিশিংসু মথুৎমক্না দক্ষিনা লৌরদুনা পুণ্ডরিক নিংথৌবু আশীর্ব্বাদ পীবিরম্মগা মাগী মাগী আশ্রমদা হনখি।

[শ্রীরামনা বিহুরগা উন্নবা]

শ্রীরামনা মথং মথং অমুক লেংগুক্কনা হরিক্ষেত্র স্নান তৌরে হায়রগা বিহুরগা উম্নরে। বিহুরনা শ্রীরামবু উবদা বন্দনা তৌজৈ। মকম অসিদা শ্রীরামগা বিহুরগা রাত্রি কয়া শামিন্নৈ। শ্রীরামনা বিহুর য়েংলহনা হায়রকই,—

"বিদুর [illegible] নহাক্কী নয়াম্বা অহনা পোকপা দুর্য্যোধন [illegible] কত্রবা শকুনিগা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মপা-মপা পোকমিন্নবা মচিন মনাওশিংবু হুংশিনক্রে। ঐহাক্কা ধর্ম্মগী মরমদা কয়া হায়রবস্তু লৌদ্রে অহুগা অমরোমদা কুন্তিগী মচা মঙাহুনা কৃষ্ণদা ভক্তি য়ান্না লৈ। কৃষ্ণবু দুর্যোধন্না য়েক্নবা ওইনা খল্লি। কৌরব পাণ্ডব অনিমক্কা লান তৌবা ভাবরদা কৃষ্ণনা আর্জ্জুনগী সারথী ওইদুনা রথ খৌরগদৌরি অহুগা ঐহাক্কা করম্না অন্যায় ওইবা দুর্যোধনগী মিচংদা য়াওহুনা লান তৌগনি। পুন্নমক অসি থাদোক্লগে হায়রদুনা ঐহাক্না তীর্থ স্নান তৌরক্লিবনি।

শ্রীরামগী মকমদা বিদুরনা হায়জরকই,—

"হে রাম ঐহাক্না ইবুংঙো নহাক্কী নকমদা করিবু হায়না হঙ্গৎচগদগে ইবুংঙো নহাক্কি জগৎ অসিদা অচৎ-চর পুন্নমকপু খঙবিরিবনি। মতম চুপ্পদা ঐহাক্না কৌরব পাণ্ডব অনিমকপু চপ মান্ননা সুংশিজবনি অদুনা মখোয়না খৎনরিবা অসি মতৌ করম তৌরগা ভাইশিন্নগদগে হায়রদুনা খল্লিবনি। ঐহাক্না অমগী মিচংদা থক লৈতে। মপান্ন লৈত্রবস্তু যুধিষ্টির নচিংবা মঙাগী লম মপানা থনম্বা অদু কংকম থোকই হায়জরু-[illegible] দুর্য্যোধননা ঐহাকপু হায়হৈত্রবা [illegible] কয়া ঙাংহুনা [illegible] ইকুধৌ [illegible]চিংবনা কয়া [illegible] [illegible] মহাক্কা [illegible] [illegible] থৌওইবা তৌদে। [illegible] অমা অসি থম ঙাওনরে [illegible] [illegible] ঐহাক্কী [illegible] [illegible] [illegible] অহুনগী

কক্রম্ম মখোয়গা শক ভৌজয়রোই হায়হনা অসুম লাক্কুনা তীর্থ স্নান তৌজরক্লিবনি। ঐহাক্কী লাইকক কবনা ইবুংঙো মহাক্না মফম অসিদা উৎজরক্লিবনি।"

অশুম ভৌহনা মপূ মনাই ৱারী কয়া শান্নহুনা অহিং অহুমা অহুম লেপ্লে। অসিদগী অমুক লাকপনা শ্রীবলরামনা মথুরা য়োরক্লে অসিগী তুংদা মশক উজবতদা পাপ কোক্লবগী মশক ওইরবা সেতুবন্ধ য়োরক্লে। মফম অসিদা ষনবী কয়া দান তৌরম্মি। শ্রীরামচন্দ্রগী মূর্তি উবদা অহুৎঙে ত্রেতা যুগতা রাবন্না সীতাবু হূহনা পুখিবদা শ্রীরামনা লক্ষ্মনগা লোয়ননা বালি রাজবু উদ্ধার তৌবিহনা সুগ্রীবদা নিংথৌ মুৎসম পীরগা, ভাল্লুক বান্দরশিংবা কয়া পুহনা সমুদ্রবু চী অমখি উজনা শিজহনা লঙ্কাদা রাবনবু উদ্ধার তৌরহনা বিভীষনদা নিংথৌ হাপহনা সীতাবু অমুক হয়া পুরকপা অদুনচিংদা নিংশিংবদা শ্রীরামগী শিত্তগী প্রেমগী ঊয়া হৌরকই। অসিদগী অমুক লাকপনা রামনাথদা থুমিং ভবানি উৎহনা ভৃগু মুনিগা ৱারী কয়া তৌই। মুনিনা শ্রীবলরামবু লক্ষ্মনগী অবতারনি হায়বা খঙহনা শ্রীরামগী লক্ষমদা মমাংঙৈগী ৱারী কয়া নীজখি। মমাংঙৈদা গোর্কন কৌবা চীংদা হিংচাবা অমা লঙ্কাদগী লাক্কুনা থুঙংদা মী হেক হেক চায়রে। লক্ষ্মননা হিংচাবা অদুগী মঙক কক্কুনা হাৎলি অদুদগী হিংচাবা অমমূক লাক্লে মহুমহু হাংলে অদুম ভৌহনা হিংচাবশিংদু মথং-মথং লাক্কুনা থুজংশিংদু

মাংহল্লরবদা অগস্তবু কৌদুনা যজ্ঞ তৌহল্লে। অগস্ত মুনিনা সীতা মন্ত্র শোন্দুনা যজ্ঞ তৌবদগী মফম অদুদা হিংচাবা অমুক লাকখিদ্রে। মফম অদু সীতা কুণ্ড হায়না কৌহুনা লৈখি। ভৃগু মুনিনা শ্রীরামগী মফমদা ব্রহ্ম কুণ্ড, রামকুণ্ড অমদি লহর কুণ্ডনচিংদগী ৱারী কয়া মরুম লীখি।

[কৃতমালাগী ৱারী]

শ্রীরামনা অসুম্না মথং মথং শঙ্করগা লোয়ননা অমুক লাকপনা কৃতমাল্যা তীর্থ য়োরক্লে। তীর্থ অসিগী মরমদা ৱারী অমা লৈ। মমাংঙৈদা স্বয়ম্ভু হায়না কৌবা লৈবাক অমা কর্ম্মাহা তুরেলগী মপান্দা লৈরম্মী। লৈবাক অসিদা সারসাক্ষ কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। নিংথৌ অসিগী কৃতমালা কৌবা মশক মতৌ য়াম্না ফজরবা রাজকুমার অমা লৈরম্মী। রাজকুমার অসিগী মশক মতৌ অসুক্কী মতিক ফজে মদুদি মহাকপু উবদা অতৌবা মীগী জ্ঞান মাঙনিংঙাই ওই। অঙাং ওইনা অস্ত্র শাস্ত্রদা য়াম্না হৈ। সারসাক্ষ নিংথৌগা ইন্দ্ররাজগা য়াম্না নুংনা তিন্নৈ। ইন্দ্ররাজগী রাথং মতুং ইন্না অমাবশ্যা থোকপা মুমিৎ খুদিংগী উর্ব্বশী কৌবী শোরারেনগী জগোই শাবী লাক্কুনা কৃতমালাবু জগোই তম্বী। অদুগা গন্ধর্ব্ব নিংথৌগম্ন মরূপ ওইবা মরম্না ভরত কৌবা

গন্ধর্ব্ব পুং য়ৈবা অহু লাকতুনা পুং তপ্বী। মরম অসিনা রাজকুমার কৃতমালা ইশৈ জগোইদা অরাৎপা লৈতুনা হৈ়্রে। সারসাক্ষ নিংথৌগী লৈবাক অসি শোয়ারেনগী লৈবাকা চপ মান্ননা নিংথিজে। কৃতমালাগা চহি চপ মান্নয়া শুভঙ্কর কৌবা মন্ত্রীমচা অমসু লৈ। শুভঙ্করগা কৃতমালাগা রূপ গুন অমদি বিদ্যা বুদ্ধি চপ মান্নৈ। কর্ম্মাহা তুরেলগী নোংচুপ পাংবা অহুগা স্বয়ম্ভু দেশ গী থা অহুমলোম লাম্নদা উপকণ্ঠ কৌবা দেশ অমা লৈ। লৈবাক অসিদা প্রতাপি হায়না কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লমী। নিংথৌ অসিগী মচানুপী মশক মত্তৌ কজরবা রূপবতী কৌবী অমা লৈ। রূপবতীগা ইন্দ্ররাজগী মচানুপী জয়ন্তীগা নুনা তিনৈ। চহি থুদিংগী ইন্দ্রপুরদা হেক হেক চৎলি। রূপবতী রাজকন্যাসি শুক্রাচর্য্যগী মফমদা মহৈ তম্মী অহুগা মহাক অসিমক গুরুগা চপমান্ননা মহৈ হৈ। নোংমদি প্রতাপি নিংথৌনা মচানুপী রূপবতবু আশীর্ব্বাদ পীবিনবা হায়তুনা ভাগুরি মুনিগী মফমদা হায়জরুই। মুনিনা রূপবতী অসি শোইদনমক কৃতমালাগ বিবাহ তৌরগনি হায়রম্মী। রূপবতীগী মমাম্নগী গন্ধিনীনা অশেংবা খঙদ্রে হায়বগীদমক মুনিদা তক্কুনা হংলম্মী।

গন্ধিনীনা হায়রুকই,

"মুনি মীনা হায়নৈ সারসাক্ষ নিংথৌগী মচা অমা লৈ—মহাক অহু কনা অমনা হায়নৈ—মনা পণ্ডই কনা

অমনা হায়রৈ—ক্ষিভম কায়না পোকই কনা অমনা হা'য় সারসাক্ষ নিংথৌ মচা ইপোক পোক্তে অহুগা কনা অমনা হায় সারসাক্ষ কৌবস্থু লৈতে অহুগা কৃতমালা কৌবস্থু লৈতে কনাঅমনা হায় সারসক্ষ নিংথৌ অসি গন্ধর্ব্বনি। মুনিনা চানবিহুনা ঐখোয়গী চি'নবা অসিতদি কোকহনবিয়ু।'

মুনিনা হায়রকই,

"সারসাক্ষ নিংথৌনা বার্তন তৌদুনা ঐহাক সয়ম্ভু দেশতা কয়ারক চৎলুরে। মহাক্তি চন্দ্রবংশনি। মহাক্তী মচানুপা কৃতমালা কৌবা অমা লৈ হায়বসি তশেংবমক্তি রাজকুমার অসি কনাগুম্বা রাজকন্যা অমত্তগা বিবাহ তৌত্রি। দিলিপ নগর, ভাগুরি, বিহন্দক অমদি সুভদ্রক কৌবা মতিক মগুন লৈরবা নিংথৌ কয়ানা মখোয় মখোয়গী রাজ কন্যাশিং অহু কৃতমালাদা বিবাহ তৌনিংঙি অহুবু কনাগুম্বী কন্যা অমনা সাস্ত্র জ্ঞান লৈতে, কনাগুম্বা অমনা লমচৎ ফজরবস্থু মপাগী শাগৈ জাৎ কয়া পাংকাত্তে, কনাগুম্বী অমনা পুন্নমক ফরবস্থু মমাগী শাগৈ জাৎ কয়া ফত্তে অম্নম তৌহনা রাজকুমার অসি ও'স ফাওবা বিবাহ তৌত্রি।"

গান্ধিনীনা অমূক হংজরকই,

মূনি রাজকুমার কৃতমালানা ঐখোয় ইবেম্মগী মমিং অমুক্তা তাথিত্রিবরা?'

মুনিনা হায়রকই,

"ত্রিপদ মুনিনা হায়রুনা কৃতমালানা হায়না রূপবতীগী মরম তারবনি— উপকণ্ঠ দেশতা প্রতাপি নিংথৌগী মশক মতৌ ফজরবা রতী মক্না চাংদমনিঙাই ওইরবী রাজকন্যা অমা লৈ মতুংগুম্বী রাজ কন্যা অদুনা মশামক্না লাক্লুনা কৃতমালাদা বিবাহ তৌননবা চঙজরকখিগনি।" ত্রিপদ মুনিগী রা তাবদগী ওসি ফাওবা মহাক রূপবতীগী রাখলদা তাওদুনা লৈরক্লি।'

অসুম হায়রম্মগা মুনি চংখ্রে। অশোমদা রূপবতীনা অহিং হুংখিল অনিমক্তা কৃতমালাগী রাখলদা তৌদুনা লৈ। নোংমদি রাজ রানীগী মফমদা মহাক্না য়াজদবা অমদি মহাক্কী রা তাদনা অতোপ্পা মুপাদা থাজবিগনু হায়না হায়জরম্মী।

মতম খর লৈরগা নোংমদি উপকণ্ঠ দেশতা গন্ধর্ব্ব অনিথক থুংলরে। রাজদ্বারীনা লাকইবা দূত অনি অদু নিংথৌগী য়াথং লৌদুনা রাজ দরবারদা পুশিল্লক্লে। দূতশিং অদুনা গন্ধর্ব্ব নিংথৌনা পীরকপা চিঠি ১ প্রতাপিদা কৎশিল্লি। চিঠিগী মরোলদি মহাক্কী মচানুপীবু হু-হু নিংথৌগী মচানুপাদা বিবাহ তৌদুনা পীনবিয়ু হায়জরকপনি। নিংথৌনা য়াম্না পানিংঙি অদুবু মচানুপীনা য়াবা মফমদা পীগে হায়দোকখিবনা মচানুপীগী রা অমতং তাননবা হায়দুনা রূপবতীগী মবুং ধীমান অমদি রাণী অনিমক থারকলম্মী। ধীমানগা

রাণীগা অনিনা চংঙকপা মতমদদি রূপবতী তুমহুনা লৈরম্মী। রাজ কন্যানা মঙ্ অমা মঙলম্মী। মঙদা রাজকুমার কৃত-মালানা মহাক্কী মমাংদা কম্মী; রূপবতীনা ইকাইহুনা চৎকে হেক তৌই, অহুদগী কৃতমালানা মখুৎ পায়হুমা পাম্মী। অস্তুম তৌহুনা রাম্মা চুংঙ'ইনা মঙ মঙ্লিংগে মতমদা রূপ-বতীবু মমানা হৌদোক্লহুনা হায়রকই,

"ইবেম্মা রূপবতী নিংথৌনা নহাকপু গন্ধর্ব নিংথৌগী মচানিপাদা বিবাহ তৌহুনা পীনিংঙি অহুবু নহাক্কী রা অমতং তাদনদি পীবা ওমত্রহুনা ইমানা মহাক্কী রা অমতং লৌগে হায়হুনা লাক্লিবনি"

রাণীনা হংলিবহু করি অমত্তা ইতা তাদনা মমঙদা অস্তুম্না হায়রকই,

ঐহাক্না রাদে হায়হুনা কনানা হায়রিবনো? ঐহাক্কী মরমদা লৈরিবা চিংনবা পুন্নমক থাদোকপীয়ু।"

রূপবতীগী রা তাবরদা হুরাও-হরাও রাণীনা চৎখিদুনা প্রতাপি নিংথৌদা মথংশিংনা হঙংলুরে। নিংথৌনা হুত অসিদা পাও পীখিহুনা হু হু নিংথৌগী মফমদা পাও অদু য়ৌখে। ইন্দ্ররাজগী মচা রূপা জয়ন্তমক্লা লৌবা কংত্রবা রূপবতীবু মর্মো ওইরগনি তাবদা নিংথৌ রাম্মা হরাওই। অশোমদা রূপবতীনা হৌগৎলকপা মতমদা মমা'দা লৈ থর তাহুনা লৈরবা উবদা কনানা থনম্বা লৈনো হংলকই। সখিশিংগী মচিম্দগী থীমান অমদি রাণী অনিমক লাক্লম্মী

হায়রগা ফাবদা লৈ অহু মখোয়না। খরনা মায়কৈ হায়দুনা পল্লে। রুপ্পবতীনা শ্রীমানগী মমদা মখোইনা লারবগী মঙগল হংল্লকই। শ্রীমানগী মচিন্নগী থা খুমমক ফারবদা রূপবতীনা খোইরোয়া মীগ্রাইরদুনা হায়রম্বকই,

"ইমাবু নহাকনা কমায় পত্ত্লে! ঐহাক্না হায়শি্রদা খুমমক অরুদি চন্দা হাংশিন্নবনি অহু নতত্রদা ঐহাক্না মিরাণ খোরক্রম্বদি ইমাবু রুক্মিণীদমক খরম্বজাগে, অমসুং মতমদা ঐহাক্না ইবাবু চবদা শ্রীকৃষ্ণনা লৈথুরগে অদুগা ইমাগা থাদনুনা কনাগুম্বা রজ কয়া অমা খিদ্রনা হু হু দি খোঙী মতাদিথাদা নিবাহ্ন তৌরমবিয়ু।"

অসি হায়রগা রূপবতীনা কপ্লকই। শ্রীমতী খুম্না-য়াংনা চৎথিন্নমা রূপবতীগী পাও অহু মখা ইবেম্মদা তাখ্লে। রাজবাণী জনিবক খাক্কুনা মংবতীবু কমা খেরে। মচুনা মহাক্না শুকঃ মথাখিব্রে। রূপবতীগী অরাম্বহু উবদা পব্দিখিদা হায়রকই,

"ইবেমা কচি অমাম লাকিখিরহ ঐহাক্কী লাইনা শীথা ফর্ম মুখিরা অমা লৈ মতুগী মতেংনা অমা[illegible] ইলোক থাপ্পদা লৈবা কৃষ্ণগাপারু হুমিঙ তন্না দিদা ইমাবুক্না [illegible]। মুখিরা অসিগী মতেংনা দুশাদা খোইদোক্না অফিদা লৈরোই।" অদুম হায়রদুনা গাবীদিনা ওইবু কাংও মখিনা পুম বঞ্জ অমা শাদ্রে। তৌনা শত্তাক্না খাক্কুনা মথম অহু খুরোক অতি অনিদা মাংখ্র কনমগে, খ্যাতি মচিক্না

মচা অমা শিক্কাক্তা নিংথিনা পুক্লিল্লে। লাইবক্ত চন্দন থিনজিল্লে, কৈজোম শেংচিল্লে, মথ্‌ংদা থাংখুম য়াওবা থাং অমা য়ানশিল্লে, কোক্তা কিরিটি মচা অমা চেপ্তুল্লা উপশিল্লি। সুপাগী শকওং লৌরদুনা গন্ধ্রীনিনা রূপবতীগী চিঠি পুরদুনা সারসাঙ্ক নিংথৌগী কোন্নুং তম্নদুনা পাইরক্লে। গন্ধীদীনা মথং মথং পাইরকপা অসিনা তরানিশুবা সুমিত্তা সার সাঙ্ক নিংথৌগী রাজদ্বারদা থুংলরে। নিংথৌগী য়াথং লৌদুনা রাজদ্বারীনা রাজ সভাদা পুশিল্লকই। নিংথৌনা অতিথি অমা লাকপগী হৌনবা আসন অমা পীদুনা গন্ধিনীবু ফমহল্লি। নিংথৌনা মহাক্কী মমিং করি কৌবা করি দেশতগী লাকপা অমসুং করি থবকীদমক লাক্লিবনো হংলকই। গন্ধিনীনা খুমজরকই মহাক উপকন্ট দেশতগী লাকপনি, নিংথৌমচানি মহাকপু পোকপা নিংথৌগী মমিংনা প্রতাপি কৌই অদুগা মহাক্কী মমিংনা গন্ধসিং কৌই। তীর্থ কোয়গে হায়দুনা মপা নিংথৌদা হায়জৈ অদুদা নিংথৌনা মহাকপু অঙাংনি হায়দুনা য়াখিদ্রে অদুদগী সুপা ১০ গা লোয়ননা লোন্না তীর্থ কোয়রকপনি। তীর্থ কয়া স্নান তৌরক্লে, লাইগী নোংদমদগী লোয়নরকপা সুপাশিংচু ওন্না কায়নখ্রে। মখোয় পুন্নমক কদায় কদায়দা চৎখ্রবনো হায়বা খঙদ্রে। লম্বীদা অমুম লাকপদা মহারাজগী দেশ অসিগী সুপা অমা থেংনৈ মহাক্কী মচিন্দগী মহারাজগী মিং তাজৈ মদুদা মহারাজবু দর্শন তৌজগে হায়দুনা চংজরক্লিবনি হায়না খুমজরকই।

নিংথৌনা গন্ধসিংগী মতিক মগুন য়েংগে হায়দুনা হায়রকই,

"রাজকুমার নহাকপু পোকপা নিংথৌ প্রতাপি হায়বা মিংনা করি-করি অর্থবু ওম্বগে ?"

গন্ধিনী হায়বী কন্যা অসিসু রূপবতীনা শুক্রগী মফমদা লাইরিক তম্বদা মহাক্না লোয়ননা 'হেক-হেক' চৎমিন্নবদগী মহাকসু শাস্ত্রগী মতিক চাবা জ্ঞান অছু লৈ। মহাক্না খুমজরকই,

'প্রতাপি হায়বা নিং অসিনা দোষ লৈবা মীবু মতিক চাবা দণ্ড পীবা অদুগা নিংথৌ ওইনা পোকপগী মৃতিক মগুণনা কালেনগী শারবা সুংশাগী মঙানবু ওমজবা, লান্দা থোনা ফবা অমদি ধর্ম লৈবা অদুগা অতেপ্পা অর্থ অমনা মপাঙ্গল কনববু হায়বনি।"

নিংথৌনা অমুক হংওকই,

নিংথৌমচা ওইনা পোক্লবদি করম করম্বা শাস্ত্র শুন্না মরু ওইবগে ?"

গন্ধসিংনা খুম্মকই,

"নীতি শাস্ত্র অমদি ধনু শাস্ত্র অনিমক ওই।"

সারসাক্ষ নিংথৌনা অমুক হংওকই,

"কেত্রিশিংগী করম্বা মূর্তিনা ওইবগে ?",

গন্ধসিংনা খুম্মকই,

"কোক অমসুং খোরিনা ওই. মহুস্থ মথং মথং ওইগ-দৌবনি। নিংথৌমচা ওইবনা মথক্তা হায়গ্রিবা শাস্ত্র অনিনক

মপুং মামা ওইবা মাই, কোমা মচুগা মাংগনি মদু মাংকসবা মাসলদি মৌমিদা থংবনি, মখোইদা যীরতা ওইবগী মতৌ লৈগনি, মদু মাহাক্কী শিংবু তাকপি মোমতিখনি মাকপা মহারাজ প্রজাবু তাকপদা মমাই মাওন্না থাবত্তনি।
কেমিমিংগী নত্তনা যুদ্ধ তৌদুনা থবা লম প্রোকবনি, মতোনবা মীশিংবু মোরু থাকনি গুন লৈবা মীবু মতিক চাবা ম্যায়াহাবু তৌগনি অদুগা দোষ লৈবা মীবু মতিক চাবা দণ্ড পীগনি।"

গন্ধর্বসিংগী মশক মতৌ করবা, নিংথৌমচা অমা ওইবগী মহৈ মশিং হৈবা অদুনা নিংথৌনা হয়াওরদুনা রাজকুমার কৃতমালাগা মরুপ শামনহনদুনা অহিং অদু কৃতমালাগা লৈমিন্নে। কৃতমালানা থমকই—প্রতাপি নিংথৌগী মচানুপা ওইরবদি শোইদনমক রূপবতীগী মবুঙ ওইকম থোকই অদুনদি মমাংঙৈদা ত্রিপদ মুনিনা হায়রবা অদু চুবা তাত্তে হায়না থম্মোইদা কনা হয়রাওই। চাবা থবপা লোইরদুনা পোথাদুনা লৈবা মতমদা কৃতমালাগী থম্মোইদা করিগুম্বা থম হংনিংঙি মদুদি—রূপবতীগী মরমদনি অমুবু করম তৌবা মচন মুপীগী মা অদু মবুঙদা লুংগদবো হায়না থম্মুমো থম্মোইদা লাংতৈরে। তাবা অশিনবগী ওতকমনা রায়ী শাবা হৌরকই, "রাজপুত্রনী ইচিদু মাংতা কনা তগে অদুগা মিংনা করি করি কৌবগে"
গন্ধর্বসিংনা খুমকই,

"ঐখোয় ইচিল ইনাও অনিতনি, ঐহাক্কী মিংনা গন্ধসিং কৌই অদুগা ঐহাকী ইচন হুপী অমা লৈ মহাক্কী মমিংনা রূপবতী কৌই।"

শুভঙ্করনা মথা তারদুনা হংঙকই,

রাজ কন্যা অদুদি বিবাহ তৌরব্রা ?"

গন্ধনা খুম্মকই,

"হৌজিক ফাওবা বিবাহ তৌ দ্র।"

গন্ধসিংগী পাওথুম অদু তাবদা কৃতমালাগী মাহৈথোং অদু হরাওবগী ইথক অমা হৌরকপগুম তৌই। রারী অস্থম শাম্নরকপদা গন্ধসিং অসি রূপবতীগা পোকমিন্নবা ওইরমদবা তাই হায়বা খঙলদুনা কৃতমালানা গন্ধসিংগী মকমদা হায়রকই,

"মীনপা তৌবিগনু অশেংবা নহাক্কী পরিচয় তাকপিদুনা ঐহাকা পুক্নি দা চিংনরিবা অসি কোকহনবিয়ু।"

গন্ধিনীনা রূপবতীগী চিঠী অদু কৃতমালাদা পীরদুনা হায়রকই,

"রাজকুমার অশেংবনক ঐহাকী ইমিং গন্ধিনী কৌই। ঐহাক্তি মন্ত্রীগী মচানুপীনি রূপবতীগী চিঠী পুদুনা রাজকুমারদা লাকচবনি।"

কৃতমালানা রূপবতীগা মতৌ করম্না উনবা ফংগদগে হায়না হংলক্লবদা গন্ধিনীনা মহাক্কী পুষ্পরথ অমা লৈ মদু তোংদুনা মহাক লাকপনি। পুষ্পরথ অদু বনগী মন্নুংদা থনম্মী মদু তোংদুনা চৎপা য়াগনি হায়জরকই। অসিদগী

নোং ভাল্লৈ হায়রগা লোম্না কৃতমালানে, শুভঙ্করনে অমসুং গন্ধিনীনে অহুম্মক পুষ্পরথ অহু তোংলহুনা লাক্লে। কৃতমালানা দ্বারীদা চিঠি ইদুনা পীরম্মী মতু নিংথৌদা দ্বারীনা পীহুনা মখোয় অহুম্মক অসুম তেংনা চংখ্রে হায়না খঙহনখি। অসোমদা মখোয় অহুম্না সুংখিল সুংখিলদ রথ অহু তোংহুনা লাক্লে অহুগা অহিং ওইরক্লবদা অকবা মকম য়েংদুনা লেকই। রূপবতী রাজ কন্যানা অসেমদা কৃতমালাবু রূপুরোইবা ওইনা কংজবা পীনবিয়্ন হায়না শিবগী মফমদা প্রার্থনা তৌজরি। শিব মহাদেবনা লঙ্কোইবগী কিজেং লেংলহুনা কৃতমালাগী মমাংদা ভংশংবা কাওবিরয়ে। শিববু উবদা কৃতমালানা বন্দনা তৌজে। শিবনা কৃপা তৌবি-রম্মুনা মনাইদা তাকপিয়কই,

"ওসিমক গন্ধর্বগী কাংলুপ লাকতুনা রূপবতীগী বিবাহগী দমক অধিবাস হৌখ্রে, অহুম ওইমমক ঐহাক্কী বরদগী রূপবতীগী মনাক্তা কনা অমত্তা চংদবা ওইসনু অহুগা নখোয়গী রথ অহু বন অমগী মনুংদা থনম্লগা রাজপুরদা চংলগা মহাকপু লৌরুচো মতুদা কনা অমত্তা খঙদবা ওইসনু।" অসুম্না তাকপিরম্লগা শিব লেংখ্রে। গন্ধিনীনা রথ অহু বনগী মনুংদা থনম্লগা রূপবতীগা উম্নখিবদা শিবগী বরদগী কনা অমত্তা উহৌদ্রে। রূপবতীগী মফমদা পাঙ অঙ্গি মথংশিংবা তম্নহুনা কোনুংদগী হতোপ্পা পুষ্পরথ অমা তোংলহুনা ওসাইগী বন অদুদা লাক্তুনা রূপবতীগা কৃত-

মালাগা উগ্নরয়ে। অসোমদা গন্ধর্ব্বসিংহ্ কন্যা খিবা
কংত্রবদা মুনিৎ হৃযদি মকম মরাং ইখঙ থঙদনা ভাইহ্নবা
লৈরম্মগা মখোয়গী লেপতা হনখ্রে। নিংথৌ মহারাণী
অদিমকসু রূপবতীবু খিবা কংত্রবদা কয়া অরাবা ওই মচু
শিংথাহনবা লোইবা নত্তে। তাওরি মুনি লাক্তুনা নিংথৌ
রাণী অদিগী মকমদা রাজ কন্যাদি কৃতমালা হায়না কৌবা
লাকতুনা অমম্ম চৎখ্রবদি মহাকীদমক থোইদোক্না পুক্লিংম্মা
মিংওসনবা তৌবিগনু হায়রে। কৃতমালা হায়বা অসি
অচবা মিংথৌসচা নত্তে মতিক মঙাল থোইদোক্না লৈবা
অমদি অস্ত্র শাস্ত্রদা সপুঙ ফারবনি অদুগী মথক্তা রূপবতীগা
কৃতমালাগা বিবাহ তৌ হায়বা লাটপী বর লৈবদগীদি
অসুম হায়না লৌক্লিজি। নিংথৌ রাণী অদিমক পুক্লিংঙ্গী
অরাবা কোকখি। অসোমদা রূপবতীনা কৃতমালাবু ইজয়দনা
পুক্লিংদা লৈবা ইকায়বা পুন্নমক থাজোক্তুনা থুরমজে।
থোকখিবা থৌদোক কয়ামুক্তা বারী শাগ্নিয়রহুনা অদিমক
পুক্লিংগী মিংওসনবা কোংজোকরৈ। অসুম তৌদুনা বারী
ভাইহাক শারনা মতুংদা কৃতমালাগা রূপবতীগা রথ অমদা
তোংলে অদুগা রথ অমদনা ভভকবদা গন্ধিনীগা তোংলে।
চাবনবা অমদি লানমী খুৎও খুৎলাইনচিংবা পুন্নমক রথ
মথক্তা হাপকংতুনা মমাই লোংপোক পাংনা লাক্লে। মতৌ
অসুম তৌদুনা লাকপনা মঙাদি তুবা লুমিত্তা বিক্সা। চীং
লাংহোক্তুনা তুরেল অমগী মপান্দা লৈবা বন অমমা

থুংলরে। মতম অসিদা হুমিৎ তাশিল্লক্লহনা মকম অসিদা লেক্লসি হায়না থম্লরে। অস্মুম খোকউ তমথিবনা হুমিৎ খুদিংগীদি অহুম অমনা তুমলগা অমনা হেক হেক শঙবনি অহুবু হুমিৎ অসিদি মখোয় মরিমক চপ মান্নবা তুমলে। লুহোংজ্রিবা মরম্মা মখোয় মরিমক অসি কমুং অমদা থক পুন্না তুমদে। মরম অসিনা তোংঙান তোংঙান্না তুম্লমই। বিন্ধ্যা চীংগী চীংদোন্দা কিরাট কোবা যত্রবা অমদি য়াম্না তমথিরবা কাংলুপনা থুঙং অমা লৈ। কিরাট অনিংক্না অরাপ্পা চীংগী চীংদোন্দগী য়েংথরবপদা তুরেল অংগী সপান্দা মী মরিথক মৈ হৌহনা তুমহনা লৈবা উরে। মথুত্তা থাংশাং পায়রহনা মখোয় মরিনা তুমহন্না লৈরিবা সকম অহু তাম্না লাক্লে। মখোয়না কুমথরক্কনা য়েংবদা মী মরি অসি হুপা অনি হুপী অনিনি হায়বা থেংলে। ডাকাটি অনিনা থম্মরকই—মচৎ কত্রবা হুপা অনিগী মথম্লাই লৌরসি অহু ওইরবদি হুপী অনি অসি বন অসিগী মঙ্গংদা লৈবা ওন্মরোই অহুনা মশক মতৌ কজরবীশিংসি এখোইগী ওইবা তারে। অস্মম হায়নরম্হুনা ডাকাটি অনিনা কৃতমালা অমদি শুভঙ্করগী মকোক ককথৎলে হায়রগা বন অহুদা লোৎহুনা লৈরে। নিংথৌমচা অমম্নুং মন্ত্রীমচা অনিমকী কোক্না লৈপাক্তা হেক তাবদা রূপবতী অমদি গন্ধিনী মিকপ খঙখোক খোক্কনা য়েংবদা তৌরম্মীবা থৌদোক অহু উরে। অনিমক্না অককপা মকোকশিংহু কোল্লহনা

কপ্পিরৈ। মখোয়না নৈত্রবদা ঐখোয় অকিনা হিংদুনা লৈরবগী কাম্রে অদুনদি ঐখোয়সু চাদবতনা থবাই থারগি অকুপ হাকুনা থরৈ।

ষষ্ঠম অসিমক্তা আকাশতা চন্দ্রদেবনা পুজরী লৈর-হনা রোহিনীগা লোইনন মু শিরবা ইশৈ শক্না চৎলি। মৃগশিরবা ইশৈগী মরক মরক্তা কপ্পগী খোঞ্জেল, অমা হেক হেক তাবগুম তোই। রোহিনীনা চন্দ্রদেবগী খুৎ পাক্কাহনা হায়জরকই,

"হে প্রভু তাবিরিবরা কনাগুম্বী মুপীগী কপ্পী, খোঞ্জেল অসে। করম্বা অরাবা তারকুনা কপ্পিবনো?"

রোহিনীগী বা অদু তাবদা চন্দ্রদেবনা মোমোন নোকৃকুনা হায়রকই,

"রোহিনী নঙ্গা রাগ্নিবা অদু তোঙ্গু। মহাশয়শিং মংমনা তারিবা দশা অসে মুনিগী শাপ লৈরনি। মখোয় অমুক খোয়দনা হিংজকথিগদৌরনি।"

রোহিনীনা চন্দ্রদেবগী মমখদা মখোয়গী পুর্ণ [illegible] রাণী তাকপিনবা হায়জরকই। চন্দ্রদেবনা হায়রী পীরকই।

[illegible] লৈথাক্তি কৌবা নিংথৌগী [illegible] হন্না কৌবা নিংথৌ মচা অমগা [illegible] নিংথৌ [illegible] মক [illegible] হায়না কৌবা অমগা লৈরমী। মখোয় অনিমক মশক [illegible] কজে অহুম্বা শগোলশেন [illegible] [illegible] লোংমরি ছুজি নিংথৌগী মচানুপী [illegible] [illegible]

মাগী মতা সখিগা লোইনরহ্না বন অমগী মনুংদা বিবস্ত্র ওইরহ্না শান্নরম্মী। লাইগী নোংদমনা অশুম থোকউ তম্বনা বৃহস্পতি গুরুনা অমুম লাকপদা মখোই মরিনা ওইরম্মীবা মওং অহ হেক উরুরে অদুদা গুরুনা ক্রং হেক শাওরহ্না শাপ তৌরকই,

"হে পাপীশা! নখোয়না গুরুবু থওইদহনা অসিগুম্বা অশ্নীর্ঘ্য ওইবা থবক তৌরে অদুনা উল্লাস নংবা মগী মপোক্তা নিংথৌ অনগী মচা ওইনা পোকউ অদুগা বিলাসিনী নংমু নিংথৌ অমগী মচামুপী ওইনা পোকউরো। ধনঞ্জয় অমদি সখি নখোয় অনিমকসু মন্ত্র গী মচা ওইনা পোকলুরো নখোয় মরিমক মপোক অদুদা য়াম্না রানা থুংনবা ওইরসনু। ডাকটিনা লমথাওদা নখোয় অনিগী মকোক কক্লুনা রাজ কন্যা অমদি সখি নখোয় অনিমক য়াম্না অৱাবা নংউ। মমৈথংদা চন্দ্রদেবগী থৌজালদগী অমুক হিংগুকউ।" অমুম হায়না বৃহস্পতি গুরুনা শাপ তৌখি। উল্লাস হায়না কৌবা নিংথৌমচানা হন্দক কৃতমালা হায়না কৌহ্না পোক্র-রিবা অসিনি, বিলাসীনিনা রূপবতী কৌদুনা, সখিনা গন্ধিনী কৌদুনা অদুগা ধনঞ্জয়না শুভঙ্কর কৌহ্না পোক্ররিবনি হায়না চন্দ্রদেবনা রোহিনীগী মকমদা তাকপিখি।

অসিদগী চন্দ্রদেবনা আকাশতগী কুমথরক্লে হায়রগা অশিবা হকচাং অনিদা অম ত খিকপিরে। খুদক অহমক্তা কৃতমালা অমদি শুভঙ্কর অনিমক তুম্বগী মতৌগুম্নহ্না

হৌগৎলক্রে। চন্দ্রদেবনু রোহিনীগা লোয়ননা চন্দ্রলোক্তা চৎখে। রাজপুত্র অমদি মন্ত্রীপুত্র অনিমকনু থোকখিবা থৌদোকশিং অদু রূপবতীনা মথংশিংনা তম্বদগী খঙলে। মখোয় মরিমক হরাওবগী ওমথৈ লৈখিত্রে। মতৌ অসুম তৌদুনা নোংভাল্লে হায়রগা প্রাতস্নানচিংবা তৌরদুনা থোকখিবা থৌদোকশিং অদুগী বারী শানা শানা লাকপনা বিক্রম কোৌবা লৈবাক অমদা সুমিৎ য়ুংবা মতমদা থুংলরে। বিক্রম কৌবা লৈবাক অসিদা সাত্তভূজ কোবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। নিংথৌসিগী মচানুপা মরি লৈরম্মী মখোয়গী মমিংদি মথংশিংনা বীরধ্বজ, কীর্ত্তিধ্বজ, বৃষধ্বজ, অমদি সিংহধ্বজ অসুম হায়না কৌরম্মী। নি থৌমচা মরিমক সুমিৎ অসিদা চাক চাননবগী হায়দুনা পুল্লা লৈরম্মী। অসোমদা মখোয় মরিনু তুরেল অমগী মপান্দা চাক চারহনা মীনা খঙদনবা হায়দুনা মুপাগী কিজেৎ শেৎচিল্লি। মখোয়না অসুম তৌদুনা পোথাদুনা লৈরিঙৈ মতমদা বীরধ্বজগী মনাই মুপা অমনা থেংনরুরে। মহাক্না পরপ পরপ চৎবিদুনা মবুংভোদা মুপা মরিথক অসুম তৌদুনা লৈহৌই হায়না তমলুরে অদুদা বীরধ্বজনা মখোয়বু কৌশিল্লকউ হায়রদুনা রাজপুরদা কৌশিল্লি। বীরধ্বজনা আসন অমমম থাদুনা অতিথি লাকপগী হৌনবা লেবা তৌই। বীরধ্বজনা হায়রকই,

"মহাশয় মরিমক অরাবদগী লাকপা মাল্লি অহগা কেত্র বংথদা পোকপা ওইনমু উইজ করি-করি থিং

কৌবিদা, তমন কমকা লৈবাক্তা, লৈবিরা অড্রুগা কত্রি থবতী [illegible] [illegible] কুমারা চংখিখিবনো ?

কৃষ্ণমালানা খুমকই,

"রাজকুমার ঐখোয় কেন্দ্রিমচা ছাক্তি ঐগী মিৎনা কৃষ্ণমালা কৌই, মত্থাকী মিংনা শুভঙ্কর কৌই, মহারাজা নপজান কৌই মহাক্তা পদ্মসিংহ কৌই। ঐখোয় মরিমক তীর্থ চৎপনি।"

বীরধ্বজনা অদুক হায়রকই,

"অকনবা মীগা সঙ্গ ভৌবা পামদ্রনা হায়জবনি ঐখোয়গী অসিদা লুমিং থরদং লৈবিদ্রনা মহাশয় মরিগী সেবা তৌজগে।"

কৃষ্ণমালানা হায়রকই,

"রাজকুমার ঐখোয়দি তীর্থ চৎপনিনা মতম কুইনা [illegible] অসিদা লৈগোরবগা য়ারে। ঐখোয় লুমিং মরিনিদ্ধ [illegible] অসিদা লৈজগে।"

[illegible] [illegible] [illegible] তামী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লেপ্পা লৈরমই। বীর[illegible] [illegible] [illegible] ইকোই কো[illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মীওইনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]—

থাইনা মমাঙঙৈদা শুকল্ল কোবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী। নিংথৌ অসি কৃষ্ণ ভক্তিদা য়াম্না শ্রদ্ধা লৈ। নোংমদি নিংথৌ অসিগী মচাশিপা অমখক্তং লৈজবা অদু ইন্দ্রগী য়্রজনা পান্দুনা শিরে মছুদা নিংথৌ অসি শাওবনা মৈ হৌরছনা ময়ামদা রাশক্লহনা হায়রকই,

"হে সত্য সত্য কোবা লাইনা সাক্ষি ওইসনু ইন্দ্রদেবগী খুভম মুনবা ভমত্রবদি হুমিং থানা লৈরিবমথৈ নরক্তা তাহনা লৈখ্রগে।"

শুকল্লা নিংথৌগী মীনা কংবা ভম্মরোইদৌবা রাশক তাবদা লৈরিবা অমদি তারিবা ময়াম অছনা অস্থুম্না থম্মৈ শুকল্ল নিংথৌসি ওম্বোক্লা পঙথ্রেদা! ইন্দ্ররাজগী খুভমবু মুনগে হায়না রাশক্লিবসে! মহাক্লা থল্লিবা রাথল অসিদি নোংগৌবী কোবী উংক্লা সমূত্রবু থক্তুনা কংহনগনি হায়না হোংনবগুম্বনি। শুকলপ নিংথৌ হোংনবদা ভমত্রে হায়ছনা তরাইনা হেক তোক্লনবা মীতা নত্তে। অহানবমক্তদা পুক্লা রথ তোংলছনা যমরাজগী কোমুং তাম্না চংখ্রে। যমরাজগী দ্বারিনা যমরাজগী য়াথং লৌরছনা মহাকপু যমরাজগী মকমদা পুসিল্লি। যমরাজনা মঙোন্দা কঁরি বর পাম্বগে হায়না হংবিখি। শুকল্ল নিংথৌনা য়ারম পুম্নমক যমরাজগী মকমদা হুক্সচৈচ মহুদা যমরাজনা পেনবিরগনা মহাক্লা নিংবা থুংজরো হায়না বর পীবিখি। অসিগী মতুংদা শুকল্ল নিংথৌনা শ্রীগনেশ অমসুং কার্ত্তিকী মকমদা

চঙখিদ্রবা মম থিরকই। ঐরাবত শাম্মুনি মকথা অমুক চংখিদুনা মহাক্না ইন্দ্ররাজগা লান শোক্নবা মতেং পাংবিদ্রা হায়রকই। ঐরাবত শামুনদু রাংশরুহনা মাগী লানগী মতেং পাংবিগদি হায়রবা হায়বিরকই। অসিদগী শুকদাপ নিংথৌনা মনাংশিংনা চংখিদুনা মেঘপুরুষ হায়রবা ইন্দ্ররাজগী লম থাখিবা লাই অচুদগী মাগী মতেং পাংবি-নবা মম অমত্থ লিক্লরে অমপা কদী থারীদগী থরগদ্ ফংজরে। অসুম তৌরহনা শুকদ্র নিংথৌনা লাই পূজাগী মম কংলাদুনা মহাক্কী লৈপাক্তা হলক্লে। নিংথৌ অসিনা হায়া হন্নাওনা ব্রাহ্মন বৈষ্ণব মুনিনচিংবা পুজকপু পুজা তৌরহনা লানগী যাত্রা তৌরে। অসোয়বা মনাইশিংগী মচিন্দগী মহাক্কী শুভম অম মুদনবগীদমক শুকদ্র নিংথৌনা মরুনরা ব্রত তৌই হায়বা ইন্দ্ররাজনা তাই মহব মাগী খুদম মীনা মুনবা মপা হোনদে হায়না থন্নোক্তুনা ইন্দ্র-লেবনা অরি অমত্তা নিংতাইনা তোমদা লৈখোক্লে। শুকদ্র নিংথৌদি থারী নন্দীনে ভূত প্রেত লাক্সী ময়াম্বা লোইননা ইন্দ্ররাজগী লোংপোক লোয়রা লান চংলক্লে। মনাইশিংনা পরূপ-পরপ চংখিদুনা ইন্দ্ররাজদা লান লাক্লে হায়না পাও তম্লুরে। ইন্দ্ররাজনা মনাইশিং থাদুনা জয়ন্তকুমার কৌরুনবা হায়দি মহুত থাদুনা ঐরাবত শামু পুরকদা হায়রে, মতম লক্লুরা শামু থিবা মাক্তা অরক মেঘপুরুষপু লম পুরকবা হায়রগা, মতম লৈহৌদনা মেঘপুরুষ থিবা কংজ্রে। মাইকৈ

ডাকপা লাইরাম থাহনা গনেশ কাত্তকপু কৌহল্লরে অচুদম্ব
দাপেশ কাত্তিক থিখা কংত্রে। নন্দীখারীনা ভূত প্রেত দাখী
ময়ামগা লোইনরম্না ইন্দ্ররাজগা অকনবা দাব খেংনরে।
মমেথংদা ইন্দ্ররাজ অসি শুকল্প নিংথৌগী মমাংদা থাওবা
ওমত্রদ্রম্না লানকমদগী মমাই ওন্দুনা চেল্লে। শুকদেপ নিংথৌনা
ইন্দ্ররাজগী মিংথৌ থুডম মুলহৌরে। লাই পুম্নমক্না মহাকপু
মঙ্গলাশীর্বাদ পীবিরম্মুনা লাইয়ামগী নিংথৌ হাপলে; অশুম
তৌরম্না মীওইবনা কংবা ওমত্রেবা ইন্দ্ররাজগী খুডম অদু
শুকদেব নিংথৌনা যজ্ঞদগী হৈরাই লাইনা কংখি অহৈপা
অবস্থাগী ইন্দ্ররাজনা লাইমরাগী থুডম মাঙখি।

সিংহদ্বজগী য়াত্রী অদু তারবদা গন্ধনা হায়রকই,
"জগৎ অসিদা কপ্পদা মাল্লনা ফনবা লৈতে। মী পুম্নমক
মণ্ডলী মথা পোক্নি হায়না বেদ পুরাননচিংবনা হায়রি।"
মসিগী য়াত্রী পন্দুনা লীরকই। অকোক্ত নিংথৌগী শ্রীগুহাসী
কৌবা মশক মতৌ ফজরবা মচাল্লুপী অমা লৈরম্মী। মতম
চুম্নদা শ্রীহরিগী চরনবু নিংই অমম্বুং মপুরোইবু ঈশ্বরমক্তি
হায়রদা থজুনা সেবা তৌজে। মপুরোইবগী মমিংনা শ্রীদীপ
কৌই। মথোর অনিগী প্রেম সম্বন্ধ উবদা লাই য়াম্না
য়াক্না চিংনৈ। গুহালীনা হায়জহুনা মপুরোইববু বিবত্র
ওইহল্লগা ভূমিৎ খুদিংগী মপুরোইবগী লিজবু কৈগদ কারক্না
থমহুনা ভুমই। সতী অসিগী গুণ ময়ামগী মরক্তা অসিগুম্বা
খোব অমা লৈবি। মপোক অমদা গুহাগী অসি মুনিগী

কুলদা মশক মতৌ য়াম্না চংখায়া পোক্লয়ে অছুম্নদি ওইরগা মহাক্কী পূর্ব্বজন্মগী দোষ অহুনা মহাক্কী ভোগাঙ্গ অহুদি য়েৎথংবা কৈগলদা পাল্লে। তাওরি মুনিনা মরম অসিদগী মহাক্কী মমিংবু লোপা মুদ্রা হায়না কৌখি। মতিক-মগুণ লৈরবা মুনি কয়া কৌহুনা পূজা তৌরহুনা মহাক্কী ভোগাঙ্গ মকম চানা থম্নবা হোৎনৈ অহুবু কনা অমত্তুনা চুম্না থম্বা ওমখিদ্রে! অশিবমকপু হিঙ্গৎহনবা ওম্বা মুনি কয়া কয়ানা মন্ত্র, তন্ত্র অমদি সাধন কয়া তৌদুনা হোৎনবদা অরেম্বা তারে। লোপা মুদ্রা নোংম-নোংমগী অস্থম-অস্থম চাওশিন্নক্তুনা লৈশাবী মপুং ফারক্লে। নোংমদি উপবন্দা লৈহুনা শ্রীহরিবু নিংজরকই। মতম অসিমক্তা মকম অসিদা হিংচাবা অমা লাক্তুনা লোপা মুদ্রাবু নমহুনা রতি দান পীগে হায়হুনা হোৎনরকই। মতৌ অছু উবদা লোপা মুদ্রানা ব্রহ্মাবু কৌরদুনা হিংচাবা অদুদগী কনবিননা হায়জরকই। ব্রহ্মা কৌবা লাইগী থৌজান্দগী হিংচাবা অহুনা মহাক্কী ভোগাঙ্গ অদু থিবা ফংবা মরৈখিদ্রে। হিংচাবা অছু ইওক ওক্লদুনা মমুমদা হনখ্রে। হিংচাবা অদুনা চৎথ্রবদা হায়গী মতৌগুম্নহুনা লোপা মুদ্রাগী ভোগাঙ্গ অদু অমুক হন্ন মকম অহুদা লৈখি। লোপা মুদ্রা অসি চাওরক্লবদা অগস্ত মুনিনা লোই। অগস্ত মুনিগী মতিক মগুণদি করি অমুক হায়রুগনি—মহাক্লা আচমন তৌবতদা সমুদ্রবু কং-হনবা ওমই. মুংশাস্বর হোনবদা মৈ থোকইবনি অহুগা

মহাক্না য়েংলদা সন্নজিং কৌবা মীংনা ঐপ্রিবনি। অসুক মতিক মগুণ ঐপ্লবা মুনিমক্না মহাক্কী মুখ্যগী খোংগাংকুম মরুম চানা খনা ঙমখিদে। কর্ম হায়বা অদিদা মমরদি শিবা দুর্গামক্কী মচা গনেশ দেবগী কোক অদু মানিজনবা য়েংবদা কেমাখি মরম অসিদগী গনেশ দেবগী কোক অমত্তা শামুগী খানখি। জগৎ অসিবু শেম্মীরিবা ব্রহ্মা দেবগী মচা নিপা সনকক্কী লিঙ্গবু উর্ববশীনা হুইখিনা কক্তুনা খখ্রবা ব্রহ্মানা করিস্থ তৌজবা ঙমদ্রবনা মনগী লিক খানখি। দক্ষ প্রজাপতি হায়রিবা অসি মহা তপস্বী গুরুনি অদুগা জগৎ অসিদা লৈরিবা হিংচারা, ভূত প্রেত পুম্নমক মহাক্কী মখা লোনরনি অদুগুম্বা দক্ষপ্রজাপতিগী মকোক অদু শিবনা ত্রিশূলনা কক্তুনা যজ্ঞগী মন্দিরদা পুক্রুপন্না করিস্থ তৌজবা ঙমখিদে। মক্কী অশুম তৌরগনা মহাক মহাক্না তৌজগা কর্মগী ফল অদু কক্তৎপা ঙমখিদে। মরম অসিনা জগৎ অসিদা কর্মগা মান্ননা কনবা ঐক্তে। গরুগী বারী তাবদা বৃষধ্বজনা কর্মদি কালগী মথা পোল্লি হায়দুনা বারী অমা লীরকই। ব্রহ্মানা জগৎ অসি শেমগে হায়দু-দুনা অহানবুমক্তদা কাল পুরুষ হায়বা অমা শেম্মী। অনুকালনা থুঞ্জিল শেম্মী, নিমেষনা থুঞ্জিল শেম্মী, মহূর্ত্তনা খোঙ্গী মরামগী শক্ক শেমখি, মুঙ্কনা হৃদয় শেমখি, অহিং থংখিল অনিনা মিৎ অসি শেমখি, থানা পাম্বোম অনি শেমখি, শুক্লপক্ষনা কোক শেমখি অহুগ্না কৃষ্ণ পক্ষনা

না শেমখি অসুম তৌরদুনা ব্রহ্মাদেবনা কাল পুরুষ পুখোকখি। অদুগুম্নবা কাল পুরুষ অদুগী কর্ম্ম কৌবা বীর্য্যদগী মচানুপী কয়া, সুপা কয়া পুখোকখি। মচা খরনা ঈশ্বরবু নিংদে অদুগা খর অমনা ইশ্বরবু নিংজে। ঈশ্বরবু খাওইদবা মচাশিং অদুগী পুন্সি লমথাংদা লোইদুনা নরক তাখি অদুগা ঈশ্বর নিংবা মচা শিংনা পুন্সি তোলোইদুনা স্বর্গ কংখি। ব্রহ্মাদেবগী শাপুগী কাল পুরুষগী মচাশিং অসি প্রমগা অমগা হাৎনদুনা অকবা মচাশিং অদুম্ন অরাবা কয়া নংখি। মরম অসিনা কালগা মান্নবা কনবা লগং অসিদা লৈত্রে।” বৃষধ্বজগী ৱারী অসি তাবদা শুভঙ্করনা কর্ম্মকালদি জ্ঞানগী মখা পে ল্লি অদুনা জ্ঞানিজন শিংনা জ্ঞান তৌদুনা কর্ম্মকাল হায়বা অসি মখোয়গী খুদুমগী মথাদা থম্বা ঙম্মী হায়দুনা ৱারী অমা লীরকই।

গজপ্রস্থ কৌবা লৈবাক অমদা ভব কৌবা ব্রাহ্মন অমা লৈরম্মী। ব্রহ্মান অসিগী চহি নিপাল্লোম শুরবা সনাভব কৌবা মচা অমা লৈ। অঙাং অসিবু মুমিৎ খুদিংগী চীং অমগী চীংযাদা ষন শেলহল্লি। নোংমদি মমান্নবা শঞ্জেন্নাহা খরগা শান্নরিঁভে মতমদা ষন পুম্নমক মাঙথোকখ্রে। মুমিৎ তাশিল্লরুদুনা ষনশিং অদু পুদুনা ময়ুমদা কাথৎলগে হায়না থিরুবা মতমদদি ষন অমত্তা থিবা ফংদ্রে। ষনশিং অদু পুদনা ময়ুমদা:চংলবদি মমা মপানা ফু বিরগনি হায়না কিবদগী শুরুবা চীংসুংদা চংদুনা ষনশিং থিবা হৌরক্লে। মমৈথংদা ফজরবা

চীল্লবা মফম অমা থেংনরে। মফম অদুদা মনিগী মশক ওইরবা ফুরা অমা থেংনরে। মন্দির অসিগী অকোয়বদা উপাম্বী কয়া-কয়া হৌরি অদুগুম্বা উ পাম্বীশিং অদুদা মথল কয়াগী উরীনা য়েং-য়েত্তুনা হৌরি। মচু কয়াগী লৈরাং শাংলি, মমুন ফারবা হৈরাংশিংনা মমায় লুকথরহনা পাল্লি। উচেক কয়ানা উকৈথক্তা তোংহনা সুংশিরবা খোঙ্গেলনা ঈশ্বরগী গুনবু শকলি। নামিবা সুংশিনা হৈরাং-লৈরাংগী সুংশিরবা মনমবু পুহনা মফম পুম্নমক শিনবা থুংনা পুথি। মন্দিরগী ময়ামক্তদা পীল্লবা ইচেল মচা অমা অতৎপা লৈতনা চেম্থরি। মন্দির অদুগী মমুংদা শ্রীগনেশদেবগী মূর্ত্তি অমা লৈ। অঙাং অদুনা পরপ-পূরপ চঙথিবদা মূর্ত্তি অদু হেক উরুরে। অদুগুম্বা মূর্ত্তি অদু উবদা পুৰঙক ঙক্লহনা মথুৎ যুর তৌরহনা গনেশদেবগী মফমদা কপ্পা-কপ্পা হায়জরকই,

"হে ইবুংঙো নহাকপু করম্বা লাইনো হায়বা ঐহাক খঙজদে। ঐহাক্তি যন শেনবা অঙাংনি। ইমা ইপানা ঐহাকপু যন শেন্নবা হায়দুনা থারকপনি অদুবু শাম্নরিঙৈদা যন মরিমক ওয়া মাংথোকখে। যন পুদনা য়ুমদা চঙলবদি ইমা-ইপানা ঐহাকপু ফুবিবা তারে অদুনা ইবুংঙো নহাক্তা চানবিদুনা ঐহী যন মখৈ পীবিয়ু। অসি হায়রদুনা অঙাং অদুনা গনেশদেবগী চরন্দা কোন্দুনা কপ্লক্লে। অঙাংগী মতৌ উবদা শ্রীগনেশ দেবনা মিকুপ অমগী মতুংদা যন মরি অদু পুরক্লুনা পীবিরে। অঙাং অদুদা হংবিরকই,

"হে অঙাং নহাক্কা ঐহাকী ইকমদগী করি করি বর পাম্বগে ?"

সনাত্তবনা হায়জরকই,

"হে দেব ঐহাকপু চানবিত্নুনা বর অনিখত্তুং পীনরিবু— ঘর অহুদি ঐহাক্কা মতম কুইনদগী খত্তনিংলক্লবনি—ঐহাক্কা হয়েং চাওরক্লবা মতমদা কম্বা কন্যাবু লুহোংত্নুনা লৌরগদগে হায়বা অমা অত্নগা অতোপ্পা বর অমনা ঐহাকা মতম কয়া কুইনা লৈমিন্নরবা মতুংদা চহি কয়া শুবদা করম্বা থাদা করি হুমিত্তা ঐহাক শিন্নগদগে।" গনেশনা হায়বিরকই, "তাত্ত হে ব্রাহ্মন মচা নহাকী কর্ম্মগী ফলনা নহাক্কা লুহোংদনা লৌরগদবা মুপী অদুগী মরম ঐহাক হায়গে। নখোয়গী য়ুমগী মমাংদা ভুরেল মচা অমা লৈ অদুগুম্না ভুরেল অদুগী রা'মদা যবনশিংগী য়ুম তরামুক তাবা খুল মচা অমা লৈ। খুল অদুদা লৈবী যবন জাতিদা পোক্লবী বিমতী কৌবী কন্যা অমা নহাক্কা লুহোংত্নুনা লৌরগদৌরি। অদু মত্তবা অতোপ্পা মুপী অমা লুহোংগনা লৌরগনি হায়বা খত্তদে। নহাক্কা শিন্নগদবা মতমদি চহি কুম্ভমত্তা শুরকপা রাকচিং থাগী পাংথৎলকপা শ্রীপঞ্চমী তিথিগী নিংথৌকাবা হুমিত্তা নহাকী পুনসি লোইরে। নহাক্কা শিন্নবগী মতুং নবমী তিথিদা নহাকী ভর্য্যাগী পুন্সিসু লোইরে।"

শ্রীগনেশদেবগী রা ত্তাবদা সন্যাত্তব হায়রিবা ব্রাহ্মন মচা অ.স অল্লাবা ওইখি। অসিদগী মহাক্কা শ্রীগনেশদেববু

খুরম্লগা ষন মরি অহু পৃত্না ময়ুমদা হল্লকই। ম্রুম্ম গুমমক্তা গনেশ দেবনা হায়বিরকপা অহুদা খন্নুনা লৈ। মহাক্কা খুদিং মতৌ করম তৌদুনা যবন নিঙোলবু ব্রাহ্মন কুলদা পোকপা ঐগাক্কা লু গাংহনা লৌরগদৌরিবা। মহাক্ত ল্রৌমিরক্লি ব্রহ্মান শাগৈ অসি মাঙবা তারে অহুনদি মুপীমচা অহু হাংপনা চুনই অম্নম হায়না নোংমা মুমিদাংবাইরম সন্নাভরন্না চৈতুপ অমা পাযরদুনা বিমতীখোয়গী হিদেন্ন তাকমদা লুমহন্না লৈরে। মতম অসিমক্তা বিমতী অসি খুত্রা ঈশিং শোক্কবা চফু অমা পায়রদুনা ঈশিং শোকে হায়হন্না হিদেন তাকম অহুদা পরপ-পরপ হেক্ক কুমথরক্লে হায়রগা ঈশি অহ শোকদৌবগী ইরুজগে হায়হন্না ইয়াই হেক য়োবকপদা সনাভবনা চৈতুপ অহুনা বিমতীগী মকোক্তা কম্না থারে। বিমতী মকোক কায়রহুনা ঈনা ঈশিং অহু পুমঙাং-ঙাংনা ঈশিং অহুদা ঈচেলগী মতুংইন্না তাওথরক্লে। সনাভবস্থ বিমতী শিরে হায়হুনা ঈশিংদা চৈতুপ অদু থাদরয়ে হায়রগা ময়ুমদা কারক্লে। লাইগী নোংদম্মা নাপী মপুন অমা ভুরেলদা তাওথরকই। নাপী মপুন অহু পায়রহুনা তাওথরকপা অসিনা হুমিৎ নিনিগী লম্বী ওইরক্লে। শঙ্কর কৌবা ব্রাহ্মন অমথক্কা স্নান তৌগে হায়দুনা মহাকী হিদেন্দা হেক কুমথরকপদা তুগী মচা অমা ঈশিংদা তাওথরকপা উরে। শঙ্কর ব্রাহ্মননা বিমতীবু ঈশিংদগী চিংথৎলে হায়রগা হিদেন তাকমদা কমহুলদুনা হংঙকই,

"ইবেম্মা নহাকপু কনানো ? করি জাতিদা পোক-পগে ? নমিংনা করি কৌবগে অত্থগা মতৌ করম তৌত্থনা ঈশিং অসিদা তাওথরক্লিবনো ?'

বিমতীনা কপ্পা কপ্পা হায়জরকই,

"ঐহাক ব্রাহ্মন মচানি হায়বসু খঙজদে, ইপা মমিং অসি কৌই হায়বসু খঙজদে ঐহাক্কী ইমিংদি বিমতী কৌই। ঐহাক্না ঈশিং শোকে হায়ত্থনা হিদেন তাকমদগী ঈশিংদা পরপ-পরপ হেক কুমথরকপদা ত্থরেল মপান্দা হৌবা উ অচৌবা অমাগী মশা তেক্লক্তুনা ঐহাকী কোকথক্তা তা-রকই অত্থদগী কোক কায়ত্থনা ঈশিংদা তাওথরক্লিবনি। ঐহাক কয়া কুইনা ঈশিংদা তাওথরক্লবগে হায়বসু খঙজদ্রে।"

অসিদগী শঙ্করনা বিমতীবু ময়ুমদা পুশিল্লক্লত্থনা অকংবা ফি হোংদোকহল্লে মহাক্কী অশোকপা মকম অত্থসু হিদাক তৌবিত্থনা য়েংবিরে। নোংমা নোংমগী অশোকপা অত্থ করক্লে। মমা মপা মশক খঙদবদগী মখুত্তগী ঈশিংদি লৌদে অত্থবু মহাক মক্সা পোকপগী মতৌগুম্না যাম্না লুনা য়োকপিরে। বিমতীবু মী পুন্নমক্লা শঙ্কর ব্রাহ্মন্না য়োকপনি হায়বা খঙনৈ অসুম তৌত্থনা লৈরকপা অসিনা চহি মরি ক্ষারক্লে। হৌজিক্তি মহাক্কী হান্নগী মশক অত্থ হোংলত্থনা লৈশাবী ফাগৎলকপগী য়াম্না ফজরে। মমান্নবী কয়াগা তিন্নবদগী শাস্ত্রগী জ্ঞানসু মতিক চানা লৈরে। অসোমদা ভব ব্রাহ্মননা মচা নিপাবু যজ্ঞ সুত্রন চংবা পীত্থনা ব্রাহ্মন

ওইবগী হৌনবা হিরম খুদিংমক চিনক্না পুহল্লে। মতম অসিদা সনাভবস্থ চহি তরানিথোই শুরক্লহনা ভব ব্রাহ্মন না শঙ্কর পণ্ডিতকী মফমদা লাইরিক তমহনগে হায়রহনা পুরক্লে। মমাংঙৈদগী হৌনা শঙ্কর ব্রাহ্মনগা ভাবগা য়াম্না লূনা তিন্নরক্লই। ভবনা সনাভববু শঙ্কর পণ্ডিতকী য়ুমদা থমহনা লাইরিক তম্বীনবা হায়জরবদা শঙ্করনস্থ য়াবিরহনী ময়ুমদা থমহনা লাইরিক তম্বিরে। মমাংঙৈদগী হৌনা শঙ্কর ব্রাহ্মন মচা পোক্কে হায়বা খঙই অদুবু মাগী ময়ুমদা হুপী মচা অমা লৈবা অদু উরগা কনানো অদুগা কনানা পোকপনো হায়হনা ভবনা হংঙকই। হুপীমচা অদু মহাক্না মনাওশিংনা পোকপনি অঙাং লৈতহনা য়োকচবনি হায়না শঙ্করনা থুমলবদা হুপীমচাহিবু সনাভবগী পীবিয়ু হায়জরকই শঙ্করনা ফিমতীবু সনাভবদা বিবাহ তৌবা য়াবিরবদা ভব ব্রাহ্মনস্থ ময়ুমদা হনখ্রে। অসোমদা সনাভব অসি শঙ্কর পণ্ডিতকী মফমদা অথাকপা লৈতনা লাইরিক তমলকপা অসিনা মাগী গুরুনা খঙলিবা অদু মহাকস্থ খঙলে।

মতমগী মতুংইন্না মখোয় অনিমক্না চাওবা মপুং ফারক্লবদা ল্লহোংবিরদুনা তোঙান্না অতোপ্পা য়ুম অমা শাবিরদুনা লৈহল্লে। সমাভব ব্রাহ্মন মচা অসিনা মতম পূম্নমক্না ৱমাংঙৈদা য়বন কন্যা অমা হাৎখিবা অদুগী প্রায়শ্চিত তৌত্রি, মদুগী প্রায়শ্চিত অদুবু করম তৌরগা কোক্কদগে হায়না খন্দনতা লৈ। অমরোমদা শঙ্কর ব্রাহ্মনদা হংগদবস্থ

গুরুসু ওইরবা অদুগা সুপীবুসু পোকপা ওইবনা হংবা শুমদে। অতোপ্পা অতৈদা হংপদবসু মতু খণ্ডগা মীনা করি হায়নপদগে হায়না খন্দনা লৈরে। মহাক্না পামজবদি মহাক্না শিগদোবা চহী কয়া রাংলিংগী মতমদগী য়ুম পানবা থাদোক্তুনা তীর্থ স্নান তৌগে হায়না খঙরক্লিবনি।

× × × × ×

× × × × ×

নোংমদি সনাতবনা বিমতীগা লোইননা চেংছি লুজরম্মী মতুদা বিমতীগী মকোক্তা লৈরিবা খুদম অদু হেক উরুরে। সনাতবনা বিমতীগী মফমদা মহাক্নী মকোক্তা লৈম্লিবা খুদম অদু করি করি তৌবদগীনো হংওকই। মন্না মপুরোহিৎগী মফমদা মীনম্বা ভাঙলবদি চহী কোটি অমা নরক্তা তাগনি ফিজবদগী থোকখিবা থৌদোকশিং অদু অমত্তা রাংতনা ভমলে। নহানমথৈ গুরু অমদি মপুরোহিৎগী মফমদা হায়দোক্তবগী দোষ ফিজবনা মপুরোহিৎগী মফমদা মহাকপু শাকশিনবা হায়জরকই। মখোয় অনিমক চংখিছুনা গুরুদা পাউ অস্নি তমুরে অদুগা মহুগী প্রায়শ্চিত অদু তৌবিননবা হায়জরকই। পুরোহিতপু কৌহুনা প্রায়শ্চিত তৌহল্লদুনা মখোয় অনিমক মুন অমম তোঙ্গান তোঙান্না শাবিরহুনা থকীরে। শ্রীগনেশনা হায়খিবা অদুগী মতুং ইন্না মহাক্না পুন্সি খা অদুমদা মঙাইরে হায়বা খঙলহুনা হিরন্তাক কৌবা বন তান্না সনাতবনা চংখে। মফম অদুদা মুনি

ময়ামগী ময়াইদা সনাতন কৌবা মুনিনা কয়রুনা ব্রহ্মগী মরম লীরম্মী। সনাতন মুনিবু থুরমজহনা মহাকপু চহী লিশিং অমা পুন্সিহনা ব্রাহ্মন কন্যা অমগা লুহোংবা ফংজগে হায়না বর নিজবদা মহাক্না নিংবা অদু থুংজরো হায়না বর পীবিরকই। বর অদ্ ফংলবদা সনাভবনা য়ুমদা হরাও হরাওনা চঙ্গরকই। মতম কয়াগী তুংদা বিমতীনা মপুরোইববু নিংজরদ্না লাইরেপাক তনখ্রে। মহাক্না তৌজবা কর্ম্মগী ফলনা শিরবা মতমদা স্বর্গ ফংখি। সনাভব ব্রাহ্মনসু বিমতীনা লৈত্রবদা অতোপা ব্রাহ্মন কন্যা অমা অমুক লুহোংদ্না মহাক্কী দেশতা হল্লক্ন্না ভবগী সেবা তৌদ্না সুংঙাইনা পানখি।

কালনা বলবাগ্নি অদ্বু জ্ঞান লৈবা মীনা কাল অদ্বু ককথৎপা ঙম্মী হায়না সনাভবগী ৱারী লীদ্না শুভঙ্করনা ময়ামদা হায়রকই। কির্ত্তিধজনা জ্ঞান লৈবদগী শিব দাসনা বলবান ওইখি হায়রুনা ৱারী অমা লীরকই।

সিন্ধু মুনিগী মচা সৌভরি হায়না কৌবা অমা লৈরম্মী। মহাক্না জীবশিংবু থোইদোক্না ফুংশি। জগৎ অসিদা লৈরিবা জীব পুম্নমক অসি মহক্না তৌজবা কর্ম্মগী ফলনা কনানা মিৎ তাঙনা পোকই, কনানা থোঙ তেক্না কনানা লাইরনা, কনানা লাইথুং থুংনা পোকই। ময়াম অসিগী অরাবা কোকপিগে হায়রুনা সৌভরি মুনিনা থুন-থুন থুদিংদা চত্নুনা ব্রাহ্মন কৌহনা শিব লিঙ্গবু পূজা তৌহল্লি। ক্ষেত্রিশিংসু

য়ুমদা ব্রাহ্মন কৌহুনা শিব লিঙ্গ পূজা তৌখি। জীব পুম্নমকসি শিবগী প্রসাদ ফংলহুনা অন্না অনা পুম্নমক্কগী কৌরুহুনা স্বর্গ হেক হেক ফংলে। অশুম তৌদুনা মী পুম্নমক অসি ইনাক্কি থুনবা, লাইরবা, অচৌবা, মচা হায়বা অমত্তা থায়দ্রে চপ মান্নবা ফুংঙাইরে। তৌবিবা মতৌ অহু উবদা ভগবান্না খল্লি—"এগী সৃষ্টি অসি অবেম্বা তারেদনা—মী পুম্নমক্কা শিবগী প্রসাদ ফংহুনা বৈকুণ্ঠ হেক হেক ফংলবদি।" অসি হায়হুনা সৌভরি মুনিবু থামজিন্নবা হায়হুনা লাই মরামগী মাইবা ওইরবা অশ্বিনী কুমার থাদকই। ভগবাননগী পাও পুহুনা সৌভরি মুনিদা অশ্বিনী কুমারনা হায়জরকই,

"মুনিদেব জগৎ অসিদা লৈরিবা জীব পুম্নমক শিব পূজা তৌবদগী বৈকুণ্ঠদা ওন্না চংলে নরকলোমদা কনা অমত্তা চংদ্রে মরম অসিনা বৈকুণ্ঠ লোক চংদ্রে অহুম মসি তৌবরিগনু।"
মুনিনা হায়রকই,

"এহাক্না করি তৌগনি, মী পুম্নমক্না শিবগী প্রসাদ ফংলগা বৈকুণ্ঠ ফংলিবা অসিদি শিবগী থৌজালননি। ঈশ্বরগী সেবা তৌদ্রবা অমদি ঈশ্বরগী কর্ম্মদা অপনবা পীরবদি পাপকী মশক্নি।" মুনিগী ৱা তাবদা অশ্বিনীকুমারনা হায়রকই, "এহাক্না হায়রিবা অসিদা য়াবিদ্রবদি মুনিনা ব্রহ্মা বিষ্ণু মহেশ্বর হায়বা লাই অহুগী মধৌ জগৎপু

শেম্বা, 'লৈহনবা অমসুং লোইহনবা হায়রিবা তিন কর্ম অছু তৌখিগে।" অসুম হায়বা অশ্বিনী কুমারগী ক্বা তাবদা মুনি অসি 'ফ্রং শাওরছুদা ঈশ্বরগী থবক্তা কপনবা পীবগী দমক্তা হিংচাবা ওলো হায়না শাপ তৌরকই। মুনিগী শাপ অহদগী মুক্তি পীরবিয় হায়না অশ্বিনীকুমারনা হয়জ-রবদা মুনিনা খৌজানবিহন। হায়বিরকই,

"নখোয় অনিমক ঈশ্বরগী মকমদা অয়ানবা তৌর-বনিবা মপোক অমদা তৃনাবর্ত্ত অমদি অঘাসুর কৌবা হিংচাবা ওইনা পোক্কনা শ্রীকৃষ্ণগী খুত্তা লানবা কণ্ঠগী অসুম তৌছুনা অশ্বিনী কুমারনা মুক্তিগী শাপ কংখি। অসিদগী ভগবান্না ব্রহ্মাদেব থারক্কনা শিব মহাদেবদা পৌতাক্রি মুক্তিগী হায়রম পুরমক অসি তমমে।

"কনাগুম্বা মীনা ঈশ্বরগী চরণামৃত কংত্রিবদা ঐহাক্কী প্রসাদ কংলবদি ঐহাক্কী প্রসাদ কংবগী মতৌ মান্দবা ওইরসনু।" হায়না শিবনা হায়খি। কির্ত্তিধ্বজগী ৱারী অসি তারবদা দুর্গাদাসনা বলবান ওইবগী ৱারী অমা সিংহ-ধ্বজনা ময়ামদা অমুক তামকই।

কৈলাশ চিংগী চিংথে পাংবদা মহাবন অমা লৈ। মকম অসিদা চিংগী ইচেল মচা অমা চেল্লি। মথল করাগী হৈ-লৈ করা পাল্লি অমদি মীরথিজনা শাবলি। মায়োক্পিংনা থেক্লা লৌবা অগোইখা শারি, চোংতা তেমরাশিংদা ঈশ্বরগী গুণবু খাহুনা ঋষিশিংনা শক্তি ময়ক মরক্তা নিংথিরবা পুথিং করা লৈ

পুখ্রিশিং অদুগী ঘাট অদু মনিত্না থমলি। থরো-থম্বাল কয়ানা কুগাইনা শাৎলি, খোইমু লাবা অমোম কয়ানা লৈরাংগী লৈনম কংলবদা ঙংল-ঙংলদুনা লৈহী চুপ্পী। মফম অসিদা নোংমগী মুমিত্তা শিব দুর্গা অনিনা রতী ক্রীড়া শান্নরি। শিবনা অপেনবা হায়বা অদু ওইত্রদুনা লিঙ্গ থর চাওহল্লি। দুর্গাসু শিবগী লিঙ্গগা মান্ননা চাওখৎপা তান্নবদগী অনিমকী অঙ্গনা জগৎ অসি পুমথল থল্লে। জগৎকী খুৎশেম মাঙবা তারে হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণনা গরুড় তোংদুনা লাক্লগা শিব দুর্গা অনিমক্তা মখোয়-মখোয়গী অঙ্গ হুক্লিন্নবা কয়ারক থেমলে। ভগবান্না হায়বা অদু করি অমত্তা থওইত্রবদা শাওরদুনা চক্রনা মতুপ কুননিখোই থোক্লা ককথৎলে। অককপা মতুপশিং অদু মাইপৈ খুদিং-মক্তা শিনবা থুংনা তাখি চক্রনা ককপগী লেমহৌবগী মথাকশিং অদু কোটি আর্ব্বুদ থোক্লা লৈপাক্ত ফুমখি। কনাগুম্বা লৈবাক অমদা শিবদুর্গাগী অঙ্গ পুন্না কাত্তবা লৈবাক অদু মমা মচা মশক থঙদবা ওইসনু; অদুগা করিগুম্বা লৈবাক অমদা শিব নত্রগা দুর্গাগী লিঙ্গ অমতং পূজা তৌবনা শিবদুর্গা অনিমক পূজা তৌবগী মহৈ ফংবা ওইসনু হায়না বিষ্ণুনা বর পীবিখি। × × × ×

জাম্বু দ্বীপলগী মপান্দা নিংথিজরবা লৈবাক অমা লৈরম্মী। লৌবাক অসিদা শিবদুর্গা অনিরুক কাওরে। শিব লিঙ্গ লৌরুদুনা নিংথোগী মচানুপা অহল সুর্বননা পূজা তৌই

অদুগা নিংথৌগী মচা অতোনবা সুর্বননা দুর্গা লিঙ্গ লৌরুদুনা পূজা তৌজে। লৈবাক অসিগী শিবদুর্গাগী কৃপাদগী অরাং অপা হায়বদু লৈত্রে। মতম খর লৈরগা নিংথৌনা শিরবদা নিংথৌ খুভম মুন্নবদগী মচিন-মনাও অনিসি য়াম্না হুংশিনরক্লে। মখোয় অনিমক কিনরদুনা রাজ অভিষেক তৌবা ঙম্মদ্রে। 'শবদুর্গা অনিমকস্ন মনাই মনাইগী মিচং য়াম্না কন্না চংনরে। নোংমগী অহিংদা দুর্গাদেবীনা কৈগী মশক লৌরদুনা ফক্লাং হোগায়রে হায়রগা সুর্বনগী মকোক কক্তুনা পুখ্রে। নোংঙাল্লকপদা সুর্বনগী হুপীনা শিবগী মফমদা কপ্তুনা মপুরোইবা লৈতবগী পাও তম্নুরে। দেবীনা তৌরিবনি হায়বা খঙলদুনা শিবনা ডুর্বন হাৎলগে হায়দুনা ত্রিশূল পায়দুনা থিরক্লে। দেবীনা শিব শাওরে হায়বা খঙলদুনা মনাই ডুর্বনবু ঈশিং চফুদা হাপ্লদুনা দেবীগী গর্ভদা য়োৎশিল্লে। শিবনা দেবীদা করিগীদমক সুর্বন হাৎলিবনো হায়দুনা হংঙকই। সুর্বন অসি দুর্বনগী য়েক্লবনি মরম অদুনা সুর্বন হাৎলিবনি হায়না দেবীনা হায়জরক্লবদা শিবনা শাওরদুনা হায়রকই,

"হে দেবী নহাক্কী মনাইগীদমক ঐহাক্কী ইনাই হাৎলবা! ঐহাকস্ন ইনাইগীদমক ডুর্বন হাৎকে—হায়য়ু মহাক কদায়দা লৈ। দেবীনা হায়জরকই,

"ইবুংঙো ঐহাক্কি খঙজদে ময়ুমদা লৈব্রা য়েংবিয়ু।" শিবনা অশাওবগা লোইননা ময়ুমদা থিরে লৈত্রে, অসিগী

তুংদা করম্বা মফমদা লৈবগে হাম্বতুনা খিরকপদা ব্রহ্মাগুগী করিগুম্বা মফমদস্থু তুর্বন থিবা ফংত্রে। মমৈথংদা শিবনা ধ্যান তোল্লুনা য়েংবদা তুর্বন অসি দেবীগী পুক্কুংদা লৈরে হায়বা খঙলদুনা হায়রকই,

"দেবী নহাকী নপুক মপুংদগী তুর্বন অদু ওথোকলকউ।

দেবী—ইবুংঙো ঐহাক তুর্বন ওথোকপা ঙমজরোই। মথরাই কনবিয়ু হায়না চঙজয়রকবা মী অদুগী মথরাই কনবিবনা ঐহাকী ইথৌনি।'

শিব—দেবী নহাক ননাইগীদমক্তা নথরাই অদু করি অমত্তা পামুত্রেদনা; ঐঙোন্দদি ইনাইনা দেবী নঙোন্দগীস্থু হেল্লি মদু খঙউ।'

দেবী—"ঐহাকস্থু ইবুংঙোনা খল্লিবা অদু মঙাই; ঐগী প্রান থারবস্থু ইমাইদি ইবুংঙোদা কংপা ঙমজরোই।'

শিব—'দেবী নহাকী নপুক মপুংদগী ত্রিশূলনা হোগাইদুনা তৌথোকপা তারে।"

দেবী--"ইবুংঙোগী আশানি"

শিব—"দেবী কামদে—বাহন তোংখৎলু নহাক্তা ঐহাকা লান থেংনবা তারে।" অসিদগী দেবীস্থু সিংহবাহন তোংখৎলে, থাং-তা, মুবল; মুদগর অমদি প্রণ্ণচক্রনচিংবা পুন্নমক পায়রদুনা শিবগী মাংদা লেপ্লে। শিবনা অজগর কৌবা লিরুং অদুদা থৌরবা তেল অমা তেঙ্গা থোংলদুনা দেবী তল্লা ক্লাপ্লকই। তেংগ অহুনা দেবীদদি পাগ্রদুনা

দেবীনা তোংবিথা মোংশা অচুদা পাল্লে। নোংশা অচুবা মামনখ্রুনা চৌনা খোংলকই অচুবা দেবীগী পুক্‌চেলগী চুর্বন অহু চোংথোক্লে। শিবগী মাথংদগী নন্দীনা অচাং চাবী শুল্লুবা চুর্বন অহু চাথোক্লগে হায়রুবা কোনখংলুরে খুদক অচুদা চুর্বনগী মকোক ককথংলে হায়রগা দেবীনা মরৈনা চৌথংচুনা শম মতুংদা লোংশিনখ্রে। অসিদগী শিবনা শাওদুনা মথল মখাগী তেল কাপ্লকই। তেলশিং অহু দেবাদদি অমত্তা পান্দনা লমখাংদা ওগ্না তারে। দেবী হাৎ-লগে হায়দনা অমাং অতা লৈত্রবা চক্র লংওকই খত্নত্ন দেবীদা পান্দ্রে দেবীনা কাপ্লকপা তেল মখৈচু শিবদা অমত্তা পান্দবা লৈপাক্তা ওগ্না তারে। তেলশিংবা শিবগী হকচাংদা করিগী পান্দ্রিবনো হায়দুনা খংবদা শিবগী হকচাং শেংদুনা তোত্নিবনি হায়বা খণ্ডলে অদুবু দেবীনা তেল পুন্নমক তুরেল ওমদনা হায়া-হায়া কাপ্তুনা ঈশিংদা লুপথোক্লে অদুদগীদি তেল মরাম অদুনা শিবগী হকচাংদা পাল্লে। শিবগী হকচাংদা পুন্নমক তনা পুমওং তাংলে। শিবনা শাওরদুনা দেবী হাৎলগে হায়দুনা ত্রিশূল পায়রদুনা লংওক্লে। ত্রিশূলদু দেবীদা পাল্লু হায়বা রাত্রে। শিবনসু দেবীগী হকচাংদা খুৎলাইনা পান্দ্রিবা করিগীনো হায়না খংবদা দেবীগী হকচাং শেংত্রে হায়না খণ্ডলে। শিবনা দেবী হকচাং শেং-দোক্লবা হায়দনা নোংমী তেল অমা কাপ্লকই অদু ওদবা তেল লাক্লংমা অচৌবা তুরেল অমগী মমক চৌরদুনা দেবী

তম্না চেম্বরকই। দেবীনা ভৈরবীগী মূর্ত্তি লৌরদুনা ঈশিং অদু গুম্না থক্তোক্লে। দেবীগী মাঙদা খাঙবা ঙমত্রদুনা শিব লাল চেল্লে। অসুম তৌরদুনা শিবনা হাম্নগী শিব লিঙ্গ অদুদা হক্ষিন্দুনা লৈখি। অশোমদা দেবীনা মনাই দ্‌র্বনবু স্নানন-চিংবা তৌদ্‌না নিংথৌ হাপ্পীখি। মরম অসিনা দেবীগা মান্নবা মনাই সুংশিবা লাই অমা জগৎ অসিদা লৈত্রে।

সিংহধজগী রারী অদু তারবদা কৃতমালানা হায়রকই,

"পণ্ডিতশিংনা মিচং-মিথাই নাইদবা রাখল তৌই অদুগুম্বা ঈশ্বরগী তত্ত্ব খঙবা অদুতনা বলবাননি।" অসি হায়রদুনা রারী অমা লাররকই। মমাংদৈদা রুদ্রতাপ কৌবা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী। নিংথৌ অসিগী মশক মতৌ ফজরবা রাজ কন্যা অমা লৈরম্মী। রাজ কন্যা অসি মশক অদুম্নদি ফজরবদা লাইগী নোংদমদগী লাইপক ময়ায়মক্তদা খুদোন-বীমুক চাওনা কুন্টি অমদি পকই। মচানুপীগী লাইথুং অসি উবদা নিংথৌ অসিনা গুংঙাইমনখিত্রদুনা সুমিৎ চুপ্পদা মদুগী রাখল তৌদুনতা লৈরে। লাইথুং অসিদবু ফরবদি হায়দুনা মাইবা কয়া কৌদ্‌না য়েংহল্লি, হিদাক কয়া তৌই ব্রাহ্মন কয়াবু কৌদ্‌না যজ্ঞদাননচিংবা তৌই অদ্‌দস্থ লাইথুং অদ্‌ ফবদি লাইরদ্‌না নোংমা নোংমগী অশুম অশুম পাক-থোক্লক্ত্‌না রাজ কন্যা অদ্‌গী মাই অপুম্বা শিনবা থুংজিল্লক্লে। মতৌ অসি উবদা নিংথৌ মহারাণী অনিমক চাবা-থকপা থঙদবা কপ্প্‌নতা লৈরে। মতম অসিদা নারদ মুনি লাক্লম্মী।

মুনিগী মফমদা নিংথৌনা মহাক্কী অরাবা পুন্নমক মথং শিংনা হঙ্গংলি। মুনিনা নিংথৌবু থেমজিল্লদুনা রাজ কন্যাগী পূর্ব্ব-জন্মগী ৱারী লীরকই। রাজ কন্যা অসি নহানমক্কী মপোক্তা বল্লভ কৌবা ব্রাহ্মন অমগী পত্নী ওইরম্মী! নোংমদি মপুরোইবনা হুংশিন্থনা মহাক্কী লাইবক অহু চুপ্পী অদুগুম্বা চুপ্পগী মফম অহু মহাক্কা হঙ্গোইহনা ঈশিংনা চামথোকই মহুগী দেহনা হন্দক্কী মপেক অসিদা লাইবক্তা লাইথুং থুংলারিবনি। মুনিগী ৱারী অদু তারে হায়রগা নিংথৌনা মুনিগী মফমদা বর অমত্তং পীবিদুনা মচানুপীগী লাইথুং অদু কোকহন বিয় হায়জরকই। শিব দুর্গাগী পূজা তৌদুনা যজ্ঞদান তৌদুনা, মাইবা মাইবী কয়ানা হিদাক তৌদুনা য়েংবদা ফবা ওমত্রবদা মতৌ করম্না মহাক্কী বরনা হেক্তা ফবা ওমগদগে? মুনিনা ধ্যান তৌদুনা য়েংলে হায়রগা হায়রকই, "মফম অসিদগী পুং অনিরোম চৎলগা বাংগ্র ম খুলদা কৈবর্ত্ত জাতিদ পোক্লবা খলুপতি হায়না কৌবা বৈষ্ণব অমা লৈবনি মহাকপু কৌহল্লু।" মুনিগী ৱাপং মতুংইন্না নিংথৌনা মনাইশিং থাহনা খলুপতিবু কৌহল্লরে। বৈষ্ণব অসি শেগায়রবা ফি অমা শেৎ, ফত্রবা ফি অমা ইন. লাইনক্তা চন্দন থিল্লহনা নিংথৌনা করি হয়রক্দগে হায়বগী কিবনা থক থক নিক্লহনা মথুৎ অনি লোম্নরহনা নিংথৌগী মাওদা চংজরকই। খলুবু উবদা নারদ মুনিনা আসন অমা থাদুনা ফমহল্লি। কৃষ্ণগী মনাইন হায়বা

খণ্ডত্বনা নারদ মুনিনা মচি অমদা হন্দোকক্তুনা কমই। ঋষগী মতৌ অহ উরগা ময়াম্না চিন খুমত্নুনা নোক্লরকই। মুনিনা খল্লি—মখোয়গী উপকারগীদমক বৈষ্ণব অসিবু কৌংল্লরিবনি অত্নুগা মখোয়না নোক্লরবদি মহা অপরাধগী মশক্কি। অচৌবা জাতিদা পোক্লবসু শ্রীকৃষ্ণবু নিংজ্রবদি যব গা চপ মান্নে অদুগা যবন ওইরবসু শ্রীকৃষ্ণবু নিংজরবদি বৈষ্ণবনি হায়রা বেদ শাস্ত্রনা হায়রি। অসিগী তুংদা ঋষিনা রাজ কন্যাবু কৌহল্লুদুনা পুরক্লগা খলু বৈষ্ণবকী পাদোদক লৌরিগা খুর অমা পীথক্লে অত্নুগা খর অমনা লাইথুং থুংলিবা মফম অহু তৈবিরে। খঙহৌদনা রাজকন্যাগী লাইথুং অহু ফথরে। রাজকন্যাগী ল্যাইথুং অহু ফরবদা নিংথৌনা খলু বৈষ্ণবতা সনা লুপা কয়া দান তৌই। বৈষ্ণবনা কার অমত্তা লৌদ্রনা ময়ুমদা হুনখি।

কৃতমালাগী অসিগুম্বা রারী অসি তাবদা রাজকুমার মরিনক্লা য়াম্না হল্লাওই, অসিদগী ময়ামবু বিদায় তৌরম্মগা মখোয় মরিন্না অমুক রথ তোংত্নুনা লাকপা অসিনা কম্মাহ তুরেল মপান্দা কুমুথরত্নুনা স্নান তৌরে। রূপবতী অমদি গান্ধনীনা মুপীগী জিংথেক্ল অমুক হম্না শেৎচিল্লত্নুনা রাজ রাণী অানমক্তা মখোয় অসুম্না ল্যাক্লে হায়না পাউ খঙহনখে। নিংথৌ মহারাণী অনিমকসু শিক্লবদগী হল্লকপগী মতৌগুম্লত্নুনা য়াম্না হরাওজে। অসিগী মতুং নুমিৎ কয়ানি লৈরগা অফবা নুমিৎ য়েংত্নুনা কৃতমালাগা রূপবতীগা শুভ বিবাহ

কর্ম্ম লাওলে অতুগা শুভঙ্করগা। পঙ্কিনীগী অমা রিকাহ তোরে। নিংথৌনা শিরবদা কৃতমালাবু রাজ অভিষেক তৌদুনা নিংথৌ হাপখি। শ্রীনারদ মুনিগী য়াথাং মতুংইন্না চষী করামরুম নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্নগা গৃহস্থ আশ্রম থাদোক্তুনা বন্দা লৈদুনা লাইনিংথি অতুদগী শিরবা কৃতমালা চন্দ্রদেবগী অংশদা তিনখি। মতৌ অসুম তৌরদুনা কৃত-মালানা অরানকম কংখিবা তীর্থ অদুবু কৃতমালা তীর্থ হায়না জগতা কাওখি।

× × × × ×

× × × × ×

[শ্রীরামনা অগস্ত্য মুনিগা উনবা]

শ্রীরামনা কৃতমালা তীর্থ স্নান তৌরগা শঙ্কর ব্রাহ্মন মচা অদুগা লোইননা লাকপনা তাম্রপর্ন তীর্থ য়ৌরক্লে। তাম্রপর্ন চীংদগী ইচেল অহুম চেন্থখি। ইচেল অদুগী অহানবা ইচেলদা স্নান তৌরগা মলথাদা লাক্লে। মফম অদুদা অগস্ত্য মুনি অসি নাচন মরিনা কোইশিনদুনা কুশাগন অমদা ফমদুনা লৈরম্মী। শ্রীরামনা মুনিবু উবদা করি মরমগীদমক নাচন মরিনা কোইশিন্দুনা তোপ তোপ্না লৈরমলিবনো হায়দুনা হংওকই। শ্রীরামগী মফমদা মুনিনা

মহাক্না মকম অদুদা লৈরম্মীবা অম'দি নাচন মরিনা মহাকপু কোইশিল্লিবা অদুগী প্রসংগা মথংশিংনা হঙ্গৎচরকই। মতম অমদা বিন্ধ্য চীংগা মেরু চীংগা অনিনা মশাগী নাপন্দগী চাওবা তান্নরকই। বিন্ধ্য চীংনা অসুম অসুম চাওখৎলক্তুনা ব্রহ্মাণ্ড অসি থনগৎলক্লে। সংসারগী জীব পুম্নমক হায়দুনা লৈরিবা অ'স মাপী মথক্তা কাখৎহোঁদবমক হিংবা তারক্রবদা ঈশ্বরনা বিন্ধ্য চীংবু খামজিল্ল, হায়না মুনিদা হায়রে। মদুদা অগস্ত্য মুনিনা বিন্ধ্য চীংদা মহাক্না হল্ল'ক্তুবা ক্লাওবা চাওরমখিম্নু হায়রম্মগা মকম অসিদা লাইনি'তুনা লৈরিব'ন অদুগা নাচন ম'র অসিগী মরমদি মমাংগৈদা কুণ্ঠগ্রাম হায়বা লৈবাক অদুদা করহাত কৌবা নিংথৌ অমা পা'ল্লম্মী। নিংথৌ অসিগী মচা মরিথক লৈরম্মী। নোংমদি মখোয়গী গুরুনা সাধু ময়াম চাক পীজৈ মদুদা মপোম্ন মরিম্নু য়াওই। গুরুনা মখোয় মরিদা থাগা লৈ চন্দনগা পুরক্তুনা লাক্লিবা সাধুশিংদা য়েন্নবা হায়রকই। গুরুগী য়াথং মতুং ইন্না মখোয়না থা অমস্তুং লৈচন্দন য়েন্নে। মখোয়না য়েনবদগী থা মরিথক লেপ্লে মতু মখোয়না চাথোকউরে। ভাইহাক লৈরগা চাক থোংবা পুজারী মরিগী থা লৈ পুথোক্লক্লে। হায়না গুরুনা হায়বদা মখোয় মরিনা চাথোকখ্রে হায়না হায়ক্লরে অদুদা গুরুনা শাওরদুনা মখোয়বু নাচন ওল্লো হায়না শাপ তৌথি। গুরুগী য়াথংদগী মখোয়না মকম অসিদা নাচন ওইদুনা লৈরিবনি। অগস্ত্য মুনিগী য়ারী

তারবদা শ্রীরামনা গুরুগী মশক লৌরদুনা মনাই মরিবু লানবিখি। মখোয় মরিমক্তা হান্নগী মাগী মাগী মশক অত্থু লৌরদুনা শ্রীর'মবু অমদি মুনিবু থুরুম্লগা স্বর্গ ফংখি। অ'সগী মতুংদা শ্রীরামনা ফলগু তীর্থ তৌরদুনা পঞ্চাপসরদা লাক্লে।

[থারা সতীগী ৱারী]

শ্রীরামনা মথং-মথং লাকপনা পঞ্চপসরদা সাণ্ডিল মুনিগী আশ্রমদা থুংলরে। মুনিনা শ্রীরামগী মফমদা বিমলা স'রাবরগী রাণী লীজরম্মী। সরোবর অসি মাধব কৌবা নিংথৌ অমনা তৌরম্বনি অত্থুগা সরোবর অ'সগী মমা দা লৈবা বন অসিসু নিংথৌ অসিনা শেম্লম্বনি। পুখ্রিগী ঘাট অদু মণিনা হকুনা শেমই। পুখ্রি অদুদা থরো থম্বাল কয়ানা ফুগাইনা শাংলি অদুগা ভান্স কাংঙা হায়বা জাৎ অদুনা পুল্লপ পুল্লপ তারি। মসিগী অকোয়বদা বকুল নিংথিনা হৌরি। বন অসিগী মরক মরক্তা মনিগী যুম মচা কয়া শাদুনা লৈ। য়েংবদা থোইদোক্লা পুক্লিং হুনবগী মশক্কি। নোংমদি মাধব নিংথৌনা কৃষ্ণ লীলা তাগে হাযদুনা শ্রীনারদ মুনিবু বীনা খো'বিননবা বার্তন তৌজে অত্থুগা ইন্দ্ররাজগী মফমদা হায়জদুনা মেনকা অমসুং মালিকান-চিংবা জগোই শাবী মভাসু ইশৈ শক্লনবা লাক্লনই। উগী

উখোংশি দা জগোই শাবীশিং অদুনা ফজনা ফিজেৎ লৈতেংলদুনা মাইগৈ অমদা ফমই। মাইকৈ অমদনা মৈগী মশক ওইরবা মুনি ময়াম অদুগা অতোপ্পা মাইকৈ অমদনা অঙম অথৌ মন্ত্রীনচিংবা কয়া অমা ফমলি। মি'থৌগী য়াথং মতু'ইন্না জগোই শাবীশিং অদুনা শ্রীকৃষ্ণনা মথুরাদা লেংঙদুনা কংশবধ তৌবগী মতং অদু শক্রকই, শ্রীনারদ মুনিনা বীনা খোংগৎলকই অদুগা পুঙৱৈবা কাঙবুনা পুং য়ৈরকই। ঈশৈ অদুদা মু ভাই নগ্রদুনা জগোইশাবীশিংনা নারদ মুনিদা খেংউ:র অদু'গী ময়াম পুম্নমক অদু তাল স্বর পুম্নমক পুমকায় কায়রে। অসিদা অসিতাথৎ হায়বা মুনিনা শাওরদুনা জগোইশাবী মঙা অদু মফম অদুদা মুং ওইরো হায়না শাপ তৌরকই। অপসরা মঙানা মুনিদা শাপ অদু কোকপিননবা হায়জরকই। মুনিনা মুংশি- বিরদুনা মখে:য় মঙামকপু হয়েং ইচেল মঙানা সরোবর অসিদা তিল্লবা মতমদা শাপ্তুগী কোকপা ওইয়ু হায়না কৃপা পীবিরকই। মতৌ অশুম তৌরদুনা জগোই শাবা মঙামক মফম অদুদা মুং ওইদুনা লৈখি। ইশৈ অদুসু বিজয় লৌরদুনা ময়াম পুম্নমক মাগী মাগী অলয়দা হল্লখি। মতম কয়া নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্লগা মাধব নিংথৌ নোঙ্গাখি। মহাকা মতুংদা মচানিপা ধর্ম্মকেতুনা নিংথৌ ওইদুনা পালহোই। ধর্ম্ম কেতুগী মুপী ধারা হায়না কে া ম ক ম:তা য়াম্না। নিংথিজবা অমা লৈরম্মী। রাণী অসি অস্ত্র শাস্ত্রদা দুর্গা

দেবীগুম হৈবী, মপুরোইববু য়ায়া লুনা নিংজবী অমদি শিব মহাদেববু পুজা ভৌজবীনি। নোংমা রাণী অ'সন' স্নতুগী স্নান ভৌগে হায়দুনা সরোবর অদুদা চৎলম্মী। মতম অসিগকী গন্ধর্ব নিংথৌ বিকাশ হায়বা অদুনা রাণী অদি উবদা পায়দুনা কনাগী মুপীনো মিংনা করি কৌবনো হায়দুনা হংলম্মী। ধর্ম্ম কেতুগী পত্নীনি মিংনা খারা কৌই হায়না খারানা খুম্মী। খুদক অদুদমক্তি মহাক্না খর চিংনরদুনা বলৎকার শিজিন্নগে হায়না খল্লবা অহ থাদোকখি। নোংমগী অহিং অমদা বিকাশনা অস্ত্র শাস্ত্র পুন্নমক রথ মথক্তা হাপ-কৎলদুনা ধর্ম্ম কেতুনা তুমদুনা লৈরিবা য়ুম অদুগী কক্লাং হোগায়রগা লোয়া চংদুনা ধর্ম্ম কেতুগী মঙক ককথৎলে। মপুরোইবা হাৎলে হায়বা থঙলবদা খারানা লোয়া মপান থোকখ্রে। লীক্লঃ ভেল পায়থৎলদুনা বিকাশবু কৌরদুনা হায়রকই,

"হে পাপী গন্ধর্ব্বাধম! চেনগনু ঙসিদি নঙক অদু কক্কনা ইপুরোইবগী লমন শিংলগে।" বিকাশনা খারাবু থেয়রদুনা হায়রকই, "নশক নভৌ ককবী ইবেম্মা নহাকী কামদা বিমোহিত ওইদুনা নপুরোইবগী থরাই লৌরুবনি নহাক্না ঐহাকী রানী অথোইবা ওইবীয়ু—লাকপীরো ঐগা লোইননা ঐগী কোমু'দা চৎলসি।" খারানা শাওবনা হেনমনখিদুনা বিকাশপু নোং ভাঙ্গ্রিভৈগী মমুংদা হাৎপা ওমত্রবদি ঈশিংদা চোংথদুনা মথরাই থাগে হায়না রাশক্লে।

অসিগী মতুংদা অনিমক্কা অকনবা লান থেংনরক্লে মতম কয়া লান থেংনরবদস্থু থারানা বিকাশপু করি অমত্তা লাকচবা ওমদ্রে। অকোংবা লালদি বিকাশপু হাৎপা ওম্নরোই হায়বা খঙলদুনা অরোনবা লানওং তৌরগে হায়না থারানা খল্লক্লে। থারানা বিকাশতা হায়রকই. হে বিকাশ নিংথৌ ঐখোয় অনিমক লান লেপ্পরসি ঐহাক্কী ইপুরোইবনা কৈনত্রবদা ঐহাক্কা অমুক লান তৌরুবগী কান্নবা কৈদ্রে অদুনা নিংথৌ নংনা ঐহাকপু লুপ্রাবীনি হায়না লাইয়াম্না নোক্লুহল্লোই হায়রবদি নহাক্কী সেবা তৌজরগে।" থারাগী রা তাবদা বিকাশনা হরাওরদুনা লাইয়াম্না নোক্লুহল্লোই হায়না হন্না হন্না রাশক্লে। থারানা বিকাশতা সরোবর অদুদা কুমহনা স্নান তৌরসি হায়রক্লবদা মহাক্কা পায়রিবা খুৎলাইশিং অদু হন্দোকপ্রো হায়রে। থারানা বিকাশ আস খরা চিংনরে হায়বা খংদুনা থাং-তা পুন্নমক ওম্না লাপ্না হন্দোকখ্রে, অদুগা থাংশাং অমাদি পুখি, অদুগী ঈশিং মন্নুংদা কুমদনা লোৎতুনা থনমলে। অসিদগী অনিমক্কা সরোবর অদুদা স্নান তৌগদৌবগী লাক্লে। বিকাশনা হরাও হরাওনা ঈশিং মনুংদা চুপ্প হেক লুপলগা কাওগৎ-লকপদা থারানা গুসাই থনম্বা থাংশাং অদু লৌখৎতুনা বিকাশকী মঙক ককলে। মতম অ'সমক্তা স্বর্গদগী নোং কন্না চুৎরকখি মদুনা সরোবর অদু ঈশিংনা পিক থনখি গন্ধর্ব্ব অদু হাৎলবা মতুংদা থারানা অনুতাপ তৌরদুনা

মিৎভগী পি শিন্থরকই। থুদক অত্নমক্তদা মুনিগী শাগুগী ফুংগী মূর্তি ওইহনা নৈরম্বা জগোই শাবী মঙা অদু লাইগী মশক য়েৌরহনা থারাবু স্তুতি তৌরহনা হায়জরকই,

"হে দেবী চিন্তা তৌবিগদু ঐখোয়না স্বর্গদগী অমৃত পুরক্লুনা ধর্ম কেতুগী মৎমাই হিংলবিগনি।" অসি হায়রহনা অপসরা মঙানা স্বর্গদগী অমৃত পুরক্লুনা ধর্ম কেতুগী থমাই অমুক হিংগৎলকখি। শ্রীবলরামনা সাণ্ডিল্য মুনিগী মকমদা ইচেল মঙানা মতৌ করম্না সরোবর অদুদা তিন্নহনা জগোই শাবী মঙা অদুনা মুক্ত ওইথিবগে হায়দুনা হংঙকই। মুনিনা হায়রকই—"থারা সঙী মশামক্তা ইচেল অমা ওইরে, অনিশুবা ইচেলনা সতীগী মশাদগী লাম্দা শোকপগী থোক্লকপা ঐ অদুনি, মপ্যুরোইবা ধর্ম কেতুনা শিরবদা মিত্তগী শিন্থরকপা পি অদুনা অহুম শুবনি, মরিশুবা ইচেলদি দেবীগী থাশাংদগী বিকাশ হাৎপদা চেন্থরকপা ঐ অদুনি অদুগা মঙাশুবা ইচেলনা বিকাশ হাৎপা মতমদা স্বর্গদগী তারকপা নোং অদুনি।" সাণ্ডিল্য মুনিগী মচিন্দগী সরোবর অদুগী মতিক মগুণ তারবদা শ্রীরামনা তীর্থ অদু স্নান তৌখি।

[শ্রীরামনা হরিদেব লানবীবা]

শ্রীরামনা সাণ্ডিল্য মুনিবু বিদায় তৌরম্মগা অমুক লাকপনা শিব ক্ষেত্র য়ৌরক্লে। মফম অসি শঙ্কর ব্রাহ্মণ মচা অহুগী পোক্লকম লমদনি। মহাকপু মমা মপাগী মথুত্তা শিন্নরম্লগা বদরিকাশ্রমদা লাকলে। অসিদগী মন্নুতীর্থ স্নান তৌবহুনা মহারন্থা চীংথক্তা হায়গৎলক্লে। চীংগী চীংদোন মক্তদা হিংচাবা অনিথক লৈ—মমিংদি ধীবিদ, দীবিদ কৌই। মখোয় অনিমক শক্তি ফাহুনা চায়। শক্তি অমথক্তি মখোয়না তাম্নরকপদা কিমনথুহুনা শ্রীরামনা লাকপা মায়গৈ অদোমদা মুংশা থবেৎ-থবেৎ হোল্লহুনা চেনশিল্লকই। অঙকপা মওং অমানি শক্তি অসি মীগী মকোক অমি পাল্লি। কোক অমনা মথাদা অহুগা কোক অমনা মথক্তা পাল্লি। মীগী কোকশিং অহুনা শ্রীরামবু স্তুতি তৌজরকই। শ্রীরামনা কৃপা তৌবিহুনা শ্রীপাদনা মকোক্তা শোকপিবদা শক্তিগী মূর্ত্তি অহু থাদো-ক্লুনা লাইগী মশক ওইরে। শ্রীরামনা দিব্য রূপ অহুদা মহাকপু কনানো অহুগা করি মরমদগী অসিগুম্বা শাগী মপোক অতদা পোক্লুরিবনো হায়না হংবিররকই। দিব্যরূপ অহনা মহাক্তা পূর্ব্বজন্মগী রারী মথংশিংনা লীজররকই। মহাক অসি নহানমুক্তী মপোক্তা থণ্ডপুর হায়বা লম অহুদা কনৌ-জিয়া জাতিদা হরিদেব কৌদুনা পোক্লমই। নোংমদি মহাক্তা মগাগান্দা শঙ্গোম শুম্নমই মতম অদুদা যুবতী গোধেনু অমবু

মথোঙ মরিমক পুনশিল্লদুনা অভিচারি ওইবা থবক তৌই। মহাক্না অসুম থোকউ হায়রবা অদুনা বশিষ্ঠ মুনিনা মহাকনা তৌরিবা অছু উরুরে। মুনিনা শাওমনখ্রদুনা মহাকপু শাপ তোখি। অসুম হায়না মহাক্না পূর্ব্বজন্মগী য়ারী লীরম্মগা শ্রীরামবু স্তুতি তৌরদুনা স্বর্গদা কাখি। অঙকপা য়ারী অসি তারে হায়রগা শ্রীরামনা অমুক চীং অদুগী চীংয়াংলোমদা লেঙঙরে। সুংদুম মচা অনিথক মীনা হজং হন্দা চংকমদা লৈরম্মী। অচৎ অওক পুম্নমক্না সুং অদুদা হৈ লৈ হেক হেক কংলি। শ্রীরামনা খুৎনা শোংকপদা সুংগী মুত্তি অহু থাদোক্তুনা গন্ধর্ব্বগী মশক লৌরহনা সুপা অমা চোংথোক্লরে। শ্রীরামনা গন্ধর্ব্ব অদুদা মহাক্না মমিং করি কৌবা, করি দেশতা লৈবা অদুগা করি মরমদগী সুং ওইনা তাদুনা লৈরুরিবনো হায়না হংবিরকই। গন্ধর্ব্ব অদুনা স্তুতি তৌরদুনা মহাক্না নহানমুক মপোক্না য়ারী লীজরকই। নহানমুক মপোকতা মহাক অসি কমলাপুরদা ক্ষেত্রি শাগেদা শক্রন্তাপ হায়না কৌদুনা নিংথৌ ওইনা পাল্লম্মী। মহাক অসি ঈশ্বরদা ভক্তি য়াম্না লৈ নোংমদি শৌভরি মুনিনা বার্ত্তন কংদুনা শক্রন্তাপ নিংথৌগীদা লাক্লমই। অসুম থোকউ তথদগী নিংথৌনা মুনিনা খুৎ ওইনা থা পীরুরে মদুদা মুনিনা শাওরদুনা শাপ তৌরকই,

"হে শক্রন্তাপ নিংথৌ নহাক্না মীনাইদা পীজবগী মতৌ-শুমদুনা নখুৎ ওইনা ঐঙোন্দা থা পীজরে। গুরু বৈষ্ণব অমদি ব্রহ্মণদা খুৎ ওইনা লান্দুনা পোৎ পাজরবদি মপোক

অতিরেক নরক তাই ॥ মসিগুম্না মাপাপশিংবু থবক অমত
লিংথৌ নত্তনা তৌরম লেহনা কনা ওইরবা, কুন্তীগী মতমদা
"কুং অমি ওইদুনা কাংলীশীলাংদা চৎলা থাজবা নৈমত্তবা ॥"
মুনিগী শাপ কনবনা মক্রম লিংথো শাপদগী নিংতম্মই।
মুনিনা মতম তৌরিবদুদা লিংথোকদা হায়রিম্মই, "শ্রীমাং
শ্রীরামনা তীর্থ যাত্রা লেংবগী মতমদা শ্রীরামগী খুদোং ওন্থোকপদা
মুক্ত ফংলুদা গন্ধর্ব নগরদা অমুক হন্না ত্রাহ্মণ মায়োলদা
পোকপা কংগে ॥" অদুম ওইনা মহাকী শুদ্ধ কংগী
মারী লীরুমে হায়রদা শ্রীরামবু ভক্তি তৌবদা চৎলি।

[শ্রীরামনা ধীবির দীবির লানবীবা]

শ্রীরামনা ঈশান লেপ্লা চৌং অদোমদা অমুক লেংলক্লে।
চৌং অসিগী চৌংথাদা কউ পাম্বী অমা লৈরি।
হুমিথৎ তাপিহনদুনা শ্রীরামনা অহিং অমত্তু উ অমগী উখাদা
লেপ্লমই। মতম অসিদা ধীবির দীবির হায়রিবা মিওইবা
অনি অমুকা মরেলকপদা শক্তি অমম্মা লোংথোক নাথত্তুনা
লাকপদা শ্রীরামনা উগী উখাদা মুমকলিকা অমু উবরে।
শাজিলিং অমু উখাদা পত্রলে হায়রদা, শ্রীরামগী খুৎ শায়-
দুনা চিংখুরে। শ্রীরামনা খুৎ অহিত্থু মচিং চেকলা চিংথিরবদা
মখোয় অনিমক নৈপাবা নৌমিন্দুনা খুরে অমুগী শ্রীরামবু
মাংগে হায়রহনা খুক হৌদরকই। শ্রীরামনা মকোক
অনিমক পাংন্থুনা কম্না ইনথদা নৈপাবা নৈরনিন্দুমা লিংচাবা

অনিজু শিরে। ছিংচাবগী মুর্ত্তি থাদোক্তুনা খুদক অতুমক্তা লাইগী মশক লৌরে হায়রগা শ্রীরামবু স্তুতি তৌরম্মগা স্বর্গ কাথি। মসিদগী নোং ঙালে হায়রগা শ্রীরামনা করাহুত্ত কৌবা খুল অমগী লাইরবা ব্রাহ্মণ অমগী য়ুমদা থুংলরে। ইয়ুং অদুদা করম তৌরমলিবগে হায়ববু ব্রাহ্মণ মতৈ মনাও অনিজু য়াম্না মথরাই মুংঙাইতনা কপ্তুনা লৈরম্মী। শ্রীরাম্না মখোয় অনিনা কপলিবা অতুগী মরম হংবিরকই। অহিং অদুদা কৈ অমা লাক্তুনা মচা নিপা অমথক্তুং লৌজবা অদু চাররগনি হায়না পাংথিন হায়বিরে হায়না শ্রীরামগী মকমদা হঙ্ৎচরকই। শ্রীরামনা যোগ দৃষ্টিনা য়েংবদা ব্রাহ্মণ মতৈ মনাওনা হায়রিবা অদু অচুম্বনি হায়বা খঙলে। ব্রাহ্মণ মতৈ মনাওদা শ্রীরামনা কৈ অদু হাৎপিজুনা মচাগী মথরাই কনবিগনি হায়না থেম্মীরম্মী। মতৌ অসুম তৌরজুনা কৈ লাকপা ঙাইজুনা লৈরে। অহিং অদুদা কৈ অমা লারুগা ফক্লাং হোপাইজুনা ব্রাহ্মণ মচা অদু ময়ানা চিক্তুনা চিংথোক্লরে অদুদা শ্রীরামনা কৈ অদু খুত্তুম্না থাজুনা হাৎলে। ব্রাহ্মণ মচাগী মশুকশমদা কৈনা চিকপগী ঐ থোক্লিবা অদুসু শ্রীহস্তনা নানবদা খুদক অদুদা কৈগী য়াকম ফাওবা লৈথিদ্রে। শ্রীরামবু ব্রাহ্মণ মতৈ মনাওনা হন্না হন্না স্তুতি তৌজরকই।

[শ্রীরামগা শ্রীকৃষ্ণগা রন ক্ষেত্রদা উন্নবা]

শ্রীরামনা ব্রাহ্মণ অদু বিদায় তৌরম্মগা অমুক লাকপা অসিনা প্রভাস য়ৌরক্লে। মকম অসিদা মুনিশিংগী মচিন্নগী

[illegible] [illegible] [illegible] পাও [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] নৈণো অমমি শ্রীকৃষ্ণনী [illegible]। মুনি[illegible]না [illegible] [illegible] [illegible]বা [illegible]বা অ[illegible] মুনিশিং[illegible] [illegible] তায় ।" মুনিশিংনী পাণ্ডবনী ভীম দুর্য্যোধন অমি [illegible] যুদ্ধ ভৌংদ্যোয়ি হায়বা ভাবদা মখোয় অমিবু [illegible] হায়রুনা শ্রীরামন কুরু ক্ষেত্র তয়া লেউত্রে। [illegible] [illegible]কী গদা যুদ্ধ হেংগদবগী যুধিষ্ঠির [illegible] কৃষ্ণনচিংবা লৈয়রী। শ্রীরাম [illegible] [illegible] [illegible] পুন্নমক্রা [illegible] ভৌ[illegible]রকই। ভীম দুর্য্যোধন [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমনী [illegible] [illegible] [illegible]। শ্রীরামনা মখোয় অনিমক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়রবদসু মখোয় অনিমক্ক [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] মখোয় অনিগী গদা য়েবাম্নবগী [illegible] নোং [illegible]। শ্রীরামবু অমর্য্যাদা ওইবা মতৌ অদু উবদা [illegible] মখোয় অনিমক হাংলগে হায়দুনা লাঙ্গল হাইগং-[illegible]। শ্রীরামনা [illegible] অদু উবদা শ্রীকৃষ্ণনা [illegible]রকই,

"[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অসিবু করিগীদমক্তনো; মখোয়দু হা[illegible] [illegible] লৈরিবা পুন্নমক্রা করি হায়নখিগদগে ?" শ্রীকৃষ্ণনী [illegible] ভারবদা শ্রী[illegible] [illegible],

"কৃষ্ণ [illegible] [illegible] মুনিদ্রি অমা[illegible] লৈত্রবনি অমি [illegible] [illegible] ?"

কৃষ্ণনা হায়জরকই,

"ইবুংঙো ঐগী খোঙবী মথক্তা খাদবিয়ু।"

শ্রীরামনা অমুক হায়রকই,

"ঐহাকী লাঙ্গলনা খারবদি মী খণ্ডদে লাই খণ্ডদে জগৎ অসিদা হিংবা লৈররোইদৌবনি" অসি হায়ুহনা শ্রীরামনা মরাত্রবদা শ্রীকৃষ্ণনা হায়জরকই,

"ইবুংঙো নং ঐদি ঐখোয়গী থবক্তা লোইত্রিবা কাওবদি শিবা লৈত্রবনি।" অসি হায়রক্লনা শ্রীকৃষ্ণগী খুৎমক্তা লাঙ্গল অহ লৌথরহনা শ্রীকৃষ্ণগী খোঙবী মথক্তা থমখি। অসিদগী শ্রীরামনা মরাম পুন্নমক্তগী বিদায় লৌরতুনা দ্বারকাদা হল্লক্লে। শ্রীরাম লেঙকলে হায়বা তাবদা শ্রীরামবু পোকপা উগ্রসেনচিংবা মরাম খোরক্তুনা ওক্লমই। দ্বারকাদা লৈবা খুদিংমক্তা ইবুংঙোগী মঙ্গলগীদমক হায়হনা ধুপ থাওমৈ থান্দুনা লক্তু মুংহনা মঙ্গলগী মশক ওইবা কয়া লাওকম্মী। বৈষ্ণব কয়ানা শ্রীরামবু লাক লাক্তুনা মঙ্গলাশীর্ব্বাদ পীবিরে। অসিদগী শ্রীরামনা জ্ঞাতিগণশিংগা তিন্নরদুনা অবধৃত কৌবা যজ্ঞ তৌরদুনা তীর্থ স্নান তৌবগী পুক্ত কংখি।

লোই



অকোওবা :—
এম, আলেম সিংহ
কোংপাল পোরোমপাং, ইম্ফাল।

অহানবা থুংনম—নবেম্বর ১৯৬৬

মনিপুর গীতা প্রেস, ইম্ফাল।